
# চণ্ডীদাস


## সুকুমার সেন



ভারতকী
সাহিত্য শেম্বা

MN
891.441 52
C 36 S

MN
891.441 52
C 36 S



INDIAN INSTITUTE
OF
ADVANCED STUDY
LIBRARY, SHIMLA



# চণ্ডীদাস

এন্দপেপরদা নর্মালিবা স্কল্পচর অসিদা বদ্ধগী অপোকপী মায়াগী মঙ নিংথৌ সুদ্ধোধনগী মফমদা তুংগী রা খঙবা নুপা অহুমনা অর্থ হনবা উৎপনি। মখোয় অহুমগী মখাদা মখোয়না হল্লিবা অর্থ অদু ইশিনবা মী অমা ফমলি। ভারত্তা লাইরিক-লাইন্ড ইবগী লমদা অয়েকপা লাই ওইনা ফংবা ইহান হানবা রেকোর্ড মসিনা ওইবা য়াই।

নাগাজুর্নকোন্দদগী (খৃষ্টগী অনীশুবা চহীচা) ফংবা

নেশনেল মিউজিয়ম, নিউ দিল্লীনা য়াবিদগী

ভারতকী সাহিত্য শেম্‌বা অইবশিং

# চণ্ডীদাস

সুকুমার সেন

অনুবাদ

ই সোনামণি সিংহ

সাহিত্য অকাদেমি

*Chandidas* : Manipuri translation by E. Sonamani Singh of the same title in English by Sukumar Sen. Sahitya Akademi, New Delhi, 1993, Price : Rs 15

Library IIAS, Shimla
MN 891.441 52 C 36 S
00117831

© সাহিত্য অকাদেমি

MN
891.44152
C 36 S

অহান্‌বা ফোংবা ১৯৯৩
ISBN 81-7201-450-3

সাহিত্য অকাদেমি
রবীন্দ্রভবন, ৩৫ ফিরোজশাহ্ রোড , নতুন দিল্লী ১০০ ০০১

লাইরিক ফংফম :
'স্বাতী', মন্দির মার্গ, নতুন দিল্লী ১১০ ০০১

অফিস মশা :
জীবনতারা ভবন , ২৩এ/৪৪ একস্ , ডায়মণ্ড হারবার রোড, কলকাতা ৭০০ ০৫৩
গুণ ভবন, ৩০৪-৩০৫, আন্না সলাই তেয়নামপেট, মাদ্রাজ ৬০০ ০১৮
১৭২ মুম্বাই মারাঠী গ্রন্থ সংগ্রহালয় মার্গ, দাদার, বোম্বাই ৪০০ ০১৪
এডিএ, রঙ্গমন্দির, ১০৯ জে. সি. রোড, বাঙ্গালোর ৫৬০ ০০২

মমল : ১৫.০০

অনম্বা :
স্বপ্না প্রিণ্টিং ওয়ার্কস
৫২ রাজা রামমোহন সরণী
কলকাতা ৭০০ ০০৯

Indian I... SHIMLA
117831
21/12/04

# হিরম লমাই

চণ্ডীদাসপু শক্তাকপা ১

পুনসি অমসুং তারিখ থিজিনবা অমসু থিগৎপা ৯

নুঙা-নুঙাইবা ৱারী খর ১৯

সহজিয়া ঈশৈশিং কনানা ইরম্বগে ২৬

শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন ৩৫

শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তননা পীরিবা সমস্যাশিং অমুক হন্না খন্নবা ৫১

অরোইবা ৱারম ৫৭

খন্নখিবা লাইরিকশিং ৫৯

# চণ্ডীদাসপু শক্তাকপা

ঐখোয়না হৌজিক উবা ফংলিবা বৈষ্ণব কবিতা নত্রগা ঈশৈশিং অসি অরিবা বাঙ্গলা কবিতাগী লৈরাংশিংনি অমসুং মখোয়গী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না নুংশিবশিংগী মনুংদা চণ্ডীদাসকী মমিং য়াওবশিংদু য়াওরি। বাঙ্গালী জাতিগী পুন্সি অমসুং কৃষ্টিদা শক্লাইবা শক্তম খর তোঙান্না লৈরিবসি চৈতন্যগী মশাগী মঙাল অমসুং মানা তৌরম্বা থবক্লনি হায়বসি খ্বাইনা য়ানরবা ৱাফম্নি। চণ্ডীদাসকী মিং অমসুং মিংচৎ পূমকাও কাওখিদুনা মুৎথ্রগদবদগী কন্দুনা লেঙ্ঙদনা থম্বীরমলিবসি অমরোমদা মহাক্কী মপান্দগীনি। খ্বাইদগী হেন্না থাজবা য়াবা চৈতন্যগী পুন্সি শক্তম্ লেংলম্বা প্রভুগী মতমদদি নহা ওইরিবা কৃষ্ণদাস কবিরাজনা ইদুনা থনম্মী মদুদি — চৈতন্যগী পুন্সি লোইরমদাইদা ভাবতা ঙাওখিবা ঈশৈশিংদি - সংস্কৃত লোন্দা জয়দেব, মৈথিলী লোন্দা বিদ্যাপতী অমসুং বাঙ্গলালোন্দা চণ্ডীদাসকী ঈশৈশিংনি। জয়দেবদি ভারত পূম্বা চৎনৈ অদুগা অতোপ্পা কবি অনি অসিদি অকক্লবা মফম খরদতা খঙ্ঙনৈ। চৈতন্যনা থাগৎলম্বা ঈশৈনি হায়না মাগী খ্বাইদৈ হেন্না ফবা পুনসি শক্তম ইবনা মুথৎপা য়াদনা ইরমদ্রবদি ফর-ফরবা ঈশৈ ইবা কয়াবু পূমকাও কাওখিবগুম বিদ্যাপতীবুসু কাওনরম্বা য়াই অদুগা চণ্ডীদাস পুদি শোয়দনা পূমকাও কাওনরমগনি।

১৬ অমসুং ১৭ শুবা চহিচাদা লাইরিক লাইশু হৈবা নত্রগা ইবা পাবা ঙম্বা বৈষ্ণবশিং নত্তনা সাধারণ প্রজাশিংগী ওইবা বাঙ্গলা সাহিত্য লৈরমদে অদুগা মতমদুগী মমাঙ্গী চহিচা শিংদদি কনাগীসু শুকলৈ লৈরমদে। বাঙ্গলা লোন্দা ইবা লাইরিক পানরম্বদি পণ্ডিতশিং, বৈষ্ণব গুরুশিং অমসুং অচম্বা মী খরতনি; অতৈ অয়াম্বদি অতেনবা অমসুং অশাংবা ঈশৈ তাবা ৱারী শৈরেং ঈশৈগা লোয়ননা থীবা অমদি করিগুম্বা কান্দা লাইথীবী লিলা নত্রগা মীতৌতম্বগা লোইননা উৎপা অসি য়াম্না পাম্নরম্মী। বৈষ্ণবশিংগী নত্তনা পাননবা লাইরিক অয়াম্বদি সংস্কৃত লোন্দা ইবনি। (অমসুং খজিক্তংদি পার্সি লোন্দা ইবনি।)

চৈতন্যগী পুন্সি অমসুং মানা তৌরম্বা থবক্কী মরমদা শৈরেং ওইনা খ্বাইদগী অঙনবা মতমদা ইরম্বা লাইরিক অনি অদু খ্বাইনা পাননবা ইরম্বা ইহান হানবা বাঙ্গলা লোনগী লাইরিক্কী। মখোইগী মনুংদা অনিশুবা লাইরিক — কৃষ্ণদাসকী চৈতন্য চরিতামৃতদি কদৌঙৈদসু থীনরমদে নত্রগা ঈশৈ ওইনসু শক্করমদে। লাইরিক অসিনা বাঙ্গলাগী বৈষ্ণবশিংদা হেক হৌবদগী হৌনা অকনবা ইথিল পীথি অমসুং মসিনা ইসোটেরিজম(১) (Esoterism) বু শৌগৎলি। মরম অদুনা মসিবু রাগত্মিকা পদ্ধতি(২) লাইনীং লম্বী ইনবা বৈষ্ণব কাঙ্বুনা মখোয়গী অথোইবা মরুওইবা (ওথোরিটি ওইবা) লাইরিক্কী হায়না য়ানরম্মী। হৌজিক্কী মতমদা খ্বাইনা ইকোম কোম্না খঙ্নরিবা "বাউল" (অঙাওবা) নত্রগা" সহজিয়া" (অরায়বা লম্বী ইনবা) হায়বা কাঙলুপ অসিগী হৌরকফম ওইবা মিস্তিক(৩) বৈষ্ণব হায়বা কাঙ্লুপ্পুনা লাই ওইরবা রাধাকৃষ্ণগী প্রেমলীলা-নুংশিনুঙোনগী ঈশৈ লেংলম্বা কবি অহুম — চণ্ডীদাস, বিদ্যাপতী অমসুং জয়দেববু মখোয়গী খ্বাইদগী হেন্না লিরবা গুরুনি হায়না লৌরম্মী। কবি অহুম অসিনা রাধা অমসুং কৃষ্ণগী অয়ৌবী নুংশি-নুঙোন প্রেমগী ভাব অদু মশা মশাদা ফাওরম্মী অমসুং মদু মখোয়না ইদুনা ফোংদোক্লম্মী হায়না থাজনৈ অদুনা মখোয় অহুম্বু "অরায়বা লম্বী" ইনবা কাঙলুপকী আদিগুরুনি হায়না লৌনৈ। অদুনা মখোয় খুদীংনা মাগীমাগী মরুস্বী অদুবু "রাধা" মক্কী হায়না থাজরম্মী।

জয়দেবগী পদ্মাবতী ঐতিহাসিকনি, অদুম ওইনমক মহাক অসি জয়দেবনা লুহোংদুনা লৌরবা নুপী অমরা হায়বদুদি ঐখোয়না তাংদাংবা খঙ্বা ঙমদ্রি। বিদ্যাপতীনা মাগী মবুঙোগী (Patron) নুপী (?) লছিমাগা মরি লৈনৈ হায়বসি চুম্মী নত্রগা চুমদে হায়নবা মতীক চাবা প্রমাণ ঐখোইনা ফংদে। অনি অসি মরী লৈনৈ হায়বা অসিগী অচুম্বা ব্রা অমখক্তংদি — মিং অনি অসি মাগী ঈশৈ খরগী মমৈদা য়াওবা থেংনৈ। চণ্ডীদাসকী মতাংদা অরুবা অমদি — নুপীগী মমিং অমখক্তং মাগী ঈশৈগী মমৈদা য়াওবদি "বাসালী" নত্রগা বাসুলী হায়বা অসিনি। (মিং অসিদি ময়াঙ্ কংলবী অরাম খৌরাংলবী লাইরেম্বী চামুণ্ডাগী অতোপ্পা মিংনি।) মমাংঙৈদগী হৌনা চৎনবী ওইনা লীনরকপা

(১) ইসোটেরিজম (Esoterism) লাইমিং লৌরবশিংগীতা ওইবা অরোনবা, খ্বাইনদি বঙনদবা দার্শনিক তত্ব।

(২) রাগাত্মিকা পদ্ধতি: পুন্নীংদা থুক লাওনা ফাওরকপা অবকী লম্বী।

(৩) মিস্তিক — (Mystic) নিংজবা অমসুং আত্মসমর্পণনা ঈশ্বর (ইষ্টদেবতা) দা তিঞ্জবা পাম্বা ভক্ত। নত্রগা — মীওইবনা বঙবা ঙম্বা শক্তিগী বাংমদা লৈবা অধ্যাত্মিক সত্যবু থাজবা মী, অন্তকপা অরোনবা অর্থ লৈবা।

ধর্ম্মপন্থ অসিগী ৱারীদা মহৌশানা বাসুলীগী মহুৎ নুপী অমনা শিল্লি অমসুং মহাক্না ইসোটেরিক তন্ত্র সাধনাদা মতম পূম্বদা নুপাগী লোয়নবী ওইনা লৈ। মহাক অসি ধোবী নুপীনি অদুবু নুপী অদুগী মমিংগী মতাংদদি মোৎ মান্নদে। ৱারীশিং অদু তাবদা নুঙাইনিঙাইনি অমসুং মখোয় অদু চণ্ডীদাসকী সহি য়াওবা খোমজিল্লবা কবিতাশিং অদুগা য়াম্না মনুং হুঞ্জিন্না মরী লৈনে। মখোয়গী মরমদা তুংদা হায়রক্কে।

অফবা লাইনীং ঈশৈ ওইবা মরম্না অমদি চৈতন্য মশামক্না ভক্তি লৈনা তাখি অমসুং পেনখি হায়দুনা বিদ্যাপতী অমসুং জয়দেবপু তৌবগুম্না ধর্ম্মদা হকচিনবা বৈষ্ণবশিংনা চণ্ডীদাসপুসু য়াম্না ইকাই-খুম্নে। ধর্ম্মদা হকচিনবা বৈষ্ণবশিংনা মরন্নাই ওইনা অমদি কীর্ত্তনগী সভাদা চণ্ডীদাসকী ঈশৈ খর শক্লরম্মী হায়বসিদা করিমত্তা চিংনবা লৈতে। অদুবু অঙকপা অমদি কীর্ত্তনগী শৈরেং শৈখোম লাইরিক অমত্তদা চণ্ডীদাসকী সহি য়াওবা হায়বদি ভনিতা তাবা ঈশৈ অমা ফাওবা য়াওদে। অমদি ১৭শুবা চহিচাগী তংখাইগী মমাঙ্দা ইরম্বা অতৈ লাইরিক অমত্তদা পনফাও পল্লমদে। অদুবু জয়দেব অমসুং বিদ্যাপতীগী ঈশৈবুদি থৌওইদবা তৌরমদে। মসিবু চণ্ডীদাসনা বিদ্যাপতীদগী তরাতরুক্ শুবা চহিচারোমদা হেন্না নকশিল্লি হায়রিবরা ? মশীং থীঙমদ্রবা "সহজিয়া" পন্থাদা থোরক্লিবা ঈশৈশিং অমসুং কীর্ত্তন ঈশৈগী অরিবা শৈখোমশিংদা য়াওরিবা ঈশৈশিং অদু অফবা কবি চণ্ডীদাস কুম্বগী পোথোক মান্দে-মরমদি মখোয়গী মরক্তা খরদি সাহিত্যগী মচাক মগুন য়াওদবা-অর্থ শেংনা থোক্তবা ধর্ম্মগীদি ওইবা অরোনবা ঈশৈ (Cryptic cult songs) ঙাক্তনি অমসুং অতৈ অতোপ্পশিং অদুনা হেন্না থেঙথবা মতমদা ময়াম পঙই ইবশিং অদুনি। অদুগা থোইদোক হেন্দোক্না ওইবা য়াবা মরম অমদি চহিচা কয়াশিগী মনুংদা খুত্থাং মথং মথং খুৎশিন্নরকপদা চণ্ডীদাসকী খ্বাইনা পাম্নরবা ঈশৈশিংদা য়াওরিবা মাগী মমিং নত্রগা সহি (ভনিতা) আদুগী মহুত্তা মতম মতমগী হেন্না খঙনরবা কবিশিংগী মমিংনা শিনজিনখিবননি। তরা তরেৎশুবা চহিচাগী মমৈৱাইদগীদি মাসিগী ওন্নতৈনবা মওং অমদা চখরকপগুম তৌখি মদুদা থাঙ্গৈশেংবা অইবা অদুগী মিংগী মহুত্তা চণ্ডীদাসকী মিং হাপচিন্নবা হোৎনরম্বা থেংনৈ। বাঙ্গলা অমসুং মিথিলাদা ঈশৈ শৈরেংগী থবক কনখৎলকপগী অঙনবা মতমদা কবিশিংনা মমিং হাপ্তুনা পরেং অনিমরিগী অতেনবা শৈরেং ইনরম্মী। অদুনা চণ্ডীদাসসু খ্বাইনা তৌনবা অদুগা মতুং ইল্লম্বা য়াই, অদুনা অসিগুম্বা অতেনবা পরেং অনি-মরিগী শৈরেং খর অঙনবা মতমগী বৈষ্ণবকী

লাইরিক শৈরেং শৈখোমশিংদা পল্লম্বদু চণ্ডীদাসকী দায়ি ওইগনি অমসুং মদু বৈষ্ণব অমদি বৈষ্ণব নত্তবশিংগী ৱারী শৈরেংশিংদা হন্না হন্না য়াওবা অতেনবা পরেং অনি মরিগী শৈরেংশিংনি।

অরিবা বাঙ্গলা সাহিত্য অসি ১৯ শুবা চর্হিচা হেক হৌরবপদা ছাপা তৌদুনা থোরকপা হৌরে। অদুগা বৈষ্ণবশিংগী ধর্ম্মগী লাইরিকশিং অমদি লাইনীং লম্বীনা চহি-চা অসিগী অকোনবা তংখাইগী ময়ায়-ৱাইদগী ছাপা নমদুনা পুথোরক্লে। বিদ্যাপতী চণ্ডীদাস, গোবিন্দদাস, অমসুং অতৈ অতৈনা ইবা কীর্ত্তন ঈশৈগী লাইরিক মচাখর অহোঙবা ছাপা খানাদা ছাপা নমদুনা লৈবাক অসিগী লাইরিক হৈবা বৈষ্ণব নুপা অমসুং নুপীশিংগী পাননবা ফোঙখি। বৈষ্ণব নত্তবা সাহিত্যিকশিং অমসুং ইংরাজি তম্নুরবা মীরোন্নদি কৃত্তিবাস, কাশিরাম্, কবি কঙ্কন অমসুং ভরতচন্দ্র — মিং মরি অসিতবু খঙ্লম্মী। ভরতচন্দ্র অমসুং মাগী কাঙ্বুগী ঈশৈ ইবশিংবু য়াম্না থাগচ্চরিবা ঈশ্বরচন্দ্র গুপ্ত (১৮১২-৫৯) ফাওবা বৈষ্ণব কবিতাশিং অসি ইপাম পাল্লমদে।

বাঙ্গলা সাহিত্যগী ইহান হানবা ঐতিহাসিক ওইবা ৱারম খর — মপূংদি ফাদনা খজিক্তং ওইরবসু-মতম অদুগী বাঙ্গালী লাইরিক হৈবশিংনা খঙনরম্বদি — হিন্দু কলেজগী হান্নগী ছাত্র-ইংরেজিলোন্দা শৈরেং ইবা অহানবা ভারত মচাশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা কাশিপ্রসাদ ঘোষনা 'লিটরেরী গেজেৎ (১৮৩০) তা ফোংখিবা ৱারেং অদুনি। মদুদা বৈষ্ণব কবিতা নত্রগা বৈষ্ণব কবিগী ৱা অমা ফাওবা পন্দে। চহি কুন্মুক্কী তুংদা ঈশ্বরচন্দ্র গুপ্তনা হুগলী তোর্ব্বান্দা তাবা সহরশিংদা লৈরম্বা কবি অমসুং খ্বাইনা পাম্নবা ঈশৈ লেংবশিংগী পুনসি অমসুং মখোয়না তৌরম্বা থবকশিং অমুক হন্না হিংগৎহন্নবা তৌবদা য়াম্না থবক চিনখি অমসুং মখোয়গী মরক্তা হৌখিবা চহি চামগী মনুংদা লৈরম্বা খ্বায়না মুন্না খঙ্নরবা ভরতচন্দ্র অমসুং রামপ্রসাদকুম্বা অমদি মীনা ইখঙ্-খঙ্নদবা রামজিদাস অমসুং হারুঠাকুর গুম্বসু য়াওই। গুপ্ত মশামক ঈশৈ পাল্লমদবা নত্তে, মহাক্তি খুঙ্গংগী শৈদানা তংখাই ওইবা ঈশৈ অমদি বৈষ্ণব ওইরবসু ওইদ্রবসু ইনাকখুনবা ইমুংগী শ্রাদ্ধদা চৎনবী ওইনা শরুবা তেক্ত্রিবা কীর্ত্তনগী ঈশৈশিংসু ফজনা খঙ্লিবনি। মহাক মসামক বৈষ্ণবকী ইমুংদা পোকপনা পূম্নমক অসি মুন্না খঙ্লম্মী। মহাক্না "বাউল সহজিয়াগী মিস্তিক ঈশৈ শৈশক অমসুং 'কর্ত্তাভজ' (মপুনীংবা) শিংগী মিস্তিক ঈশৈগী শৈশক শৈদা পূম্বা য়াম্না মুন্না খঙ্লম্মী। 'কর্ত্তাভজ" হায়বসি ইশোটেরিক বৈষ্ণবধর্ম্মগা অতৈ

ধর্ম্ম "সুফি" অমসুং খৃষ্টান্নচিংবগী শরুক খর য়াওনা শুংদোক্লবা ধর্ম্ম অমনি অমসুং মসি অরোনবা ধর্ম্মগী লম্বী অমা ওইনা ১৮ শুবা চহিচাগী অরোইবা চহিতরা অমসুং ১৯ শুবা চহিচাগী অহৌবা চহি ২০ নত্রগা ৩০ ফাওবগী মনুংদা কলিকতাগী ইনাকখুনবা ইমুং খরদা য়াম্না পাম্না চৎনরম্মী। গুপ্তনা বাউল অমসুং কর্তাভজগী শৈরেংশিংগী মতৌ তম্বা ফজরবা শৈরেং কয়ামসু ইরম্মী অদুবু বৈষ্ণব কবিশিং অমসুং মখোয়গী কবিতাশিংগী মরমদদি মহাক্না ব্রা অমা ফাওবা পল্লমদে।

চণ্ডীদাস অমসুং বিদ্যাপতী য়াওনা বৈষ্ণব কবি খর অমসুং বাঙ্গলা লোন্দা ইরম্বা বৈষ্ণবকী লাইরিক খর অপাবা মীয়ামদা খঙ্হনবগী থবক্তি চহিচা অদুগী খ্বাইদগী হেন্না ফাওরবা ভারতমচা ইন্দোলোজিষ্ট (ভারত ইতিহাস-সাহিত্যনচিংবগী মরমদা নৈনরবা) রাজা রাজেন্দ্রলাল মিত্রনা (১৮২২-৯১) পাঙ্থোকখি। মহাক্না বাঙ্গলা লোন্দা অতেনবা ব্রারেং অমা ইখি অমসুং মদু মহাক্না সম্পাদন তৌবা ভারত সরকারনা মতেং পীদুনা ফোঙ্বা অহোঙ্বা মেগাজিন "বিবিদ্ধার্থ সংগ্রহ" দা খৃ: ১৮৫৮ দা ফোঙ্খি। ব্রারেং অসিগী মমিং "বঙ্গভাষার উৎপত্তি" (বাঙ্গলা লোনগী হৌরকফম) হায়না কৌই। ব্রারেং অসিনা লমদম অসিগী মমারোল অমসুং সাহিত্যবু নুংশিজবশিংগী মফমদা মীনা খঙ্বিদ্রবা অইবা কয়া অমসুং মখোয়না লেংলম্বা কয়া লৈ হায়বসি খঙ্হনবতনি অতৈ করিসু থোইদোকপা নৈনদে। মিত্র ইনাকখুনবা বৈষ্ণব ইমুংদা পোকপনি, মাগী মপা অমসুং মপাপোকপা মপু কীর্ত্তনগী ঈশৈ লেংলম্মী। মাগী ব্রারেংদা য়াওরিবা কবিশিং অমসুং মখোইনা ইরম্বসিং পূম্বা মাদি নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা খঙ্লম্মী। অনৌবা যুগকী বাঙ্গলা কবিতা হৌদোক্লম্বা মাইকেল মধুসূদন দত্তনা বৈষ্ণব শৈরেংশিংবু থাগৎখিবা অসি মরু ওইনা মাগী মরূপ অমসুং সমালোচক মিত্র থেংনরুবদগীনি হায়না থাজবায়াবা মরমলৈ।

বৈষ্ণবকী ঈশৈশিং অমসুং অইবশিংবু বাঙ্গলা লৈবাক্কী অপাবা মীয়ামদা চপচানা খঙ্হনবগী থাঙ্গৈশেংবা খোংথাং অমা লৌখৎখিবদি হায়স্কুলগী ওঝা (মমৈদা হেড মষ্টর ওইখিবা) জগতবন্ধু ভদ্রনি। মশামক লীলা অনি লেংখি অমসুং — মহাকপু দত্তগী খ্বাইদগী হেন্না ফজরবা মাষ্টারপিস অদুগী মতৌ তমদুনা অতেনবা কবিতা ইবা অমনি হায়না মাগী মতমগী মীশিংনা ফজনা খঙ্নরম্মী। খৃ: ১৮৭৪ অমসুং ১৮৭৫ দা ভদ্রনা বৈষ্ণবকী ঈশৈ খর কীর্ত্তনগী কবিতা শৈখোমদগী খনগৎলগা "মহাজন পদাবলী সংগ্রহ" অমসুং "ব্রজগাথা" কৌদুনা ফোঙ্খি। ভদ্রগী লাইরিকশিং অসি

খুঙ্গংগী ছাপাখানাদা ছাপা তৌবা অমসুং অহোঙ্বা মওংদা ফোঙ্বগী মরমনা অপাবা মীয়ামদা ঈথিল পীবা ঙমখিদে অমসুং লাইরিক পাবা বৈষ্ণবসিংনসু ইখঙ খঙ্খিদে। মরমদি মতম অসিমক্তদা য়াম্না হেন্না ফরবা, ফজনা টিকা তৌরবা অমসুং মথং মনাও নাইনা খোমজিল্লবা বৈষ্ণব কবিতাগী শৈরেং শৈখোম অমা "প্রাচিন কাব্য সংগ্রহ" কৌদুনা সরদাচরণ মিত্র অমসুং অক্ষয়চন্দ্র সরকারনা ফোঙ্খি। শৈখোম পরেং অসিদা শৈখন মঙাখক য়াওই মদুগী মনুংদা অহুম অমদি হেন্না মরু ওইবা কবি অহুম বিদ্যাপতী, চণ্ডীদাস অমসুং গোবিন্দ দাস কীনি। বিদ্যাপতীগী ভোলুম্না ইহান হান্না খৃ: ১৮৭৪ দা ফোঙখি। মিত্র অমসুং সরকারগী শৈখোমশিং অসিনা লাইরিক হৈরবা অপাবা মীশিংদা বৈষ্ণব শৈরেংশিংবু চপচানা খঙ্হনখি। বঙ্কীমচন্দ্র চ্যাটার্জি য়াওনা মতম অদুগী অফাওবা অইবশিংনা চণ্ডীদাস অমসুং বিদ্যাপতীগী পরেংশিং মখোইগী লাইরিক্তা থেৎচিনবা ঐখোইনা থেংনৈ। অদুবু হৌজিক্কী যুগকী সাহিত্যগী জগত্তা বৈষ্ণব কবিতাশিংগী চপচাবা মমল খঙ্হনখিবদি — মশাগীচহি ২০ শুদ্রিঙৈদা জয়দেব অমসুং অতৈ বৈষ্ণব কবিতাশিংবু মমুৎ তানা খঙ্খ্রবা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনি।

বঙ্গীয় সাহিত্য পরিষদ (বাঙ্গলা সাহিত্য একাদেমী) লিংখৎত্রিঙৈ আ-মমাঙ্দা স্যার জর্জ গ্রীয়ার্সননা ভারতকী আর্য্য ভাষা খরগী অরিবা ভার্নাকুলর সাহিত্য মমুৎতানা সমালোচনা তৌদুনা নৈনবা হৌখ্রে। মহাক্না ব্রজভাষা অমসুং মৈথিলী লোন্দা ইবা বৈষ্ণব কবিতাশিংবু হেন্না পাম্না পুক্নীং থিংজিল্লম্মী। মরমদমগী মীশিংনা পূমকাও কাওরুরবা বিদ্যাপতীবু নৌহৌনা অমুক নীংসিংহন্দুনা লৈনবা মানা কন্না হোৎনখি। পরিষদ অসি খৃ: ১৮৯৪দা কলিকতাদা লিংখৎখিবা অসিনা মতম কুইনা থৌব্রা শাবিদনা থল্লক্লবা—অখঙ্বা খর অমসুং খঙ্দবনা অয়াম্বা ওইরবা অরিবা বাঙ্গলা লাইরিক্কী খুৎই কয়ামরুম খোমজিনবদা মতেং য়াম্না ওইখি। বাঙ্গলা লৈবাক্কী কোচিন কোয়াদগী খোমজিল্লকপা খুৎই লাইরিক কয়াদা চণ্ডীদাসকী হান্না খঙ্লমদবা শৈরেং কয়ামুক থেংনরুবা অমসুং মদু ছাপা তৌদুনা পরিষদকী পত্রিকাদা ফোঙ্দোক্লকপদগী খ্বাই ময়ামগী থোইদোক্না পুক্নীং থিংজিনফম ওইখি। চহিচা অসিগী অহানবা চহি ২০ গী মনুংদা ফোঙ্দোরকপা ঈশৈশিং অদু হান্ননা খঙ্দুনা লৈরবা ঈশৈশিংগা চাংদম্নরুবদা অদুক হাক্না ফজবা ওইরমদে। মরম অদুনা মমুৎতানা অফ-ফত্ত নৈননিংবা সমালোচক অমনা কীর্ত্তন অমসুং সহজিয়া ঈশৈ লেংবা কোন্না পোকপা অতোপ্পা চণ্ডীদাস অমসু লৈরম্বা

য়াই হায়না লৌদবা ঙমদে।

বঙ্গীয় সাহিত্য পরিষদকী অফাওবা খুৎইলাইরিক খোমজিনবা নুপা বসন্ত রঞ্জন রায়না খৃ: ১৯১৬ তা রাধাকৃষ্ণগী ঈশৈশৈরেং চবুন অমা মহাক্না চহি ৯গী মমাঙ্দা বিষ্ণুপুর (বাঁকুরা)দা ফংখিবা খুৎই লাইরিক অমখক্তগী লৌথোক্তুনা ফোঙ্দোক্লুবা অদুদগী চণ্ডীদাস সমস্যা হায়বদি মহাক্কী তোঙান তোঙানব মশক্কী মরম অসি খংলু লুবা হেঞ্জিল্লকখি। খুৎই লাইরিক অসিগী অহানবা চেনা অমগা তংখাই অদুগা অরোইবা চেনাগা য়াওদ্রে। লৈহৌরিবা চেনাশিং (২-২২৬) অদুগী মফম কদাইদসু শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং পল্লম্বা থেংনদে। খুৎই লাইরিক অসি মরক্তসু চেনা কুম্মাথোই মখায় অমসু মাঙ্খ্রে। খুৎই লাইরিক অসি পুথোরক্লীবা রায়না মসিবু শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন হায়না মমিং থোল্লি অমসুং য়াম্না চেকশিন্না মমুৎ তানা সম্পাদন তৌরগা পরিষদকী অফাওবা পণ্ডিত খরগী ব্রাহৌদোক্কা লোয়ননা ফোঙ্দোক্লম্মী। থুনমক পণ্ডিতশিং অমসুং অরিবা সাহিত্যবু নুংশিবশিংগী মরক্তা মসিগী মরমদা য়াম্না কন্না য়েৎনরকখি। য়েৎনবা অদু অসুক্কী মতীক কল্লি অমসুং তোঙান তোঙানবা মওংদা য়েৎনৈ মদুদি য়েৎনবা অসিদা থাইনগী অরিবা লাইরিক লাইশুদা খঙ্হৈরবা কয়াসু থব্রাই য়াওশিল্লকখি। খ্বাইদগী অথোইবা ইপিগ্রাফিষ্ট (নূংদা, মুর্ত্তিদা, শেলময়েক্তা ইবা ময়েক কয়া খঙ্হৈরবা) আর. ডি. ব্যানার্জ্জীনা খুৎই লাইরিক অদুগী ময়েক অদু মুন্না য়েংলগা মসি ১৪ শুবা চহিচা নত্রগা য়ামদ্রবদা ১৫ শুবা চহিচাগী অঙনবা শরুক্তা শিন্দোকপা ওইরম্বা য়াই হায়না লেপ্লম্মী। বাঙ্গলাগী অরিবা থিবগী মরক্তা অথোইবা ওইরবা এচ পি শাস্ত্রীনা হেন্না থব্রাই য়াওশিল্লকখি অমসুং থৌনা ফম্না মাগী মোৎ পীখি-মদুদি শৈরেংশিগী অইবদু জয়দেবগী মমাঙ্গীনি। হায়রিবশিংসি য়াদবা কাঙ্বুগী মায়কৈদা য়াম্না মতীক লৈবা মীদি য়াওরমদে অদুবু মশীংদি য়াল্লম্মী অমসুং মখোয়গী মরক্তা মতমদুদা মশক নাইরবা বৈষ্ণব পণ্ডিতশিং অমদি বৈষ্ণব শৈরেং পামজবা কয়ামরুমসু য়াওরম্মী। মখোয়না কবিতাশিং অসি অরিবনি অমদি চণ্ডীদাসকী থাঙ্গৈশেংবনি হায়বসি য়াদবগী মরম অনিখক পীরম্মী। অহানবদা শৈরেং অসিগী মনুং ফাওনা চৎলিবা মরু ওইবা শৈজেক শৈদা অসি ইফোং ফোংনা অকামপেৎনা থল্লি অদুনা ঈশৈশিং অসিবু চৈতন্যনা য়ারমগনি হায়বসি থাজবা ঙমদে। অনিশুবদা মসিগী লোন্দা অসি তশেংনা তোয়না থেংনদবা অমদি য়াম্না কা হেন্না পঙ্হায় হায়জিনবা লোন্দানি। অদুনা শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী ঈশৈগী

শৈদা অসি হান্নবা খঙ্দুনা লৈরবা চণ্ডীদাসকী ঈশৈশিংগা শমজিন্নবা হোৎনবদা নীংবা কায়বনা থল্লি।

নাকন অনিমক অসিগী য়ানদবা য়েৎনবা অসি মতম খর চত্থরম্মী। মমৈদা য়াদবা নাকনগী লুচিংবা ডি সি সেন্না য়েৎলম্বদু তোক্কুনা মাগী সাহিত্যগী ইতিহাসতা হাপচিনখি। খৃ: ১৯১৯ দা কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়গী নৌনা হাংদোকপা বিষয় বাঙ্গলা সাহিত্যগী এম এ কোর্সতা শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন অসি তম্নবা লাইরিক অমা ওইনা য়াওখি। মখোয়না মায় পাকচত্থবসু য়াদবা খরগী থম্মোইদদি পেল্লমদে অমসুং মখোয়গী চিংনবদুসু নমশিন্দুনা থম্বা ঙম্লমদে।

শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন অসি লিরবনি হায়না মখোয়না হায়বগী মরুওইবা মরম অনিখক লৈ — মদুদি (১) ময়েক্কী অরিবা অমসুং (২) লোনগী অমদি শৈহেক শৈদাগী অরিবা। খুৎই লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ময়েক অসি চাং মান্নদে — খুৎই অমত্তা নত্তে হায়বসি ইপিগ্রাফিষ্টশিংনা হান্নদগী হৌনা অদুম খঙ্লবনি। মসিদা তশেংতশেংনা অরিবা খুৎই য়াওরি অমসুং খুৎই অসিনা অয়াম্বা চেনাশিংদু ইরম্মী; অদুম ওইনমক অতোপ্পা খুৎই অনি অমসু য়াওরি — অনি অদুগী মনুংদা অমদি আ-কাইনথংগীনি; অদুগা অতোপ্পা অমদুনা অমুক্কা হেন্না থেঙ্থবা মতমগীনি। করিগুম্বদা চেনা অমত্তদা খুৎই অনিমক পূন্না অরিবা খুৎইগা লোয়ননা য়াওবসু উই। মরম অদুনা অকোনবগী খুৎই অনি য়াওরিবা চেনাদু কোন্না ইশিনবনি নত্রগা মহুৎ শিনজিনবনি হায়না হায়দবা ঙমলোই। অদুবু মখোয়না অসুক্কী মতীক থব্রায় য়াওশিনখ্রে মদুদি চিংনবদু ময়োন্দা অদুম থদৎখ্রে। অতোপ্পা মরম অমদুদসু অহোবা য়াম্না লৈরম্মী। শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী ব্যাকরনগী ওংদাসি চিংনবা লৈতনা থাঙ্গেশেংনা অরিবনি অদুবু মরক মরক্তা তরাতরেৎশুবা চহিচাগী অঙনবা মতম ফাওবদসু লৈত্রিবা মওং খরসু অদুম থেংনৈ। অদুনা লোন্দাদা য়েৎলিবসিসু ইপিগ্রাফিগা থোং মান্ননা লৈরি। অদুবু লোনগী অহোবা উবা পণ্ডিততি খরদনি। অদুনা পূম্নমক থুনা অদুম ঈংথনখ্রে। অদুম ওইনমক সমস্যাদি অদুম লৈরি। মসি মখাদা অমুক লৌখৎলক্কনি।

শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন ছাপা তৌদুনা হেক ফোঙ্দোকপদগী চণ্ডীদাসকী ঈশৈ কয়ামরুম চোম্লপ চোম্লপ পুথোক্লরকখি। মখোয় পূম্বদু অথেংবদা ফংবা খুৎই লাইরিক্তগীনি। মফমসিদদি মখোয়দু ঐখোয়গী দরকার লৈতে।

# পুনসি অমসুং তারিখ
# থিজিনবা অমসু থিগৎপা

চণ্ডীদাসকী ঈশৈ খর চৈতন্যনা খঙ্ংখিবা মরম্না কবি অসি ১৬শুবা চহিচাগী অহানবা চহি কুম্হাদগী হেন্না থেঙ্ংথবা মতমগী ওইরোই হায়না লৌবা য়াই। মাগী শৈরেংশিংনা চৈতন্যবু পেলহনখিবা অতোপ্পা কবি রামানন্দ রায়গুম্না মহাকসু প্রভুগী মতম অমত্তগী মীনি হায়না লৌরবদি মখাগী অরোইবা ভুমখৈ অদু খৃ: ১৫২৫ ওইবা য়াই অদুগা মথক্কী আরোইবা ভুমখৈনা ১৫ শুবা চহিচাগী ময়ায়নি হায়না খ্বাইনা থাজনৈ। শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী অরিবা অসিনা মদুগী প্রমান্নি হায়না লৌনে। অদুবু মথক্তা হায়খিবগুম্না লাইরিক অসিগী লৌনরিবা অরিবা মতম অসি প্রমাণ তৌবা দরকার লৈরি। মতম অমদা থাঙ্গৈশেংবা (লেঙ্ংবা য়াদ্রবা প্রমান্নি হায়বগুম্বা অমা পুথোরকখি) মদু অঙ্কগী শৈরেং (গণিত আর্য্যা)গী মওং অমসুং মাত্রাদা ইবা পরেং মরিনা শাবা শৈরেং মচা অমা খ্বাইনা কয়া খঙ্ংনদবা পত্রিকা (চেফোং) অমদা ফোঙ্ংখিবনি। মদু কদাইদগী ফংলকপগে হায়বা অদুসু তাক্তে।

"বিধুর নিকটে বসি নেত্র পঞ্চবান।
নবহু নবহু রস গীতি পরিমাণ॥
পরিচয় সঙ্কেটে অঙ্কে নিজ।
চণ্ডীদাস রস কৌটুক কিয়া॥
(আদি বিধেয় রস চণ্ডীদাস কিয়া)

মখাদা পীরিবা অসি ইচম চম্বা ৱাহন্দোক্নী, মরী লৈনবা ৱাহৈগা মান্নবা অঙ্ক ময়েকশিংদু চৈখন মনুংদা হাপি।

"থাগী (১) মনাক্তা ফমদুনা লৈরি মিৎশিং (৩) তেন মঙা অদু (৫) অনৌবদগী (৯) অনৌবা (৯) রসতা ঈশৈশিংদু খল ওল্লি।

শন্দোকপা রারমপৃম্বা অঙ্কগী ব্রাহৈনা
তাক্লিবা মওংদুদা লৌগনি। চণ্ডীদাসনা
সিগুম্বা পুক্নীং হুবা পাওখোংসি চনখি।
(মওং অমদা চণ্ডীদাসনা মতৌ অসুম্না
অহানবা অমসুং মরু ওইবা রসপু উৎলি।)

পরেংশিং অসিদগী মসি য়াওরিবা লাইরিক অদু ইবা লোইবগী অরোইবা তারিখ অদু শক ১৩৫৫ (খৃ: ১৪৩৩-৩৪) নি হায়না লৌনৈ। অসিগুম্বা ৱারোই অসিবু মরু ওইনা য়াদবগী মরমদি মসি ওইবা য়াই হায়না খনবা কয়ামুক্কী মতেং লৌবা অসিনি মদুদি (১) পরেং মরিগী শৈরেং অসি থাঙ্গৈশেংনা অচুম্বনি, (২) মসি হৌজিক্তি মাঙথ্রবা চণ্ডীদাসকী শৈখোম অমদগী নত্রগা লাইরিক অমদগীনি; (৩) অহানবগী পরেং অনিসিনা অঙ্কগী ফোরমূলানি; (৪) "নবহু নবহু" হায়বসি ফোরমুলাদুগী শরুক্নি; (৫) মসিনা মতমদুদা খঙ্নরম্বা লাইরিক নত্রগা মদুগী খুৎই লাইরিক ইবা লোইবগী তারিখ পীরি।

মসি অচুম্বা নত্তে হায়বসিগী য়াম্না কনবদি নত্তবা মরীদি লৈনবা য়েৎনৱা অমসু লৈ — মদুদি অহানবগী পরেং অনিসিগী অর্থসি শুকসেং শেংদে হায়বসিনি।

মফম মতমগী মওং মতুং ইন্না লেপ্পা প্রমান্না চণ্ডীদাসকী তারিখ ঙনখৎহনবদা মতেং পঙওই ওইরোই। তরাতরুক শুবা চহিচা হৌগৎলকপদা বাঙ্গলা লৈবাক্তা খ্বাইনা য়াম্না হেন্না খঙ্নরবা কবিদি বিদ্যাপতীনি। থাঙ্গৈশেংবমকসু চণ্ডীদাসকী মমিংদি চৈতন্যনাময়ুম থাদোক্তুনা চৎথ্রবা মতুংদতা তা-নবনি। চৈতন্যগী মপাগুম্লবা অমসুং মাবু খ্বাইদগী হেন্না নীংজবা ভক্তশিংগী মরক্তা অমসু ওইরবা অদ্বৈত আচার্য্যনা বিদ্যাপতীগী ঈশৈশিংবু য়াম্না শক্লম্মী। সন্যাস ধর্ম্ম লৌথ্রবা মতুংদা নোংমা চৈতন্যনা ইখঙ্ খঙ্হৌদনা মাগী মনাক্তা লাকপা মতমদা মহাক্না বিদ্যাপতীনা লেংবা ঈশৈ অমা শকখি। বাঙ্গলা লোন্দা খ্বাইদগী ইহানহান্না চৈতন্যগী পুনসি শক্তম ইখিবা বৃন্দাবন দাসনা বিদ্যাপতী, জয়দেব অমসুং কালিদাসপু মতমদুগী খ্বাইদগী হেন্না খঙ্নরবা কবিনি হায়রম্মী। মিংচৎনা চাংদম্নবগী খল ওইরবদি বিদ্যাপতীনা চণ্ডীদাসতগী য়াম্না হাল্লি অমসুং য়াম্না হেল্লি। ঐখোয়না থম্নৈশেংনা খঙ্ই মদুদি মিথিলাগী বিদ্যাপতী খৃ: ১৪৬০ দা হিংদুনা লৈরম্মী।

তরাতরুকশুবা চহিচাগী অঙনবা মতমদা চণ্ডীদাসপু খঙ্নরম্বা লমদি অৱাংথংবা

রাধা অমসুং মদুগা থংননা লৈবা গঙ্গা তুরেনগী অতোপ্পা নাকলগী লমশিং অদুতা ওইনা তোই। বাঙ্গলাগী সুলতানশিংগী কোনুংওইরম্বা গৌর সহরগী মতাইদা লৈবা হিন্দুশিংতগী লৈফম রামকেলীগী মনাক্তা খুঙ্গং অমা লৈরম্মী। হায়রিবা খুল অসি ঈশৈ নোংমাই তৌবা অমদি মতমদুদা চৎনরম্বা কৃষ্ণগী ৱারীশিং লাইথিবী ওইনা নত্রগা প্লাস্তিক্লা সাদুনা পুথোকপগীদমক মমিং চৎলম্মী। খুন অদুগীমমিং "কানায়ের নটশালা" (কৃষ্ণলীলা শান্নফম য়ুম) হায়বসিমক চপ-চানরবা মিংনি। চৈতন্যনা মথুরা অমসুং বৃন্দাবন চৎকে হায়না হোৎনবা অহানবা খোঙচত্তা রামকেলী ফাওবা লাক্লম্মী অমসুং হনখিবদা কানায়ের নটশালা ফাওদুনা চৎখি অমসুং মফমদুদা কৃষ্ণলীলাগী থৌদোক খর লীলা ওইনা শান্নরম্বা নত্রগা মদুবু লাইথিবী অমদি প্লাস্তিক্লা শাদুনা উৎপদু উখি। অদুগা কনা গুম্বানা হায়নীংই-মদুদি চণ্ডীদাসকী ঈশৈ নত্রগা লীলানা প্রভুবু ইহান হান্না পেলহনখিবদু মফম অসিদনি। মসিগা মরী লৈননা ঐনা হায়জনীংবদি — চণ্ডীদাসকা মরী লৈনবা অতোপ্পা ৱাফম অমসু লৈরি। ভাগবত পুরাণগী টিকা "বৈষ্ণব তোষণীদা" সনাতন গোস্বামী অমসুং মাগী মমাক নুপা জিব গোস্বামী অনিমক্লা পূন্না চণ্ডীদাসকী মমিং অমসুং শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী থোইদোকপা বিষয় অনিখক পল্লম্মী। গোস্বামী শিংনা মখোইগী টিকাদা ভাগবততা য়াওদবা শ্রীকৃষ্ণগী অতোপ্পা প্রেমলীলাগী মতাং হায়রকপদা হায় — "শ্রী জয়দেব-চণ্ডীদাসাদি দর্শিতা দানখণ্ড — নৌকাখণ্ডাদি লীলা প্রকারস্য জ্ঞেয়।" (মখলমখা অয়াম্বা প্রেমলীলাগী শান্ন-খোৎনবগী থবক কয়া-দানখণ্ড। নৌকাখণ্ডনচিংবা অসিগুম্বসি জয়দেব চণ্ডীদাস অমসুং অতৈ অতৈনা উৎপা অসুম্না য়াওই হায়না খণ্ডগদবনি।) গোস্বামীশিংনা "দর্শিতা" (দৃশ হায়বদি উবা হায়বা ধাতু অসিগী পাষ্ট পার্টিসিপল) ৱাহৈ অসি খ্বাইনা খন্নরম্বা "বর্ণিতা" (হায়রম্মী লীরম্মী) হায়বসিগী মহুত্তা শীজিন্নরল্লিবসি য়াম্না অর্থ লৈবা অমনি। ঐখোয়না পুক্নীংদা লেপকদবদি জয়দেবগী শৈরেং ঈশৈ লীলা মখল অমনি, অদুগুম্না চণ্ডীদাসকী কৃষ্ণকীর্ত্তনসু চপচানা হায়রবদি মদুমক্নী। সনাতন হুসেন সাহগী মন্ত্রী অমনি। মহাক রামকেলীদা লৈরম্মী। অদুনা চণ্ডীদাসকী লাইরিকপূম্বা লোইনা ফজনা খঙলম্বা য়াই। চণ্ডীদাসকা সুলতানগী রাজসভাগা অমদি হিন্দু অমসুং পাঙল অঙম্বশিং খরগা মরী লৈনরম্বা য়াই। চণ্ডীদাসনা শিবগী মতাং ৱারী ময়ামগী মরক্তা অমদা অসুম্না হায়রী-মদুদি মহাকপু সুলতান অমসুং মাগী নুপীময়াম (হারেম)গী মমাঙ্দা মাগীলীলাদু উৎননবা কৌরম্মী। শ্রীকৃষ্ণ কীর্ত্তনগী

খুৎই লাইরিক্তা পাঙনখরগী সহি অমদি পার্সি ময়েক্লাইবা (হৌজিক ফাওবদি অর্থ পুথোকত্রিবা) পরেং অমা অনি য়াওরি। মদুনা মতম অমদা খুৎই লাইরিক অসি বাঙ্গলা কবিতাবু নুংশিজবা পাঙল খরগী ওইরম্মী অমসুং মখোয়না শিজিন্নরমই হায়বাসি উৎলি।

মথংগী চহিচাশিংদা চণ্ডীদাসকী মিংদা ৱারীখর অমসুং থৌদোকৱা খর শেমগৎখি। হায়রিবা ৱারীশিং অসি মখল অনিগী মনুং চল্লি। (১) মাগী ধর্ম্মদা য়াম্না কোমথোকপা অমসুং অতোনবা জাৎকী নুপী অমগী মরুপ্পী ওইবা অমসুং (২) মাগী সাধারণ পুনসি অমসুং থবকখর শান্দোক্লা তাকপা। অহানবা মখলগী থৌদোকৱা অমত্তা তরাতরেৎশুবা চহিচা লোইদ্রিঙৈদা থোকখিদে। অনিশুবা মখলগী ৱারীশিংনা ১৮ শুবা চহিচা লোইরকপদগীতা থোরকই।

মিস্তিক বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎপশিংনা চণ্ডীদাসপু মিস্তিক বৈষ্ণবনি হায়না থাজরম্মী। মহাক্লা লুহোংদুনা লৌবা নুপী নত্তবা জাৎসু তিন্নদবী লোয়নবী নুপী অমগী মতেং লৌদুনা যোগসাধন তৌরম্মী। মসিদা অচুম্বা খর য়াওরম্বসুয়াই নত্রগা পূন্নান লাল্লম্বসু য়াই। অদুবু মদু খণ্ডননবগী উপায়দি লৈতে। মিং অসিনা মশামক্কী মমিং ওইরল্লবা শাজিন্নবা মিং নৎলমদ্রবদি মহাক অসি শক্তি পুজা তৌবা ইমুং অমদা পোকপনি হায়বা তাকই। উরিষ্যাগী সরলদাসনা তৌবগুম্না কবি মশামক্লা লৌশিন্দুনা শিজিন্নবা মিং ওইরল্লবদি মহাক তন্ত্র পুজা তৌবগা মরি লৈনৈ হায়না লৌনরিবসি অচুম্বা ওইবা য়াই। শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী ঈশৈশিংগী মমৈ অরোইবদা অইবগী মিং তারিখনচিংবা তাকপদা কবি অসিনা মানা সেবা তৌজবী লাইরেম্মী "বাসোলী" হায়বসি তত্তনা হেক হেক পল্লি। অদুগা অতে অচাইবা ঈশৈ খরদসু "বাসুলী" হায়বসি পনবা থেংনৈ। তমথিরবী লাইরেম্বী "চামুণ্ডা" হায়বীসি বাসুলী নত্রগা বাসোলী হায়না বৃন্দাবন দাসকী "চৈতন্য ভাগবত"তা অমদি তরাতরুকশুবা চহিচাগী লাইরিক অয়াম্বদা ইশোয় শোয়দনা পনবা থেংনৈ। চণ্ডীদাসকা মরী লৈনবা ৱারী খরদা বাসুলীনা মীওইবা অমা ওইনা কবিগী মনাক্তা খ্বাইদগী অথোইবী লাইরেম্বী "নিত্যগী" পাও পুবা ওইনা লাকপগী ৱা ঐখোয়না থেংনগনি। মসিগী মতাংদা ঐনা উৎনীংবদি — "নিত্য" হায়বসিনা কবিগী মরুপ্পী অদুগী জাৎখঙ্ননবা উপায় অমনি। "নিত্যবু" অরিবা বাঙ্গলা লোন্দা "নেত" (ফজবাফি) অদুগা হৌজিক কালগী বাঙ্গলা লোন্দা "নেতা" (অমোৎপা ফি, তৈথোক্লবা ফি) হায়না খঙনৈ। "নিত্য" হায়বী লাইরেম্বীদি লাইনুপা অমসুং নুপীশিংগী ফিশুবগী থবক্তা

নুপীশিংগী ফিশুবগী থবক্তা শিজিন্নরম্মী। মতৌ অদুম্না চণ্ডীদাসকী মরুম্বী (শক্তি) অদু ধোবী নুপী ওইরম্মী।

শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন্দা কবিনা মশাবু তত্তনা বড়ুচণ্ডীদাস হায়না কৌজে। 'বড়ু' হায়বা ৱাহৈ অসিনা বাঙ্গলা লোন্দা মহৌশানা ব্রাহ্মণ নত্তবা লাইশঙ্গী মনাইবু চুম্নাশুম খঙ্নৈ। শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন থেংনদিঙৈ মমাঙ্ অমসুং থেংনরবা মতুংদা খঙ্নরম্বা ঈশৈ কয়ামুক্তা কবিনা মশাবু "দ্বিজ" হায়বদি ব্রাহ্মণ হায়না কৌজে। অদুগা অতৈ অতোপ্পা ঈশৈ খরদনা "বটু" হায়না কবিনা মশাবু কৌজে "দ্বিজ" হায়বা অসিদি "বড়ু"দগী পৃংতোপ তোপই। অদুগা "বটু" অসিদি "বড়ু"বু সংস্কৃত লোন্দা ওস্থোকপনি হায়না লৌদ্রবদি করিসু তোপতে। অমবু ওইরবসু পণ্ডিত খরনা তৌবগুম্না "দ্বিজ" চণ্ডীদাসকা "বড়ু" চণ্ডীদাসকা মী অমত্তনি হায়না লৌবদি য়াম্না লুনা থোকই। মরমদি থোইদোক্লা "দ্বিজ" চণ্ডীদাস হায়বসিদি তরাতরুকশুবা চহিচাগী অরোইবা মতমদা লৈরম্বা তোপতোপ্পা মীশক অমনি হায়বসি খ্বায়না তশেং তশেংনা খঙ্নরবনি। মাদি নোরোত্তম দাসকী শিষ্যনি।

চণ্ডীদাসকী ইমুং মনুংগী পুনসিগা মরী লৈনবা হেন্না লিরবা ৱারীদা মাগী মরুম্বী অদু ধোবী জাৎনি মমিং তারা (বাসুলীগী অতোপ্পা মিংনি অদুবু চামুণ্ডাগী মশক মতৌ লৈবী শক্তম উৎপীনি) কোই হায়না উৎলি। খর হেন্না থেংথবা ৱারীদনা মাগী মমিং "রামা" নত্রগা "রামী" কোই। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা অথেংবদা লীনবা ৱারীদনা অহানবগী ৱারীদা য়াওবা অনিমক তাইশিন্নরগা য়ানদুনা ইরোই লোইবদা মমিং অসি "রামতারা" হায়না কৌরে। অদুবু মিং অসিমক্তি ১৮ শুবা চহিচাগী — মমাঙদা বাঙ্গালী নুপী অমদা কৌরমগদবা মিং শুকওই ওইরোই।

ইকুই কুইদ্রিবা মতমগী মনুংদা থোইদোক্লা হৌজিক্কী চহিচা অসি হৌরকপা চহি কুন কুন্থ্রা শুরকপা মতম চণ্ডীদাসকী সমস্যা লেপথোক্লিঙৈদা কবি অসিগী পোক্লফম লৈফম লমগী মরমদা অখঙ অহৈশিংগী মরক্তা চয়েৎনবা মোৎ অমসু লাকখি। বোলপুর (শান্তিনিকেটন) গী নোংপোক্তা মাইল খর চৎলগা লৈবা নানুর (নত্রগা নান্নুর) হায়বা খুল অসিদা কবি অসিগী মপামপুশিংগী য়ুম লৈরম্মী হায়বসি খ্বাইনা য়ানরবা ৱাফমনি। ১৮ শুবা চহিচাগী অনিশুবা তংখাইগী অদুৱাইদা ইরম্বা বাউল সহজিয়া কাঙলুপকী মরু ওইবা অথোইবা ধর্ম্মগী লাইরিক্কি হায়না য়ানরবা "বিবৃত বিলাসতা" ইহান হান্না

খুল অসিগী মমিং পল্লম্বগুম তোই। তোইগুম্বসুং মদুদা য়াওরিবা মিং অসি অমুক্তা "নানুর" অদুগা অমুক্তা "নন্দ" হায়। মসিনা তাকপদি তশেংবা মিংসি "নন্দুর" ওইরম্বা য়াই।

অওইবমক্তি লমদম অদুগী মীশিংনদি খুল অদুবু "নাদুর" হায়না খঙ্নরম্মী। মসিমক হায়দোকপদা ৱাবা অকোনবগী ব্যঞ্জন ময়েক শিংদু ঐখোয়না পন্দ্রবদি "নন্দুর"গী অকোনবা মওংনি হায়না লৌবা য়াই। অদুম ওইনমক "নানোর" হায়বা মিং অসি চহিচা তরামাপলগী দলিল খরদা অমসুং অৱাং বাঙ্গলাদা লৈরম্বা জগন্নাথ দাস হায়বদুনা ইরম্মা "ভক্তচরিতামৃত" হায়বা লাইরিক্তা যাওই।

মানা হেক হায়রম্বদি :—

"পূর্ব্বদেশে আছে এক নানোর নামে গ্রাম।"
(নোংপোকথংবা লৈবাক্তা নানোর হায়না কৌবা
খুল অমা লৈ।)

"নানোর" অসি রেন্নেলগী বাঙ্গলা লৈবাক্কী মেপতসু য়াওই (১৭৭৯ ইং)।

হৌজিক্কী মতমদা চণ্ডীদাসকী অহানবা মরন্নাই পুনসি ৱারোলবু ঐখোইদা ফংহনবদি রামগতি ন্যায়রত্নননি। মহাক্কী বাঙ্গলা সাহিত্যগী ইতিহাস "বঙ্গভাষা ও সাহিত্য বিষয়ক প্রস্তাব—১৮৭৩" অহানবা শরুক্তা মহাক্না হায়রম্মী মদুদি চণ্ডীদাস ব্রাহ্মণনি অমসুং বিরভূম জিলাগী নোংপোকথংবা শরুক্তা শাকুলিপুর থানাগী মখাদা লৈবা "নানুর" হায়বা খুন্দা লৈরম্মী।

অশম্বা ওইরবসু শমদবা ওইরবসু ৱারী পূম্নমক্তা চণ্ডীদাস মতম পূম্নমক্তা খুনগী লাইরেম্বী বাসুলীগা লোয়নদুনতা লৈ। ন্যায়রত্ননা হায়-মদুদি খুঙ্গং অদুদা হোজিকফাওবা পুজা — তৌনরিবা লাইরেম্বীগী নূংগী মূর্ত্তি অমা লৈ। অদুগা চণ্ডীদাস অসি লাইরেম্বীদুবু পুজা তৌজবা ভক্ত অমনি হায়বসি খ্বাইপূম্বা খঙ্নরম্মী। ন্যায়রত্নগী ৱাসি চুম্মী চুমদে লেপ্পনবা হোৎনবদা পণ্ডিতশিংনা অরুবা মতাং অমা থেংনখি। হায়নরিবা মুর্ত্তি অসে তমথিরবী লাইরেম্বী বাসুলীগী নত্তে থৌজালহৈবী লাইরেম্বী মখুৎ নামদা লাইরিক পায়বী অমগীনি হায়বসে তশেং তশেংবনি। অদুম ওইনমক নানুরবু শৌগৎলিবা কাঙবুনা মায়থীরে হায়বা শুকয়া য়ারমদে। মখোয়না মী-অতৈবু চপচানা থাজহনবদি ঙমদনা "বাসালী" হায়বা মিংসি সরস্বতীগী মমিং বাগেশ্রীদগী ওইরকপনি হায়না হায়ননবা

হোৎনরম্মী।

তরাতরুকশুবা অমসুং তরাতরেৎশুবা চহিচাদা নোংচুপ বাঙ্গলাগী মনুংদা লৈবা রাধা হায়বা লমসিনা কোনবা লমগী মনুংদা লৈবা মরু ওইবা থুঙ্গং খুদিংমক্তা লাইজুরা অমমম লৈরম্মী। অমনা নুপানি অমনা নুপীনি। মখোয়বু খুনগী ঙাকপী শেনবীবা লাইনি হায়না লৌনরম্মী। লাই খরগী লাইশঙদি চেক্লা শারম্মী অতোপ্পা খরগীনা ইনা কুপ্পা বাঙ্গলা নত্রগা খাংপোকশঙ্নি, অদুগা লেমহৌরিবা খরনা কুইরবা মীনা পুজা তৌনরবা উগী উখোংদা লাৎনরম্মী। লাই নুপা অদুনা ধর্ম্ম নত্রগা ধর্মরাজনি অদুগা লাই নুপীদুনা বাসুলীনি। মথংগী চহিচাশিংদা ধর্ম্ম অদু তপ্পা তপ্পা অমসুং শোয়বদি লৈতনা শিব ওইরক্লে অদুগা বাসুলীদি হোংদনা লৈরম্মী অদুবু অয়াম্বা মফমদা মমিংদি "বিশালাক্ষি" কৌনখ্রে।

লাইরেম্বী অদুগী মমিং ইহোং-হোংদনা লৈবা খুঙ্গং খরগী মরক্তা বিষ্ণুপুর (বাঁকুরা)দগী মাইল খর চৎলগা লৈবা খুঙ্গং 'চাটনা' হায়বসি অমনি। 'চাটনা' হায়বা খুঙ্গং অসি চণ্ডীদাসকী পোকফমনি, মাগী ময়ুম অসিদা লৈরম্মী হায়বা ব্রাফম অসি নানুরগী মায়োক্তা খৃ: ১৯২৭ তা য়াম্না কন্না পুখৎলকখি। বিরভুম অমসুং বাঁকুরা অনিসিনা য়েৎনরকপা অসিদা চণ্ডীদাস পণ্ডিতশিং হৌজিক চমম্নরে। নানুরদা চণ্ডীদাসতি লৈ অদুগা বাসুলীদি লৈতে অদুগা চাটনাদা বাসুলীদি লৈ চণ্ডীদাসতি (হৌজিক ফাওবদি) লৈতে। অখণ্ড অহে পণ্ডিত কয়ানা অমদি হকচিনবা মরম কয়ানা শৌগৎলবসু দাবি তৌবিনবা লৈতবা মরম্না মতম খরদি চাটনীশিংনা নানুরশিংগী মায়োক্তা খুমাং চাওশিনবা ইঙম ঙল্লমদে। মখোইনা মখোইগী খুদোংচাদবা অদু কোক্লনবা কদাইদগী ফংবনো হায়বা চিংননিঙাই ওইবা চেচাং খর পুথোরক্লম্মী-মদো "চণ্ডীদাস চরিত" হায়বা কৃষ্ণপ্রসাদ সেন কৌবা অমনা ইবা খুৎই লাইরিক ওইনা থেংনরুবা হাইফেৎ চাওবা শৈরেং লাইরিক্নী। মসিবু বাঙ্গলা লৈবাক্কী লাইরিক লাইশু হৈবা অখণ্ড-অহে পণ্ডিতশিংগী মরক্তা ভীষ্ম হায়না খঙ্নরবা-চাটনী কাঙলুপকীসু লুচিংবা যোগেশচন্দ্র রায়না সম্পাদন তৌদুনা খৃ: ১৯৩৪দা বাঁকুরাদগী লাকপা অফাওবা নেসনেলিস্ট অমসুং খ্বাইনা মুন্না খঙ্নববা জর্নেলিস্ট রামানন্দ চাটার্জিনা ফোঙদোকখি। "চণ্ডীদাস চরিত" অসি চণ্ডীদাস মশাগী পুনসি শক্তমগী মরম পূম্বা মতম পূম্বগী ওইনা লেপথোক্লবা অমসুং কবি অসিগী মরন্নাই ওইবা পুনসিগী মরমদা তুংদা ওইরকপা য়াবা য়েৎনবা পূম্বা তোক্লনবগী মিৎয়েংদা পুখৎলকপনি। নানুরশিংবু পেলহন্নবা হায়দুনা মসিনা নানুরগী ব্রা-য়াদবা তৌদেমসিবু

চণ্ডীদাসকী অতোপ্পা লৈফম অমনি হায়না উৎলি। মতৌ অদুগুম্না তোঙান তোঙানবা ৱারীদগী থোরকপা খেন্নবাময়ামদুসু লাইরিক অসিগী মনুংদা য়াত্তই। দোকুমেন্ট (মরু-ওইবা চেচাং) অসি পানফমদা শোয়দনা পাল্লে হায়না চেকশিন্না হাকথেংননা নিশান তৌরবা নোংমৈ অমগুল্লম্মী। খুদম ওইনা হায়ররদা চণ্ডীদাসনা পোকখিবা নুমিৎকী তারিখ অসি ফিরোজ সাহ তোগলক্কা মখুরাবু হাত্তোক্লগা সিংহাসন কাখিবা নুমিৎ অদুনি হায়।

ফন-য়াম্না চেকশিন্না হোৎনরবসু নোংমৈ গুলীদু মখোল থোক্তে, পান্দ্রে, নত্রগা ঐখোয়না হায়বা তারবদি গুলীদু মথন্তা পোকখাইজখ্রে। নলিনীকান্ত ভাট্রাশালী হায়বা অফাওবা ইকাই খুম্ননিঙাই ওইরবা ইতিহাস ইবা অদুনা তশেংতশেংনা প্রমাণ চানা, অমসুং থৈদোকপা য়াদনা উৎপ্রে মদুদি "চণ্ডীদাস চরিত" কী খুৎই লাইরিক অদু ওইদবনি (জালনি) অমসুং ইকুই কুইদবা মতমগী মনুংদা শেমগৎপনি।

তরাতরুকশুবা চহিচা অমসুং মদুগী মমাঙদা অৱাংথংবা রাধা অসি তন্ত্র লাইনীংগী শীংথাবা য়াবা মফম খর লৈরম্বগীদমক ফাওরম্মী। মসিগী মকোক ওইবী লাইরেম্বীদি চামুণ্ডা নত্রগা বাসুলীনি। অসিগুম্বা লাইনীংফম অমদি বর্দ্ধমান জিলাগী মনুংদা লৈবা কাটৱাগী অৱাংদা মাইল খর চৎলগা লৈবা কেটুগ্রাম হায়বা খুল অসিনি। মফম অসিদা তরাতরুকশুবা চহিচাগী অঙনবা মতমদা চণ্ডীদাস কৌবা ব্রাহ্মণ পণ্ডিত অমসুং কবি অমা লৈরম্মী। মাগী মচামশু ধারা মঙোন্দগীদি মাপলশুবা শুথাং অমা ব্যাকরণ য়াম্না হৈবনি হায়না তরানিপাল শুবা চহিচাগী অনিশুবা তংখাইদা য়াম্না ফাওরম্মী (খ্বাইনা খঙ্নরম্মী)। মাগী মমিং নৃসিংহ তর্কপঞ্চানন কৌই। মানা মাগী মবুধৌ অসিগীদমক্তা য়াম্না চাওথোকচরম্মী। মরম অদুনা মহাক্না নোংচুপ বাঙ্গলাদা তরনিথোইশুবা চহিচাদগী হৌনা চৎনরকইবা সংস্কৃত ব্যাকরণ "সংক্ষিপ্তসার" হায়বসিগী মতুংইন্না ইবা ক্রিয়া তালিকাগী টিকা অদুগী অধ্যায় খুদীংমক্কী অরোইবদা মাগী ববুধৌসিবু খুরুমজবা শৈরেং অমমম হাপ্লম্মী। নৃসিংহগী মোৎ মতুং ইন্না মাগী মবুধৌ চণ্ডীদাস হায়বসি কবিগুরুনি (কবীন্দ্র, কবিনাম রবী-হায়বদি কবিরেন, কবিলক্তা নুমিৎনি)। ঐসু মতম অমদা মহাক অসি ঐখোইগী হায়নরিবা চণ্ডীদাস অসিমক্কী হায়নীংলম্মী অদুবু শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী ঈশৈশিং ইরম্বা অইবা অদুবু ইতত্তত্তনা পণ্ডিত মকোক (ভট্রাচার্য্য শিরোমণি) হায়না পল্লিবা নুপা অসিগা মী অমত্তনি হায়বসিদি য়াম্নালুনা থোকই। নৃসিংহগী মবুধৌ অসিবু "ভাব চন্দ্রিকা" হায়বা শৈরেং — ভক্তি অমসুং শ্রীকৃষ্ণবু খুরুমজবগী তোঙান তোঙানবা

মওং কয়াগী মরমদা ইরম্বা অমসুং মহাক মসামকপুসু চৈতন্যগী ভক্তনি (শ্রী ভগবৎচরণ মধুব্রত শ্রী চণ্ডীদাস) হায়জবা চণ্ডীদাস হায়বা অদুমক্লা হায়বসি ঐখোয়না তাংদাংবা খঙ্দে।

চণ্ডীদাসনা মহাক মশামক্কী জাৎ নত্তবা, লুহোংদুনা লৌবসু নত্তবা নুপী অমগা লৈমিন্নৈ হায়বসি চুম্মী হায়না প্রমাণ তৌনবা খুদম মরীক অমা ফাওবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং মসিদা খাইনা অতৎপা লৈতনা কন্না ঙাঙ্নরম্বা তোকঙা অমগী অকনবা অমসুং হোংবা লৈতবা লেঙদব্রা (রেকোর্ড) অমা লৈরিবা অসিগী মায়োক্তা ওইরম্বা য়াবা অদুবু লাল্লি নত্তে হায়না হেক হায়বমক্তি ঙমদে। চুম্নগী ওইরম্বা য়াই হায়বদগী হেন্না চঙশিনবসু ঙমদে।

সহজিয়া লম্বী অমদগী হেনবদা তত্তনা য়াওবা চণ্ডীদাসকী ঈশৈ অমা মখাগী পরেং অনিগী শৈরৈংসি ওইনা হোই:

“নিত্যার আদেশে বাসুলী চলিল
সহজ জানবার তারে
ভ্রমিতে ভ্রমিতে নাদুর (নন্দা) গ্রামেতে
প্রবেশ যাইয়া করে।।”

“নিত্যনা তাকপগী মতুংইন্না বাসুলীনা সহজ শন্দোকপা চৎলম্মী মানা অসুম অসুম চৎলকপদা নাদুর (নন্দা) খুন্দা লাকখি অমসুং চঙলকখি।”

ঈশৈ অসিবু পন্দুনা “বিব্রত বিলাস” লেংবদুনা অসুম্না হায়খি। ঐনা ব্রাহন্দোক ওইনা মানা হায়খিবদু হায়রিবসিনি: মথক্তা হায়রিবা ঈশৈসিদা য়াওরি তেন কাপ্পগী শাজেন (বানের নিশান- তেন নিশান তৌবা), অচৌবা মী অমনা তাকপা (মহাজনের বচন-অচৌবা মীগী ব্রা); নিত্যনা হায়বগী মতুং ইন্না যোগমায়া লাইরেম্বীনা মশামক শংশং ফাওরক্লে অমসুং চণ্ডীদাসপু তম্বীররে।

বাসুলীনা কবি অসিগী মনাক্তা লাক্নুনা ইসোটেরিক যোগ সাধন তম্বীরবগী ব্রা মতাং অসি তরানিপান শুবা চহিচাগী অঙনবা মতমদা মফম অতৈদসু খঙনরম্মী। তোঙান তোঙানবা থৌদোক মখল কয়া ইরম্বা বৈষ্ণব লেখক নরহরি চক্রবর্তীনা চণ্ডীদাসপু থাগৎপা মাগী ঈশৈ অমদা থৌদোক অসিবু ফজনা উৎলম্মী।

“ভক্তচরিতামৃত”দা জগন্নাথ দাসনা লীরম্বা ব্রারীদা — লাইরিক লাইশুদা থব্রাই য়াওদে হায়দুনা ময়ুমদগী তাম্থোরক্লবা চণ্ডীদাসনা মথন্তা শিজরগে তৌবা মতমদা বাসুলীনা

শংশংনা মনাক্তা লাক্লুনা মাবু মদু তৌগনু হায়না খাম্বগীৱা য়াওরি। "মহাক অসি অফাওবা কবি অমা ওইগদৌরিবনি অদুনা করিমত্তা ৱানিংঙাই লৈতে য়ুমদা তুমিন্না চৎথ্রো হায়না মঙোন্দা হায়রম্মী।" চণ্ডীদাসসু মানা হায়বদু ইল্লম্মী অমসুং মানা মাগী খুন্দা হেক চঙ্লকপমক্তদা মাগী মমিত্তা তারা হায়না কৌরবী নহা ওইরিবী ফজরবী লৈশাবীদুনা মনাক্তা লৈবা পুখ্রি অমদা ফি শুদুনা লৈরম্বদু হেক উরুরে। অহানবা উনবমক্তদা মখোয় অনি হেক নুংশিনখি অমসুং বাসুলীগী থৌজান্না মখোয় অনিমক থিন্দনা লৌন-লৈনখি।

নিত্য (নত্রগা নেতা) হায়বীসি বাসুলীগী মরুপ, লমজিংবীবা অমসুং লৌশিং পীবিবনি। (মনসাগী ৱারীদসু মানা থবক অসিমক তৌই)। ঐনা হান্নসু পঞ্জখ্রে — খ্বাইনা হায়নবা ৱাহৈদা "নেত" (ময়াই ওইবা য়ুগকী বাঙ্গলা ৱাহৈ "নেতা" সংস্কৃতকী ৱাহৈ "নেত্র" হায়বদি ফজবা লশিংগী পোৎ) হায়বসি ফিশুবী লাইরেম্বীনি। মানা লাইরেম্বীশিংগী শেৎন-ইন্নবা ফী শুবগী থবক তৌই। নিত্য (নেতা) মশামক্তা চণ্ডীদাসকী (মিং অসিগী অর্থদি চণ্ডীগী মনাই) নুংশিনবী মরুম্বী ওইখি হায়বসি ওইরম্বা য়াই।

চণ্ডীদাসকী ৱারী পরীং লীনরকপদা মমৈদা কবি অসিগী ইমুং মনুংদা মনাও নুপা অমসু য়াওররে। সহজিয়া লম্বীদা মাগী মমিং নোকুল অদুগা চাটনাগী ৱারী মতুং ইন্না দেবীদাস কৌই। অহানবগী মিং নোকুল হায়বসিনা কবিগী শাগৈজাৎকী ইকাই খুম্নবদু খর হস্থহল্লি, অদুগা অনিশুবা মিং অসিদি থাঙ্গৈশেংনা চণ্ডীদাসকী মতৌ তমদুনা থোনবনি।

তরানিপানশুবা চহিচাগী লোইরমদাইদা লেংখিবা খ্বাইদগী হেন্না চাওবা অমসুং ফজবা কীর্ত্তনগী ঈশৈময়াম খোমজিনবা লাইরিক "পদ কল্পতরু"দা ঈশৈ খর য়াওরি — মদুদা চণ্ডীদাস অমসুং বিদ্যাপতী গঙ্গা মপান্দা খোংনাংখোঙ অমদা উনখি হায়না খঙ্হল্লি। পণ্ডিতশিংনদি থৌদোক অসিগী অচুম্বা অসি খর চিংনরপ তৌই। অদুম ওইনমক "চণ্ডীদাস" অমনা "বিদ্যাপতী" অমা উনরম্বা য়াই হায়বসিদি মখোয়না য়াদবা ঙমদে মরমদি মিংশিং অসি বাঙ্গলা লৈবাক অমসুং মিথিলাদা কবি কয়ামরুম্না কৌনবা মিংনি। থৌদোক অসিগী হেন্না শন্দোকপা ৱা তুংদা ফংবা খুৎই লাইরিকশিংদা থেংনৈ।

# নুঙাই-নুঙাইবা ৱারী খর

চণ্ডীদাসকী মিংগা মরী লৈননা লৈবা ৱারী কয়ামুক্কী মনুংদা মরিখক্তি থোইদোক্লা পুক্লীং হুনা ফজে। মখোয়দু শল্লপ্পা মখাদালীরি।

অহানবা: ৱারীসি মুকুন্দদাসনা "সিদ্ধান্ত চন্দ্রোদয়দা" লীবনি। কবি অসিনা মতৌকরম্না মাগী ঈশৈশিং অসি লেংননবা পূক্লীং ঈথিল ফংবগে হায়বদু মসিনা তাকই।

চণ্ডীদাস য়াম্না ফবা ছাত্রনি, অফবা ব্রাহ্মন ইমুংদা পোকপনি। মহাক্লা মাগী ইমুং মনুংগী ফিশু ফিজাম তৌবী, শুদ্ধাৎনিঙাই ওইরবী মশক মতৌ ফজবী তারা কৌবী লৈশাবী অমগা নুংশিনরাম্মী। নুংশিনবা মশেন য়াম্না চেকশিন্না লোন্না লোন্না উনরম্মী অমসুং মখোই অনিগী নকশিন্না চান্নবদু কনাসু খঙ্লমদে! মল্লবা নোং তাথ্রবা অহিং অমদা চণ্ডীদাসনা হায়নখিবা মফম তান্না তারাবু উনবা লাক্লম্মী। মহাক্লা মফমদুদা অসুম ঙাইরম্মী। অহিং নোংয়াই য়ৌরক্লে অদুবু লৈশাবী অদুদি লাক্রে। মহাক্তী মমান্নবী অমগা য়াম্না চীকথনা ৱারী শারম্মী অদুনা থানখিবা মতমগী ৱা নীংশিংলুদ্রে। চণ্ডীদাসনা অমুক কুইথনা ঙাইবা ঙম্লক্ত্রদুনা তারাগী লৈফম তান্না হেক্তা লাক্লম্মী অদুগ ইংখোল অদুগী কোচিন অমদা লেপ্তুনা মহাক হেক থোরকপা য়াই হায়না লাঙ্তক্লনা ঙাইরম্মী। নোংসু ওরোরো হৈথরক্লে অদুদা মথোঙ্মরম খঙ্দনা খর লেঙখোৎলম্মী অমসুংমদুগী শউম্না তারাবু খংহল্লম্মী। মহাক্লা মাগী মরুপ অদুবু মপান্দা থোক্তুনা য়েংহল্লম্মী অদুবু মম্‌মনখিবনা করিসু উরমদে। তারানা মতমদুদা মখুত্তা থাওমৈ অমা পায়রদুনা মশামক মপান্দা থোরক্লে অমসুং পূমচোৎ চোৎলবা নিংথম্বনা থক থক নীক্লবা চণ্ডীদাসপু উরে। হায়নখিবা ৱা ঙাক্তবগীদমক তারা মথৱাই য়াম্না নুঙাইত্রে, অদুম ওইনমক খুদোংথিবা কয়া মাইয়োক্লদুনা মাগী ময়ুমদা অসিগুম্বা নোংনুংশিৎলক্তা লাকপগীদমক মহাকপু চৈরম্মী। অসুম্না চৈবিরবা চণ্ডীদাস ময়ুমদা হল্লক্লে অদুগা মখাগী ঈশৈসি লেংখি! মদুগা অহানবা পরেংশিংদো মখাদা ইরিবা অসিনি :—

"এ ঘোর রজনী মেঘ ঘাটা বন্ধু
কেমনে আইলা বাটে
অঙ্গীনার কোনে বন্ধুয়া টিটিছে
দেখিয়া পরান ফাটে।"

("অসিগুম্বা অমম্বা অহিংদা নোংনা অতিয়া কুপথ্রবদা
নুংশিবা অদুনা য়ুমদগী অশুক থাপ্পা করম্না লাকখিবা
শুমাংগী মচি অমদা ঐগী নুংশিবনা প্রকৃতিগী দণ্ডি খাঙ্লি
মদু উরুবদা ঐগী থম্মোই কায়রে।")

(অনিশুবা) অথেংবদা ফোঙ্বা সহজিয়া লাইনীং লম্বীগী লাইরিক "সহজ উপাসনা তত্ত্ব" (সহজ লাইনীংগী মরু ওইবশিং) হায়বসিদা মখাদা পীরিবা ৱারীশি ইরি—

চণ্ডীদাস রাজকবি ওইরম্মী অমসুং মাগী মনাও (নত্রগা মনেগীমচামসেন) নোকুলনা লৈবাক অদুগী নিংথৌগী অঙম্বনি। চণ্ডীদাসনা অতোনবা জাৎকী লৈশাবী রামীবু কা হেন্না পাম্বসি মাগী মবুঙো অমসুং অতৈ প্রজাশিংবু উহন্দনা লোত্তুনা থম্বা ঙল্লমদে। মরম অদুনা মবুঙোনা মাবু ইস্থোরুম্মী। অতৈ প্রজাশিংনসু মাবু জাৎ তাহল্লম্মী। অদুগা ধোবী লৈশাবী রামী অসি বাসুলীগী মীহুৎ অমনা থৌজানবীরে হায়বসিদি কনানসু খঙ্লমদে। কবি অসিগী ফনবা খল্লিবা অভিভাবকশিং অমসুং মাগী মরুপ মপাংশিংনা খল্লম্মী মদুদি চণ্ডীদাসনা থুনমক রামীবু পাল্লকওই অমসুং থীন্দনা মখোইগীলক্তা অমুক হল্লক্কনি। তৌইগুম্বসুং মদুদি ওইরমদে। রাজসভাদা চণ্ডীদাস য়াওদবগী অৱাৎপা অসে শ্বাই পূম্নমক্তা শাথিনা ফাওরম্মী অদুনা নিংথৌনা মাবু থেমদুনা অমুক হল্লকহন্নবা থবক পায়খৎলম্মী। মদুগী ৱা ঙাঙ্নরুনবা নোকুলবু থারম্মী। মতমদুদা চণ্ডীদাসতি বাসুলী লাইশঙগী অৱাং নোংপোক্তা ইথাপ-থাপ্তুনা খাংপোক অমদা লৈরম্মী। অদুগা রামীনা মফমদুদগী মখারোমদা ফার্লং মরিরোম লাপ্পা লৈবা ময়ুমদা লৈরম্মী। নোকুলনা চণ্ডীদাস উনবালাকপা মতমদা কবি অসি রামীগা লোয়ননা লৈমিন্নরম্মী। মী অমা মাবু উনবা লাকপা উবদা রামী বিদায় লৌদুনা চৎখ্রে, নোকুলনা চুমদ্রীং চুম্না চঙ্শিল্লম্মী অদুগা চণ্ডীদাসতা রামীবু পূমথা থাদোক্লো অদুগা য়ুম অমসুং সমাজদা হল্লকলো হায়রম্মী। চণ্ডীদাসনা মঙোন্দা হায়রম্মী—মদুদি—মঙোন্দদি রামী অসি থৱাইদগী হেল্লী অমদি

মহাক অসি ধর্ম্মগী তত্ত্ব মুন্না খঙবী নুপীনি। চণ্ডীদাসনা লৌথুপ লৌকোই লৈতনা শেংনা হায়রবদুদা নোকুলসু থাজরে অদুনা মঙোন্দসু অৱাংবা ধর্ম্মগী তত্ত্ব অদু তাকপীয়ু হায়না চণ্ডীদাসতা হায়রম্মী। চণ্ডীদাসনা মাবু মতেং পাংবা ঙম্লমদে অদুম ওইনমক মাবু রামীগী মনাক তান্না চৎলু হায়রম্মী। মানা রামীগী য়ুম য়ৌরকপা কান্দা চণ্ডীদাস মশামক হান্ননা মফমদুদা লৈরমলে-মদু উবদা মহাক পূমঙক ঙকখি। নোকুলনা চঙ্‌শিন খিদুনা রামীবু মাগী ধর্ম্মগী গুরুনি হায়না য়াদুনা মাগী খুয়া উফুল লৌননবা নোঙ্গরম্মী চণ্ডীদাস অমসুং রামীনা মাবু ধর্ম্মগী পাউতাক তাননবা অহিং নোংয়াইদা লাকউ হায়রম্মী। নোকুলনা হল্লক্লগা ৱারম পূম্বা নিংথৌদা তল্লম্মী।

মাবু ইন্দোকপগী য়াথং অদু লৌথোকখ্রে অদুনা চণ্ডীদাস হৌজিক রাজসভাদা অমসুং সমাজদা অমুক হল্লকলে। নোকুলনা য়ানখিবা মতুংইন্না লাইমীং লৌদুনা চণ্ডীদাস অমসুং রামীদগী ধর্ম্মগী পাওতাক ফংখি।

অহুমশুবা : চণ্ডীদাস মশানা ইজবা অদু শকপা শোনবা অমসুং লীলা ওইনা শান্নবা কাঙ্‌বু অমগী লুচিংবা ওইরম্মী। মহাক কাঙ্‌বু অদুগী অমত্তা ঙাইবা ঈশৈ শকপা ওইবতা নত্তনা মদুগীসু লুচিংবনি। গৌরগী সুলতান্না মাগী সভাদা উৎননবা মাবু বার্ত্তন তৌরম্মী। সুলতানগী বেগম (মকোক ওইবী রানী) ৱাচেৎকী ফিজঙ্‌ মরুমদা ফল্লীবী অদু চণ্ডীদাসকী ফজবা মশক মতৌ অমসুং মানা শক্তোক শাদোরকপা অদুদা পূংশুম শুক্কৎলম্মী। মহাক অসুক্কী মতিক শুক্কৎখ্রে অদুদি মানা ঈশৈ লীলা তৌরিবা কবি অদুবু পামজবদো লোত্তুনা মৱা মপুরোইববু খঙ্‌হন্দনা থম্বা ঙমখিদ্রে। সুলতান্দুনা মাগী নুপীবু অসুক্কী মতীক নুংশিরম্মী অদুনা মানা মিকুপ খরদং ৱাখল চোইরুবদুবুদি ঙাকপীখি অদুবু মহাক্না চণ্ডীদাস পুদি দণ্ডি পীদনা তোকখিদে। দণ্ডি অদুসু অয়োবীনি, চণ্ডীদাস য়াম্না তমথিবা মওংদা শিবা তাই। মাবু শামুগী মনঙ্গন্দগী ইস্থরগা নেৎখায়দুনা হাৎহনখি। মাবু শামুগী মনঙ্গন্দগী ইস্থরকপা মতমদা মানা রামীদা য়েংদুনা মখাগী পরেংসি থিখি :

> "শুন প্রিয়া রজকীনি আজকে হারাইলাম প্রাণী
> এবার তরাবে তুমি মোরে।"
>
> (তাও হে নুংশিরবী রজকীনী লৈশাবী, রানীনা পাম্বীকীদমক ঐদি থৱাই থাবাতাই, হৌজিক নঙ্‌না ঐবু কনবা তাই।)

Indian ... 117831 ... 21/12/05

রামীনা শৈরেংসি লোইশিন্দুনা থুম্লকপা মতমদদি মাদি হান্ননা শিরমলে।

"বেগম সহিত নেহ হা নাথ খুয়ালে দেহ
প্রাণ মৈলা এ রাজা গোনারে।"
(রানীবু নুংশিরুবদগী হে নুংশিথোইবা! নঙ্গী থৱাই
মাঙ্‌লেদো থম্মোই য়াওদবা নিংথৌসিনা নঙবু হাৎলেদো।)

ৱারী অসিগী অনিশুবা মওংদা অসিদগীখিত্তং খেন্নবা পরীং অমা ফংই। চণ্ডীদাস মথক কুপ্পা অচৌবা হোল অমদা ঈশৈ শক্লম্মী অমসুং থীন্দনা য়ুমদু তেকথরক্লম্মী। য়ুমদুনা নন্দুনা কবি ঈশৈ শকপসে খুদক অদুমক্তদা শিখি অমসুং য়ুমগী মবেম্মা য়ুম্বুরেম্বীদো ঙাওদুনা থেম্বা য়াদনা কপখি।

মরিশুবা ৱারীশিনা অৱাং বাঙ্গলাদা লৈরম্বা জগন্নাথ দাসনা খোমজিনবা লাইওইরবা নুপা নুপী কয়াগী পুনসি ৱারী অমসুং থৌদোক কয়া য়াওবা শৈখোমলাইরিক "ভক্তচরিতামৃত" দগীনি, ৱারীদি ফুংগা ৱারীগুম্না লী:—

নোংপোকলোকদা নানুর হায়বা খুল অমা লৈরম্মী। মদুদা শাগে জাৎ ফরবা ব্রাহ্মনগী ইমুং অমা লৈরম্মী। ইমুং অদুদা পোকপনি চণ্ডীদাস হায়রিবা মশক মতৌ ফজবা লাইরিক লাইশুদদি থৱাই কয়া য়াওদবা পাখঙ্‌সে। মপা অদুনা হেক ঙম্বমখৈ হোৎনজৈ অদুবু মচানুপা অদুবু ৱারকপদি ঙল্লমদে। নীংবা কায়রদুনা য়াম্না শাওরম্মী অমসুং মাগী নুপীদা মচানুপাদু চাক পীজরুনু উৎপীজৌ হায়রম্মী। মমা অদুনা মদুমক তৌবদি ঙল্লমদে অদুবু অফবী য়ুম্বানবী নুপী অমা ওইনা মপুরোইবনা নীংবদুসু তৌদবা ঙল্লমদে। মানা মচানুপাবু হান্নগী মতৌগুম অদুম চাক পীজরম্মী, তৌবতদি পুখমগী মচি অমদা উৎ খজিক্তং হাপলম্মী। চন্ডীদাসনা মদু উরে অমসুং মমাদা করি মরমগীনো হংলম্মী। মমানা মপানা পীবা য়াথং পূম্বদু মাঙোন্দা তম্লম্মী। চণ্ডীদাস মথৱাই শোক্লে অমসুং খুদক অদুমক্তদা ময়ুম থাদোক্তুনা চৎখ্রে। খুঙ্গংগী মপান্দা বাসুলীগী শেংলবা লমপাক লৈরম্মী। মহাক্না মফমদুদা লাক্লগা য়াম্না মথৱাই ৱানা ফম্লম্মী। মহাক্না মথন্তা সিজরগে হায়না খল্লম্মী। মতম অদুদা বাসুলীনা সংসংনা মী ওইনা মমাঙ্‌দা লাক্লুনা মথন্তা শিজগনু হায়রম্মী। চণ্ডীদাসনা খুমখি—ঐগী ইপা ইমানা ঐবু য়ুমদগী তাম্থোকপীরে অদুনা ঐহাক হিংদুনা লৈতবনা হেন্না ফরবনি। বাসুলীনা মাবু মপুক্লীং থৌগৎ পিরম্মী আশির্ব্বাদ তৌবিরম্মী অমসুং মহাকপু অফাওবা কবি অমসুং পণ্ডিত ওইহনগনি হায়না ৱাশক্লম্মী। বাসুলীনা

হায়বগী মতুংইন্না চণ্ডীদাস ময়ুমলোমদা হনখি।

মানা খুন্দা হেক চঙ্লকপমক্তদা খাংপোকসঙ্ অমগী থোঙ্ ময়াদা ফজথ্রবী লৈশাবী অমা লেপ্তুনা লৈরম্বা উখি। মহাক অদু তারানি, রজক (ধোবী)কী ইমুংদা পোকপীনি। মাগী শুম্মৎনা ফজবনা চণ্ডীদাসপু ঙাওহল্লম্মী অমসুং থৱাই হকচাংয়াওনা মাবু পাল্লম্মী। কৃষ্ণনা ইহান হেকহান্না রাধাবু উরুবমক্তদা খনখিবা ব্রাখলদুমক মঙোন্দা ফাওরে হায়না নীংখি। ময়ুম হেক য়ৌবগা চণ্ডীদাসনা মখাদা ইরিবা ঈশৈসি ইখি — মসিনা মাগী ইহান হানবা পুক্নীং ঈথিলনা ঈনশিল্লকপা কবিতানি:—

"আহঃ আহঃ ও, ও! কয়াদা মিৎফম হোংবা য়াদনা মিৎথুপ্পা?
ফজবা শক্তা মপা লৈত্রবী ঐগী থম্মোই পৃম্বা হুথ্রবী
নুরাসিবু কনানো?
ঐ ইশানা ইশাবু ফাথজবা ঙমজদ্রে
ঐগী থম্মোই সৃম্মৎলে
চৈনাখোল ফাওরে।
ঐগী পি শিম্থজরগে শিদ্রিফাও
খাঙ্বা হায়বসে শুকওই ওইথোক্রে।
পুক্নীংসু পৃমপঙ্ পঙ্শিল্লে অকাও পরৈ চনখরে
থম্মোইসু পৃমঙাও ঙাওরে।
ওম্থোকপনি অতোপ্পা অমা তৌণিঙাই ঐগী থম্মোইদা লৈতরে।
খল্লুবা লৈতনা ঈখঙ্ খঙ্হৌদনা ঐনা উরুরিবসিবু করিনো কনানো
ঐনা ফজবী অমা উখি
ঐগী মিৎ ঐগী ব্রাখল মঙোন্দা নপশিন্দুনা লৈখি।
চণ্ডীদাসনা হায়জৈ:—
বাসুলীগী য়াথং ঐনা ইল্লুবনা
ওম্থোকপনি জ্ঞান মাঙ্লেদো ঐদি।"

বাসুলীগী থৌজান্না নুংশিনবা অনিদো লৌন-লৈনখি অমসুং থুনমক চণ্ডীদাসপু অফাওবা কবি অমনি হায়না হায়নাখি।

## অচাইবা ঈশৈ খৱ অমসুং মদুদা য়াওবা সমস্যা

তরাতরুকশুবা চহিচাদা ইরম্বা লাইরিক অমত্তদা চণ্ডীদাসকী মমিং য়াওবা ঈশৈ অমা ফাওবা পল্লমদে। অমসুং অসিগুম্বা শৈরেং অমা ফাওবা অঙনবা মতমগী কীর্ত্তন ঈশৈগী শৈরেং শৈখোম লাইরিক অমত্তদা য়াওদে। তরাতরেৎশুবা চহিচাগীনি হায়না ঐখোয়না চিংনবা লৈতনা হায়বা ঙল্লবা করিগুম্বা খুৎই লাইরিক অমত্তদসু চণ্ডীদাসকী ঈশৈনি হায়বা অমাফাও ঐখোয়না থেংনদে। অসিগুম্বা অঙকপা থৌদোক অসিগী পাওখুম ওইনা অসুম হায়না লৌনৈ—মদুদি—বৈষ্ণবশিংগী মরক্তা মতমদুদা চণ্ডীদাসকীনি হায়না খঙ্নরম্বা ঈশৈদু কীর্ত্তনগী ঈশৈ লেংবা অফবা অইবশিংনা মতৌ তমদুনা ইথোক্লম্বা য়াই অমসুং অসুম্না শেমদোক্লকপা অসিদা অইবগী মমিংসু চণ্ডীদাসকী মহুৎ শিন্দুনা অমনা হাপতোকখিবনি। অসুম হায়না মহুৎ শিঞ্জিনবসি কীর্ত্তনগী ঈশৈ সকপশিংনা য়াম্বা মতমদা তৌই। মসি ঈশৈ খর নত্রগা অয়াম্বা ঈশৈ ফাওবদসু চুম্বা য়াই। অদুবু ঈশৈ পূম্নমক্কীদি খক ওইরোই। মসিদগী হেন্না ফবা মরম অমা ঐখোয়না লৌবা য়াবদি বিদ্যাপতীগুম্না চণ্ডীদাস অমসুং অতৈ অতোপ্পা অঙনবা মতমগী মমারোনদা ঈশৈ লেংবশিংনা ঈশৈ খরদদি মশা মশাগী মমিং হাপ্পদে থোইদোক্লা পরেং অনি নত্রগা মরিগী অতেনবা জাৎতদি শুকহাপ হাপ্পদে। চৈতন্য ধর্ম্মগী অহানবা চহিচা অনিগী মতুংদা লেংবা কীর্ত্তনগী শৈখোম য়াওনা বৈষ্ণবকী লাইরিকশিংদা পরেং অনি নত্রগা মরিগী অতেনবা ঈশৈ "ধ্রুবগীত" নত্রগা "ধুয়া" হায়না খঙনবা কয়ামরুম চৎনরম্মী। চৈতন্যনা সন্যাস লৌখ্রবা মতুংদা লাকপদা অদ্বৈতনা ময়ুমদা মাবু ওকপদা চৈতন্যগা লাইরিক তম্মিন্নখিবা মরুপ মুকুন্দনা শকখিবা মখাগী পরেং মরিগী ঈশৈ অসি চণ্ডীদাসকী কলমদগীনি হায়বদা করিসু অকায়বা লৈতেঃ—

"হা হা প্রানপ্রিয় সখি কি না হৈল মোরে।<br>
কানু প্রেম বিষে মোর তনু মন জরে॥<br>
রাত্রি দিনে পরে মন শোয়া যা না পাঁউ।<br>
য়াহাম গেলে কানু পাঁউ তাহা উড়ি যাঁও॥<br>
(ওস্থোকপনি! চান্নথোইরবী ইতা ঐঙোন্দা ওইরিবসিবু করিনো?<br>
কৃষ্ণ প্রেমগী হুনা ঐগী থৱাই হকচাং কূপখরে।<br>
অহিং নুংথিল অনিদা পোথাফম খঙদরে থম্মোইসে।<br>
কানু উন্নদৌ মফমদা পাইজরগে চেক্লাগুম্।)

চণ্ডীদাসতা ঙাওজবা কনাগুম্বা অমনা ঈশৈ অসিগী লোইশিল্লকপদা অশেংবা নত্তবা মখোঙ তেকপা পরেংখর য়াওই হায়রুবগী থোইনা দরকার ওইদে।

বৈষ্ণব সাহিত্যগী মনুংদদি চপচানা চন্দবা তরানিপালশুবা চহিচাগী ৱারী শৈরেং খর ঈশৈ ওইনা শক্লরম্বা নত্রগা শক্লনবগী ইরম্বা অদুদা পরেং অনি অনিগী "ধুয়া" খরয়াওই— মদুনা ঐখোয়দা অরিবা চণ্ডীদাস অমসুং শ্রীকৃষ্ণ কীর্ত্তনবু হেকহেক নীংশিংহাল্লি। মখাদা ইরিবা "ধুয়া" ঈশৈ মচাশিংসে হৌজিক্কী হুগলী জিলাদা লৈরম্বা "কবিচন্দ্র" রামকৃষ্ণনা তরাতরেৎশুবা চাহিচা লোইরকপদা "শিব"গী মরমদা ইরম্বা শৈরেংগী খুৎই লাইরিক অমা তরানিপান শুবা চাহিচাগী অঙনবা মতমদা ফংখিবা অদুদগী লৌথোরকপনিঃ-

"তোমা দেখিলে পরান যেন পায়
দেখা দিতে কত ধন চায়।"
(নঙবু উজরবদি পেঞ্জগনি থরাইসিনা
উৎপিবদা মায়থোংদো মমল কয়া পাম্বি'গে।।)
"বড়ায় গো আর না আসিব এনা পথে
মজিলা মহত্ত্ব মোর রাখালের হাতে।।"
(হে বড়ায়! লাক্লনুসি লম্বীসিদা অমুক হন্না
ষঞ্জেন-নহাসিনা মাঙহল্লে ঐগী মিংচৎপূম্বা।।)
"বুড়ী বলে নাটিয়া না রে হের।
হাতে নিধি পাইয়া কেন ছাড়।
(হনুবীদুনা হায় — য়েংউ ইশু ইবুঙো
নখুত্তা ফংলবা লনবু করম্না লেম্না থাখোক্কনি।)
"তুমি আর পার রাধা রাখ
দণ্ডাইয়া বিকালি আর কত দেখ।"
(মহাক্লা রাধাবু থল্লগা অতোপ্পা তোর্ব্বান্দা
কয়া কুইনা য়েংখিগনি মাগী অৱাবা।)

# সহজিয়া ঈশৈশিং কনানা ইরম্বগে ?

চণ্ডীদাসপু কৃষ্ণগী প্রেম লীলাগী ঈশৈ নত্রগা শৈরেং ইবা অফাওবা অমনি হায়না সনাতন, জিব অমসুং কৃষ্ণদাসনা হায়রম্মী। মখোয়পূম্বা তরাতরুকশুবা চহিচাদা লৈরম্বা ঙাক্তনি। বৃন্দাবনদা খুন্দাদুনা লাইরিক লাইশু ইদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়পূম্বা অৱাংরাঢ় (উত্তর রাঢ়) অমসুং খা-বরেন্দ্রিদা লৈরম্বা ঙাক্তনি। অদুদগী চহিচা অনিরোম হৌখ্রবা তুংদা চণ্ডীদাসপু সাহিত্যদা ইকাইখুম্নরবা তান্ত্রিক বৈষ্ণব ধৰ্ম্ম চৎপা অমসুং লাইনীং লম্বীগা মরী লৈনবা ধৰ্ম্মগী মরুওইবা লম্বী তাকপা মিস্তিক[1] ঈশৈ লেংবা অমনি হায়না শক তাকই। তুংগী মীরোন্নসু মাবু অসুম্না নীংশিংনখি। চণ্ডীদাসকী ঈশৈশিং অমসুং ঈশৈশিংদগী পরেং অনি অনি সহজিয়া[2] লাইনীং লম্বী চৎপা অইবাশিংনা শিক্তিন্নখিবদু লৌথুপ লৌকোই লৈতনা মতম পূম্বদা ইসোটেরিক ওইবা নত্রগা সিম্বোলিক ওইবা নত্রগা অদুম্না অর্থ হনবা য়াবা ঙাক্তনি। ঐখোয়নশু উখ্রে কবিগী পুনসিগী ৱারী কয়া অসিগুম্বা ঈশৈ খরগা মরী লৈননা শাগৎখি। হৌজিক হংলিবা ৱাহংদি :— চৈতন্য অমসুং মহাপ্রভু মতমগী মীশিংনা থাগৎলবা কবি চণ্ডীদাস অসিসু মিস্তিক অমসুং সিম্বোলিক[3] ঈশৈশিং লেংখিবরা ? চণ্ডীদাসকী মরমদা খঙ্হৈরবশিংনদি ইখিদে হায়। অঙনবা মতমদগী লৈরক্লে হায়না লৌনরিবা অসিগুম্বা ঈশৈশিং অসি সাহিত্যগী শীংথাবা য়াবা মগুন য়াওদে অদুনা মাগী অতোপ্পা শৈরেং কয়ামুক উরুরগা অফবা কবি অমনি হায়না খ্বাইনা খঙ্নরবা চণ্ডীদাসনা ইরমগনি হায়না লৌবা অসি লুনা থোকই। অসুম্না য়েৎলকপা অসি ইরায় লায়না নমথবদি ঙমলোই অদুমকপু অমুকহন্না খন্নবগী মফমদি লৈরি হায়বায়াই। "সহজ" (ইসোটেরিক হায়বসিগী অর্থ অপাবা খ্বাই ময়ামদা শেংনা খঙ্হনবা ঙমদবনিনা মসিগী মহুত্তা "সহজ" হায়বসিনা ঐদি হেন্না পামজৈ।) উপাসনা

---

১. মিস্তিক (Mystic) = লোম্না থম্বা, অরোনবা অর্থপুবা

২. সহজিয়া ———————— = সহজ সাধন তৌবা বৈষ্ণব

৩. সিম্বোলিক (Symbolic) = মাম্নবা মওংমতৌ যুনম্না খঙ্হনবা

(খুরুমখাজংবগী শাজেন) তৌবা অমসুং পরকীয়া (অচম্বা অর্থদা অতোপ্পগীনুপী) সাধনা অসি চৈতন্য, স্বরুপ দামোদর, রঘুনাথ দাস অমসুং কৃষ্ণদাস কবিরাজগী তুংদদি লৈখিদ্রে হায়না খাইনা লৌনৈ। অদুম ওইনমক মসি নিপানশুবা চহিচা অমসুং মদুগী মমাঙ্দা বাঙ্গলা অমসুং নোংপোক ভারতকী মফম অতৈদা পাকশন্না চৎনরম্বা তান্ত্রিক মহায়ান বৌদ্ধ ধর্ম্মদা ভক্তি সাধনা হাপচিল্লকপদগী ওইখিবনি। মহায়ান তন্ত্রদা মশাগী ওইনসু ভক্তিগী শরুক খর য়াওরম্মী। মহায়ান ভক্তিগী শরুক অসি কৃষ্ণ লাইনীং লম্বীদা তিনশিনখ্রে অমসুং মদুগী মতুং ইন্না মহায়ান তন্ত্র অসি মিস্তিক বৈষ্ণব তন্ত্র ওইনা চাওখৎলকলে। অসুম্না অমগা অমগা কায়নরকপা (স্কিজম) অসি অসুম অসুম ওইরকই। হিন্দু তন্ত্রদি মহায়ান ভক্তি অসি তন্ত্রগী শরুক খর য়াওনা কৃষ্ণ লাইনীং লম্বীদা তিনশিনদ্রিঙৈ মমাঙদগী হৌনা লৈরে। মসি চৈতন্যনা হিংলিঙৈ মতমদা ওইখ্রে, অমসুং মহাক্না ঈশ্বরবু অখাকপা লৈতনা কা হেন্না নুংশিবা অদুনা অনৌবা বৈষ্ণব তন্ত্রদগী, অমোৎপা ফত্তবা পূম্বা লৌথোকখিবনি। চৈতন্যগী চান্নবা মরুপ ঈশৈদা পীথোরক্লবা মিস্তিক অমসুং মবুঙোদা মানা পামবা চণ্ডীদাসনচিংবগী ঈশৈ কয়া শকখিবা স্বরূপ দামোদর স্বরুপকী অমত্তা ঙায়জরবা শিষ্য রঘুনাথ দাস অমসুং রঘুনাথপু পামজনা থাগচ্চবা কৃষ্ণদাস কবিরাজ অহুম অসিনা রাগানুগা (অমকপা লৈতনা নুংশিবা) হায়বদি মরুম্বী অমনা মাগী মরুম্বা অদুগা হকচিন্না নুংশিনবগী মওংগুম্না ঈশ্বরবু নীংবনা ঈশ্বর ফংননবা উপায়নি হায়বা অনৌবা লাইনীং লম্বী (পদ্ধতি-মার্গ) অসি হৌদোকখি। রাধানা কৃষ্ণবু নুংশিবদি মপান নাইদনা য়াম্না হকচিন্না নুংশিজবনি অমসুং মসিনা থৱাইনা পরমাত্মাবু (অলটিমেৎ এক্সপিরিয়েন্স) নিংজবা অদুগা চপ মান্নবনি হায়বদু খুদম ওইনা তাকলিবনি। রাধা কৃষ্ণগী লোয়নবী নত্তে অমসুং মখোয় অনি উনবসি সমাজনা য়াদবা য়াম্না হঙ্গোইনিঙাই ওইবা মওংনি। নুপী অমনা অতোপ্পগী নুপাবু নুংশিবা হায়বসি মহাক মসামক্কীদগী য়াম্না হেন্না হকচিনবা নুংশিবনি। অসিগুম্বা মনুংশি অসিবু "পরকীয়া" (হায়বদি অতোপ্পদা লৈবা) হায়না খঙ্নৈ। মসিগীৱাখল্লোন অসি চৈতন্যনা সুলতানগী মনাই ওইরিবা সনাতনদা থাখিবা সংস্কৃত শ্লোক অসিনা তশেং তশেংনা খঙ্হল্লি।

"পরব্যাসানিনী নারী ব্যাগ্রাপি গৃহ কর্ম্মসু।
তদ এব স্বাদয়তি অন্তর নবসঙ্গ রসায়নম্।।

"মশামক্কী মপুরোইবা নত্তবা অতোপ্পা নুপা অমবু নংশিরুরবা নুপী অমনা ইমুং মনুংগী

থবক ইষ্থং ঙাইহাক্তা পোথাবা নাইদনা নোম্লবসু মাগী নুংশিনবা মরুম্বী অদু উননি হায়বগী নুঙাইবা ব্রাখলদি মতম পূম্বা খন্দুনতা লৈ।

অর্থ অনি অনি লৈবা অমনা অচম্বা অর্থ খঙ্হনবা অদুগা অতোপ্পা অমদুনা অরোনবা অর্থ নত্রগা শক্তম খুদম কয়ানা অধ্যাত্মিক্কীব্রা (স্পিরিচুয়েল মেসেজ) পুরিবা ইশৈ কয়া বাঙ্গলা সাহিত্যদা য়াম্না অঙনবা মতমদগী খঙ্নরকখি। "চর্য্যা" ঈশৈগী ধোরোন অসি চণ্ডীদাস অমসুং অতে অতোপ্পশিংগী মিস্তিক ঈশৈশিংদা অমুক উবা ফংলক্লে। অসিগুম্বা ধোরোন মাঙ্খ্রে হায়না খল্লুনবগী মরম লৈতে; অমসুং "সহজিয়া" ঈশৈশিংদা মসি অমুক হন্না উরকপসি অনৌবা খুৎশেমনি নত্রগা চহিচা কয়া তূমদুনা লৈরুরগা অমুক হিংগৎলকপনি হায়না খনবগীসু মরম লৈতে। অওইবমক অসিগুম্বা অরোনবা অর্থ খঙ্হনবা মিষ্টিক ঈশৈ নত্রগা পাওখোং ঈশৈ মহৌশানা পরেং অনি অনিনা শাবাজাৎনি তরাতরুকশুবা চহিচাগী অঙনবা মতমদা ফাওবা য়াম্না চৎনরম্মী। অসিগুম্বা মখলগী ঈশৈ লেংবদা অদ্বৈত আচার্য্য অসি য়াম্না হৈশিংবা অমনি হায়না খাইনা য়ানরম্মী।

মিষ্টিক ঈশৈ অমা চণ্ডীদাস মশামক্কা লেংবনি হায়বসি অচুম্বা খঙ্গে হায়রবদি অহানবমক্তদা মরু ওইনা ঈশৈ মশাদুদা য়াওরিবদু য়েংবা তাবনি — হায়বদি ঈশৈ অদুদা য়াওরিবা পোশেক, লোন, ব্যাকরণ অমসুং শৈহেক শৈদা খোম্থোক অদু মরু ওইনা চাংয়েং তৌগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কবি অসিগী সহি য়াওবা ঈশৈ খরদা মিষ্টিক ঈশৈ খরদা "আশক" অর্থদি "নুংশিবা" হায়বা ব্রাহৈসি য়াওই। মসিদি আরবী ব্রাহৈনি অমসুং সাধারণ সাহিত্যদা তরানিপাল শুবা চহিচাগী ময়ায় য়ৌদ্রিবা ফাওবা পঙ্না শিজিন্নদবা ব্রাহৈনি। শম্না হায়রবদা অসিগুম্বা ঈশৈ ঐখোয়না হৌজিক থেংনরিবসি তরাতরুকশুবা চহিচাগী মমাঙ্গীদি হায়রুনু চহিচা অসিগী মনুংদা লৈবা কবি অমত্তগী কলমদগী শুকথোক থোকলোই। মশা মসাগী মিংদা নত্রগা সাজিন্নবা মিংদা "সহজিয়া" ঈশৈ লেংবা অমদগী হেন্না লৈরম্বা মরম্না মখোয়না চণ্ডীদাসকী মিং শাজিনদুনা লৌরগা ইবনি হায়না লৌবা তাবনি। য়ামদ্রবদা সিগুম্বা চণ্ডীদাস অনিখক্তি ঐখোয়না মশক তশেং তশেংনা খঙ্লে। অমদি নোরোত্তম দাসকী শিষ্যনি অমসুং মহাক তরাতরুকশুবা চহিচাগী অকোনবা তংখাইদা লৈরম্বনি, অদুগা অতোপ্পা অদুগীদি অতোপ্পা মিং অমা নত্রগা কলমগী মিং "তরুণীমান কৌই—মহাক্কা তরানিপানশুবা চহিচাগী অথেঙ্বা তংখাইদা লৈরম্মী। "সহজিয়া" লাইনীং লম্বীগী অইবা পূম্নমক্কা

"সহজ" "নত্রগা" "পরকীয়া" উপাসনা তৌবশিংগী মরক্তা নোরোত্তম দাস মকোক ওইবা লুচিংবা অমনি হায়রম্মী।

লাইনীংলম্বী অসিগী অহানবা গুরুশিং জয়দেবদগী হৌরগা বৃন্দাবনগী গোস্বামী গুরুশিংয়াওনা তাকপী তিকপীব্ম ঙম্বাগুরুনি হায়না লৈতেং ওইনতা উৎলি, অদুগা মখোয়না "সহজ" নত্রগা "পরকীয়া" উপাসনা তৌই হায়বসি মখোয় খুদিংমক্তা মরুম্বী অমমম পীশিনবতনা তাকই। গুরুশিংসিগী মরক্তা কৃষ্ণদাস কবিরাজসু য়াত্তই তৌইগুম্বসুং মাগদি হকয়েংননা মরী লৈ। মহাক্কী "চৈতন্য চরিতামৃত" অসি ধর্ম্ম (লাইনীংলম্বী) অসিগী মরু ওইবা অমসুং খ্বাইদগী হেন্না শেংলবা ধর্ম্ম গ্রন্থনি হায়না লৌনৈ অমসুং মখোয়গী থাঙ্গশেংবা গুরুশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা নোরোত্তম দাস অসি কৃষ্ণদাসকী লাইরিক অসিনা অঙকপা ফংনা ঈথিল পীখি। নোরোত্তম য়ুম্বানবা মীনি সংসার থাদোক্তে অদুবু মহাক লুহোংখিদে অমসুং মপা মপুগী লম্থুমদা অপাম্বা মিহৌবা করিসু লৈখিদে। মহাক্না লাইনীংবগী পুনসি — লাইশোন শোন্দুনা অমদি ঈশৈ শক্তুনা লেনবা মরেন্দু লেনখি।

কীর্ত্তনগী শৈশক অসি মহাক্না মাগী মরুপ অমসুং তিন্নবা খরনা মতেং পাংদুনা হোৎনবদগী ওইরকখিবনি। ঈশৈনা বৈষ্ণব সাধনাগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইনা লৌখিবসি নোরোত্তম দাসনা ইহান হানবনি। নোরোত্তম "সহজিয়া" নত্তে, ঈশৈবু সাধনাগী মরুওইবা উপায় ওইনা শিজিন্নখিবা সহজিয়া খরনা হায়বা নত্তনা অদুম্না খল্লুনবগী প্রমাণ শুক্লে লৈতে। নোরোত্তম্না মিস্তিক ঈশৈ অমা ফাওবা ইরমদবা য়াই অদুবু খঙ্দি খঙ্লম্বা য়াই। নোরোত্তম কায়স্থনি অদুবু মঙোন্দা ভক্তি লৈরবা মাগী ব্রাহ্মন শিষ্য কয়ামরুমসু লৈরম্মী মখোইগীলক্তা চণ্ডীদাস হায়বা অমা য়াওরম্মী। মানা ঈশৈ কয়ামুক লেংলম্মী মদুগী মরক্তা অমদি মাগী গুরুবু খুরুম্বগী ঈশৈনি। ঐনা খনবদি "দ্বিজ" (ব্রাহ্মণ) চণ্ডীদাস অসি সহজিয়া ঈশৈলক্তা হেন্না লিরবা ঈশৈলেংবা অমসুং রাধা কৃষ্ণগী ব্বারী ঈশৈ কয়ামরুম লেংলম্বা নুপানি। নোরোত্তম্না রাধা কৃষ্ণ অমসুং চৈতন্য নিত্যাইনন্দগী মূর্ত্তি লিংখৎপা মতমদা ক্ষেত্রীদা অচৌবা উৎসব অমা তৌখি। মদুদা মকোক ওইবা বৈষ্ণব পূম্বা তিনখি। কীর্ত্তন ঈশৈগী হৌজিক ওইরিবা শৈশক অসি থৌদোক অদুদা মওং তাখি। মসিমসু হায়নৈ—মদুদা চণ্ডীদাসকী ঈশৈ কয়ামরুম শকখি অমসুং মদু খ্বাইনা য়াম্না থাগৎনখি। মতাং অসিদা চণ্ডীদাসকা লোয়ননা বিদ্যাপতীগী ব্বা থোইদোক্না পল্লমদবা অসিনা ঐনা খনবদি হৌজিক্কী চণ্ডীদাস অসি নোরোত্তমগী

শিষ্য ব্রাহ্মণ "দ্বিজ" চণ্ডীদাস অসিমক্নী।

ইকাইখুম্নবা খঙ্হনবা "দ্বিজ" হায়বা ৱাহৈসি চণ্ডীদাসকী ঈশৈ খরদা সহি ওইনা য়াওরম্বা অসি থোইদোক্না য়েংশিন্নিঙাইনি। মসি "বড়ু"গী ওন্নতৈনবনি। মাগী ঈশৈবু চৈতন্যনা খঙ্খিবা অরিবা চণ্ডীদাস অদু মাগী মমিংগী মমাঙ্দা "বড়ু" হাপ্লবসু হাপত্রবসু ব্রাহ্মণ ওইরমদবা য়াই। অদুগা অনিশুবা চণ্ডীদাস অসিদি ব্রাহ্মন্নী অমসুং মাগী ঈশৈশিং অসি মাগী মমাঙ্দা লৈখ্রবা চণ্ডীদাসকী ঈশৈদগী তোঙানবনি হায়বা খঙ্ননবা মাগীজাৎ "দ্বিজ" হায়বসি ঈশৈগী মাত্রানা য়াবা মফম পূম্বদা হাপ্লম্মী। ইকুই কুইদ্রিবা মতমগী মনুংদতনি চণ্ডীদাসকী ঈশৈ খর কয়া খঙ্নদবা "বড়ু" হায়বসিগী মহুত্তা হেন্না খঙ্নবা "দ্বিজ" হায়বসিনা শিঞ্জিনখিবা। (অদুগা মসিগী ওন্নতৈনবসু ওইবায়াই) "দ্বিজ" চণ্ডীদাসকী ঈশৈ অদুমখক ঐনা অর্থ হন্দোক্লগা মফমসিদা হাপলি :—

"ঐগী শখিসা, কনাননো ঐঙোন্দা শ্যামগী* মমিং পনখিবা
নাকোংনুংদা চঙ্খিদুনা মসিনা ঐগী থম্মোই থিনগাইরে।
ঐদি মালহৌনরে
অদুম অদুম ওইনমক মিংগী ফজ বসে থাবগী লোইনাইদে
ঐগী লৈয়েংসিনা হন্না হন্না শোল্লি তত্তনা।

ঐনা অশুম শোল্ল-শোল্লগা ইশানা ইশাবু কাওজরে
করম্না মাগা উনবা ফংগদগে সখি ?
মাগী মিং অসিনা অশুক মগুন লৈরবদা
মশামক্না থেংনরুরো
ঙকচৈ ঐদি করি ওইগবা ?
মাগা যুম্লোন্নবা লৈশাবীশিংনা মঙোন্দা য়েংলুরগা
করম্না খাঙ্লমগদগে ?
ঐনা ফন-হোৎনদুনসু ঐনা মাবু কাওঙমদে
ঐগী ৱাখলদৈ কাওনবা ঐদি করি তৌবা ঙমগনি ?
দ্বিজ চণ্ডীদাসনা হায়জৈ :—
নুপীশিংনা থাদোক্লুনা মৱা মপুরোইবা
নিঙাইবা লৈতনা চঙ্জৈ মঙোন্দা।

* কৃষ্ণগী অতোপ্পা মমিং — থাজৈশেংবমক্তি অর্থ মান্নবা ৱাহৈনি অনিমক কুচু মুবা হায়বনি।

(ii)

নঙ্সে শুম্বাৎয়াইনি নুংশিবা
পাঙ্গল শোনবী নুপীই থম্মোই হুবা
কনা লৈতে নঙ্গুম্বা।
ঐগী য়ুমশে য়ুম অমুক ওইদ্রে ঐঙোন্দা
ঐগী য়ুমদি থাপখরে য়ুমদগী
লম্লানবা অমনা হৌজিক ওইরে ঐগী মী
ঐ ইশামক্কী মীশিংনা ঐঙোন্দা ওইরে লম্লানবা।
ঐঙোন্দদি অহিংনা নুংখিলনি নুংথিলনা অহিংনি।
অদুবু নুংশিবা! ঐনা নঙ্বুতদি খঙ্বা মঙমদ্রে।
তমথীরবা বিধিনা পুবিরকলে ঐবু
ঈশিংদা তাওবা ঈশংগুম্
লৈতরে কনাসু খোমজিনবিনবা ঐবু
লৈতরে কনাসু হায়বীনবা থেমজিন ব্রাহৈ।।
হে নুংশিবা! নঙ্না ঐবু ওত্তুনতা লৈরবদি
হেন্না ফরে নঙ্না ইমাঙ্মক্তা লেপ্লবনা
ঐ হাৎচরগে ইশানা ইশাবু
বাসুলীনা তাকপীরবা চণ্ডীদাসনা হায়জৈ :—
অতোপ্পগী দমক্তা মশামক্কী মীনা
লম্লানবা ওইবা য়াবরা?

(iii)

উরম্মী ঐনা নুংশি পাৎ অমা
চোংথরম্মী মদুদা ঐনা ঈরুজনবা
ওক্লদুনা ঈরুবা কাখৎলক্লে ঐহাক
অদুগা য়েংখিবদা হন্না
ফংলম্মী অনাবগী চৈনা অমা।
উরম্মী পাৎ অদু ঈংনা

মিহৌর' ঈংল' লাইজ থন্না
অদুবু ইরোয়রি সার্ক ঙা কয়ানা
ঐগী থম্মোই মিহুন চোংলি কিবনা।
ইয়ুমগী মীশিং তোল্লবনি নুঙাইবা হৈত্রবা
মপাঙ্গল কনবনি মখোয়দি ঈশিংদা তাওবা পাম্বীগুম্
অদুগা য়ুমলোন্নবশিংনা ঙানি মহুপু'ব তুম্নবচীন পানবা।
ঐগী ইমুং মনুং তিংখং পাল্ল' হুম্বলৈনা থল্ল' পুথ্রিনি
ফও'ব্রা কয়া ঈশিংদা তাওবা অমোৎপগুম্
লংশিল্লি হায়জিল্লি ঐঙোন্দা তত্তনা
ফিজুমদা চুল্লগা থক্লুরবদি খরদংঐনা
হকচাং মনুং-মপান ফাওনা হাক্কচৈ অকিবা ফংনা।
ঐগী লাইবক্তি নুঙাইবৈই মহুত্তা অৱাবতা
চণ্ডীদাসনা পাওতাক পীজৈ :—
নুংশিরবী নুপীমচা ঐনা হায়বসি তাও
অৱা-নুঙাই মচীন মনাও ফাইবোক্লী
নুঙাইবৈইদমক নুংশিবা থিরবা
মহাক শোয়দনা ফংনি অৱাবা।

মখাদা ইরিবা ঈশৈসিদা রাধা কৃষ্ণবু পন্দে। মসি কবি মশামক্না হাকথেংননা খঙ্খিবনি হায়না " চন্দ্র সিদ্ধান্ত চন্দ্রোদয়" ইবনা হায়বগুম্না লৌবা য়াই। অকোনবগী পরেংশি চণ্ডীদাসনা হায়বনি লেমহৌরিবা অতৈনা মাগী চান্নবীনা হায়বনি।

অমম্বা অহিং অমনি লৈচিলনা অতিয়া থল্লে।
মানা করম্না থোরক্লিবা ?
ঐগী নুংশিবনা ঐবু ঙাইরি হৈথরিবা নোংলক্তা
উরুবদা মদু নুঙাইত্রে ঐশে।
কোকহনবা ঙমদ্রবা ঐগী নুংশিবগী অপাম্বনি ঐবু
মনা মরাল পূম্বা য়াদুনা ঙমগনি থৱাই ফাওবা থাদোকপা
ঐদি ইনিঙ্ তৌবা ঙমজদে ইমুংগী মীশিং কিবনা
ঙমখিদে মতম চানা মপান থোরকপা

আঃ ওহ্নোকপনি ঃ ঐনা উনসি হায়রুবনা
ঐনা মাবু তাহল্লে খুদোং থিবদা ।
নঙনা ঐগীদমক খনবীদুনা কাওবীগদ্রা খুদোংথিবা পুম্বা ।
চণ্ডীদাসনা হায়জে ঃ— ঐগী নুংশিবীগী অপাম্বা আশানা
ঐখোইগী পুনসিবু কাংখোং চাইহল্লে ।

দ্বিজ চণ্ডীদাসনা ইরম্বায়াবা মখাদা ইরিবা ঈশৈ অসি বিব্রত বিলাসতা যাওরি
মী খুদীংনা "রসিক" (১) অমগী ৱারী শাই ।
অদুবু "রসিক" অমত্তসু ফংবা লৈতে ।
কনাগুম্বা অমনা ৱাখল খন্দুনা
হিসাব তৌনা ৱারেপ লৌরবসু
মী লাখ তরাগী মনুংদা
অমা ফাওবা ফংদবা য়াই ।
হে মরুপ ঐগী ঃ কনাবু ঐনা কৌসিগে "রসিক" ?
মরুমরাং পুম্বা ফজনা তোখায়রগা
"রসতা" মহাও থোকহল্লিবা
মাতনি "রসিক" থাঙ্গৈশেংবা ।
ফজরবা সনাগী পাত্রদা হাপলি মানা রস অসি
অদুগা থমলে পুন্নমক মাগী মমাঙদা ।
কনাগুম্বা অমনা মদু থক্কনি ওক্লনবা
অদুবু পেনবদি শুক্রে লৈরোই ।
অদুদগী মশামক মনুংদা লুপশিনগনি
অহিং নুংথিল "রস" খুজোক খুজোক মানা থক্কনি
অদুবু লৌথোক লৌথোক্লগা শরুক অনি অনি হেনগৎলি ।
অদুগা বিন্দু অমত্তং হৈদোকখিবদা
ঈচেল ওইনা চেন্থরি মসি —
চণ্ডীদাসনা হায়জৈ
ঐনা হায়বা তাবীয়ু

---

(১) "রসিক"— অচম্বা অর্থদা রসিক হায়বদি কনাগুম্বা রসপু খঙবা মশক খঙনা থকপা নত্রগা খেংহনবা ওম্বা হায়বনি । (মসিদা পুক্নীংগী ইথিল অদু মপুং ফানা অবাংবা থাক্তা পুখক্নুনা শেংদোকই । ইসোটেরিক বৈষ্ণব ধর্ম্মদা রসিক হায়বদি মী মহাক অদুগী মশামক্তা অধ্যাত্মিক অমদি সংসারিক ওইবা হিরমদা থেংনরকপা খঙলকপা পুম্বদুনা মহাকপু অনি অনি ওইবা ৱাখলগী ৱাংমদা লৈগ্রবা অমদি হিংবা অমসুং শিবগী ওমখেগী ৱাংমদা লৈগ্রবা মহাক অদুনি "রসিক" । সহজিয়া লম্বীদা ৱাহে অসিনা পরকীয়া সাধনাগী অথোইবা গুরুদুবু খঙনৈ ।

হে রসনা থল্লবী ইবেম্মা
নহাক্তি রসকী ঈফুৎনি
রসিক অমনা মাগী মরুপ রসিক অমা ফংদ্রবদা
মরাইবক থিরবনি মহাক্তো শরুক অনি হেন্না ।।

মখাদা ইরিবা ঈশৈসিদা টেকনিকেল ওইবা মচাক খর য়াওরি অমসুং অরোনবা অর্থ খঙহন্না অরিবা বাঙ্গলা "চর্যা" ঈশৈগী মওংগুম পম্থে (ক্রিপটিক) ওইনা ই । মসিসু ব্রিত বিলাসতগীনি ।

অপাম্বা (কাম) অমসুং ইরাং (মদন) মতৈমনাওনি
অদুগা মখোয়গী মপাগী মপানা "সহজ"নি ।
মসি অথাপ্পদা লৈবা নত্তে য়াম্না নক্না লৈ
মসি জগতকী মনুংদনি ।
অপাকপা 'লৈমায়'মদা (নত্রগা থম্মোইদা) য়েক্‌পা লাইগুম্বনি
মসি মতোক্তা তাঙ্‌ল মনিপুবা লিন্নি ।
অদুগা জীবসিনা মসাগী মসক মগুন কাওথোকই ।
য়েংউ - "গোরোচনা" ষম্বীগী ফিরাক্তা হৌই
অদুবু মানদি খঙজদে মশাগী মমল ।
উদা পাল্লিবা উহৈ কেল্লক্তবা য়াই ।
মরুদা পায়দুনা নীক্ল' ফাও ।
তৃম্নীংবনা লাকহৎলবা মতমদা নঙনা
নমিত্তো নরাইবকলোমদা হঙ্গৎনা য়েংখৎপা য়াই
মসিনা থম্মোইদা নপুনা লৈ
অমসুং মাবু কৌই ইবেম্মা ।
তেনরা মতৈ মনাওনা অথেঙ্‌বা অহিংদা
করি ৱারীবু শারিবা
বাসুলীগী থৌজান্না চণ্ডীদাসনা
হায়জরি মচেৎ ওইনা খরদং ।।

থোইদোক্না সহজিয়া ঈশৈ লেংবগীদমক চণ্ডীদাসকী মিং অমসুং মিংচৎ মাগীনি হায়না দাবী তৌরিবা ইকোনকোনবা মীশিংগী মরক্তা অমদি তরুনী রমনসু ওইবগুম তোই । মহাক্না লৈরম্বা য়াব ইকোন কোনবা অথেংবা মতমনি "সিদ্ধান্ত চন্দ্রোদয়" লেংবা মতম হায়বদি তরানিপান শুবা চহিচা লোইরকপা অমসুং তরা মাপনশুবা চহিচা হৌরকপা মতম অদুদনি ।

# শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন

খজিক্তং শেগায়রবা ফিভমদা ঐখোইগী ইমাংদা লৈরিবা "শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন" অসে চাওরাক্লা শেরেং ঈশৈ ৪১৫ য়াওবা , ৱারীৱাতাই শান্নবা অমদি মথন্তা শোঙ্গাবা শৈদাদা শ্রীকৃষ্ণনা রাধাবু নুংশিবগী ৱারমপুম্বা যাওরবা লাইরিক্নী । মসিদা কষ্ণনা মণোন্দগী চহি হল্লম্বা য়ানী মন্দোনসু থোক্লবী নুপীমচা অমদা  পুক্নীং লুপশিল্লুবা অমসুং মাবু মপুং ফানা জয় তৌদুনা লৌরবা তুংদা মমৈদা করিমত্তা থৌওইদনা হন্দোকপীরম্বগী ৱা য়াওরি । মসিগা অশাংবা ৱারী শৈরেং (পয়ার) অমসুং অতেনবা শৈদাগী ঈশৈমতেক মতেক (শিকলী নত্রগা নাচারী) কয়াগা তোৎশিন্নদুনা ইবা "কৃষ্ণ মঙ্গল" হায়না খঙ্নবা ৱারী শৈরেং অদুগা শুকমান মান্নদে । শ্রীকৃষ্ণ কীর্ত্তনদা ৱারীৱাতাই শৈরেং অমসুং মথন্তা হায়জবা ঈশৈ শৈরেংশিং অসি অপাবা মীদদি দরকার লৈতবা সংস্কৃত শ্লোক কয়ানা অমগা অমগা তাইশিন্নরিবা অসিঐনা খনবদি ঈশৈ অসি ইহান হানবদা লীলা ওইনা শান্নবা নত্রগা লাইধিবী কুম্মৈদা শক্লবা শৈরেং ওইনা শিজিন্নবদা দরকার ওইবদগী হেক হৌরকপদা শেমখিবনি ; অমসুং মসি অরিবা  আসামী লোন্দা ইবা শঙ্করদেবগী ঈশৈ লীলাগী মতৌ তমদুনা ইখিবনি । সংস্কৃত শ্লোকসিং অসিনা অইবগী হৈশিংবা অমসুং হৈ ;  ঙমই হায়বদু তাকই ।

ৱারী অমসুং ঈশৈশিং অসি "খন্ড" হায়না কৌদুনা অথেঙবদা ফোঙ্বা পুরান খরদা তৌবগুন্না "পন্দুপ" (শরুক) কয়ামুক থোক্লা খায়দোকই । (থাঙ্গৈশেংবা লীলা ওইরম্লবদি "অঙ্ক" নত্রগা এক্ট কৌরমগদবনি ) । অদুবু অঙকপা অমদি ইকোন কোনবা খ্বাইদগী চাওবা অমসু খ্বাইদগীসু হেন্না ফজবা শরুক অসিবুদি খণ্ডসু কৌদে অতৈ মমিং অমসু থোন্দে । মসিবু মতম অমদা তোপতোপ্না লাইরিক অমা ওইরম্ব্রা ? মসিমদি হায়বা য়াই-খ্বাইদগী ইকোনবা "রাধা বিরহ" (রাধাগী কায়নবা) কৌবা শরুক অসি তরাতরুক শুবা চহিচাগী অঙনবা মতমদা খ্বাইনা মুন্না খঙ্নরবা রাধাকৃষ্ণগী ঈশৈ কাঙলুপকী মরক্তা অমনি অমসুং শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী পন্দুপ অসিদা য়াওরিবা ঈশৈশিং  অসি চণ্ডীদাসকী হান্ননা খঙ্নরবা খ্বাইদগী ফজবা ঈশৈশিংগা খ্বাইদগী হেন্না নকশিন্নে ।

শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী অহানবগী চেনাদি মাঙ্খ্রে। মাঙখিবা শরুক অসিদা ঈশ্বরবু খুরুমজবা অমসুং থৌগৎব্রা য়াওরম্বা য়াই। ব্রারীদি হিংচাবনা শায়োনবা কংসনা পৃথিবীবু ওৎনৈবা লাইয়াম্না থব্রাই ব্রাবদগী হৌই। লাইশিং অদুনা বিষ্ণুগী মফমদা লাক্তুনা মাবু মী ওইনা পোকপীয়ু অমসুং কংসবু হাৎপীয়ু হায়রম্মী, বিষ্ণুসু য়ারম্মী। মসিদা অহানবা পন্দুপ জন্ম খণ্ড লোইরে।

মপুং ওইবা বিষয় (থিম)দি কৃষ্ণগী মবেম্বোক বড়ায়ীনা নহা ওইরিবী রাধাবু শেন্নদুনা ময়ুম গোকুলদগী মথুরা সহরগী কৈথেল তান্ন নুমিৎ খুদীংগী ষঙ্গোম অমসুং ষঙ্গোমদগী থোকপা পোৎ য়োন্নবা পুরকপদগী হৌই। নোংমা অশুন্না থোকখি। হনুবীদু ব্রাবনা চোকথরম্মী অদুগা নুপী মচা অদুনা মদু উরমদে অদুনা অদুম চৎখৎখিরম্মী। মখোই অনিদু তোখাই তোখাই তানরে য়াম্না থাপ্নরে অমসুং নুপীমচা অদু লম্মাংনরে। বড়ায়িনা লাঙ্তক্লনা রাধাবু থিরকপা মতমদা কৃষ্ণনা উনরে অমসুং মঙোন্দা মথুরা লম্বীদা রাধাবু উবরা হংলম্মী। কৃষ্ণনা রাধাবু খঙ্শিন্নরমদে অমসুং উনৈ উনদে খঙননবা নুপী অদুগী শাওং শাদা কুপ্না হংলম্মী। বড়ায়ীনা পুক্রীং শুস্কৎলবী ফজরবী নুপীমচা অদুগী মশক মতৌ য়াম্না থব্রাই য়াওনা তম্লম্মী। মশক মতৌ থাবদু কবিশিংগী লোন্দাদা থাইনদগী হৌনা থানরকপা চৎনরকপা মওং অদুনি। রাধাগী নহা ওইবা চীংলেম্না ফজবা মতৌ অদু তাবদা কৃষ্ণগী ব্রাখল মৈ হৌরে অমসুং মাবু পাম্বনা মথুমমরাং হৌরে। মানা হিরম অসিদা বড়ায়িবু মতেং পাংবীয়ু হায়রম্মী। মানসু মখোই অনিগী মরক্তা পাও পুবদু ওইগে হায়না কোক হেক য়াখি অমসুং কৃষ্ণদগী খুদোনপোৎ ওইনা পানা খুংতপ খরগা লৈ খরগা পুরদুনা রাধাগী মনাক্তা লাকখি অদুগা কৃষ্ণগী পাওদু মঙোন্দা তম্লুরে। রাধানা মাবু শাথিনা ইকাইবা পীবনি হায়না লৌরম্মী। মানা য়াম্না শাওনা কৃষ্ণদগী পুরক্পা খুদোনপোৎশিংদু লংখাইরম্মী; অমসুং মাগী অনীংবা মবুক্কী ব্রাপুম্বা মবুক ফল্লবী হনুবী মাবু ঙাকশেন্নবা লৈরিবী অদুদা হায়রম্মী। অসুম্না থবক পাঙবা ঙমদ্রবী ইকাইবা নংলবী ব্রারৌরবী হনুবীদু কৃষ্ণগী মনাক্তা লাক্তুনা মানা মায় পাক্লক্তবগী পাওদু তম্লরে। রাধানা শাওরিবদু মাগী মমল য়াওদবা খুদোনপোৎ অদুননি হায়না কৃষ্ণনা শেরান্ননা লৌরম্মী। অদুনা মহাক্না ফজরবা শাড়ী অমা য়াওনা মশক নাইবা খুদোনপোৎ খর অমুক পীদুনা বড়ায়িবু মাগী মনাক্তা অমুক হন্না থাখিরম্মী।

বড়ায়িনা লাক্তুনা নুপীমচা অদুগী মনাক্তা ফম্লরে ব্রা খজিক্তং হায়রগা পোৎশিং অদু রাধাগী মমাঙদা থনম্মী অদুগা মমায় লৈথোক্তুনা হিহি নোক্লম্মী।

রাধা ঃ— কপুর্র য়াওরবা পানসি কদাইদগীনো ? ফজরবা শাড়ী অসিনা কদোমদগীনো বড়ায়ি ? লৈশিং অসিনা কন্নানা ঐঙোন্দা থারকপগে ?

বড়ায়ি ঃ— লাওনে রাধা , কৃষ্ণগী নুংশিবীবা য়াবা ফিভমদু ঐ নঙোন্দা তমগে লাও । মহাক্তি নুংশি মৈনা ৰামৈ চাকলে মহাক্না নোল্লুক্না মাগী তোল্লবা নুংশিবীবা য়াবা ফিভমদু হায়জরকই ।

ৰাসি হেক তাবমক্তদা ফজরবী নুপীমচা অদুনা য়াম্না হঙোই তুক্কচচবগা লোইননা মাবু মমায়দা খুপাক্না থারম্মী অমসুং কৃষ্ণনা থারকপা পোৎশিং অদুদা খোঙপাক্না কাউরম্মী । বড়ায়িনা হৌগৎলগা রাধাদা হায়রম্মী — "নহাক অশুম্না তৌফম থোক্তবনি ।নন্দগী মচানুপা অসে মীপুম্বনা য়াম্না নুংশিবনি অদুগা মাগী মথৱাইদি হৌজিক নঙনা চানবীবদা লৈরে ।

রাধা ঃ— য়ুমদা মশক মতৌ ফজরবা মশা মউ ফরবা ঐগী ইপুরোইবা লৈরি । মতৌ করম্না ঐনা নন্দগী মচা সনশেন্নহাদুগা নুংশিনগদৌরিবনো ।

বড়ায়ি ঃ— মাদি ঈশ্বর শাইয়োন্নী হেক নীংশিংলুবতদা পাপ্পু কোকপীরিবনি অমসুং অরানবা খুভম পীবিরিবনি । অসিগুম্বা অমগা নুংশি চান্নজবা মহাক অদুদি বিষ্ণুগী স্বর্গদা মতমপুম্বা লেঙদনা লৈগনি ।

রাধা ঃ— নুপীগী ফজবা শক নীংথিবা হ্নকচাং কায়াৎপু ঐনা তুক্কচৈ । বিষ্ণুগী স্বর্গদা লৈবসি মৱা মপুরোইবা নত্তবা নুপা অমগা নুংশিনবনা ফংবা তারবদি মৱা মপুরোইবদু পুখ্রি অমদা ইরাক্নদুনা মথন্তা শিজবনা হেন্না ফৈ ।

অসুম্না মহাক জ্ঞান মাঙলদুনা নুংশিনবশিংগী মপু ওইহিবা নন্দগী মচা পুকফবা অদুবু মানা য়াখিদে । বাসুলীগী মখোঙ্ শোক্না কোক নোন্দুনা বড়ু চণ্ডীদাসনা অসুম্না শকচৈ ।

লাইরিকসিদা মফম সিৱাইদা অহোবা অমদি লৈবগুম্লে । বড়ায়িনা কৃষ্ণগীদমক্তা খর হেন্না অমুক হায়জরমগনি । অদুগা কৃষ্ণদি তৌঙম্বা গুন্দানি অদুনা মাবু ইরায় লায়না থাদোক্নোই হায়নশু রাধাদা হায়রমগনি । মরমদি রাধাসু কাঙথোরক্লিবা ৱাফমদু খঙ্লম্মী অদুনা য়াম্না ৱারৌনা হায়খি ঃ— মদুদি — "মহাক মপুং ফানা লৈশাৎ তমদ্রি অদুনা সিগুম্বা মতমদা চুগন্নরবা নুংশিবা অমগা চীল্লোক্ননা তিন্নবদি য়াম্না খুদোং থীনিংঙাইহনি । অদুনা কৃষ্ণনা চহি খরদি ঙাইবা তাই । মপুংফানা মীওই শুরবা কান্দা মাবু ফংহন্নগনি

হায়না ৱাশক্লম্মী । বড়ায়িনা কৃষ্ণনী মনাক্তা লাক্তুনা ৱারম পূম্বা অমত্তা চিৎথদনা তম্লম্মী । রাধাগী প্রেমদা ঙাওখিদুনা কৃষ্ণ তূম্বা হিপ্পা চঙদ্রে । মমঙ্দা ফাওবা রাধাগা মিলন ওইরম্মী । রাধাগী ৱাখন্দা মশাপূম্বা লূপখ্রে থম্মোয় ইরাঙ হৌখ্রে । অয়ুক্তা মানা বড়ায়িবু মমল য়াম্লবা খুদোনপোৎ খরগা লোয়ননা "অমুখক্তংদদি উনসি, মদুনা লোইরে" হায়রুনবা থাখি । হন্নুবী অদুনা থেম্লুবা অদুনা রাধাবু অমুক্কা হেন্না মখোয়দৌ শাওগৎহল্লে । মহাক্কা মাবু "অওন অওন চাবী" হায়না থীনা চৈরম্মী অমসুং মমায়দা খুৎপাক্কা শেৎ লাওনা থাখি । অসিগুম্বা মানা খক খল্লুদবা রাধাগী শাজৎ অসিদা বড়ায়ি খংপ্রেক খংলম্মী । মহাক অমুক হল্লকলে অদুগা কৃষ্ণদা পাও পূম্বা তম্লরে অমসুং রাধাগী মথক্তা লমন খুম্মু ইন্নশিল্লরে । কৃষ্ণসু হেক্তা য়াখি ।

নোংমদি কৃষ্ণনা মাসুল ফম্বা মী শারদুনা বৃন্দাবন মথুরা লম্বীদা কদম পাম্বী অমগী মখোঙদা ফমদুনা ঙাইরম্মী । গোপীশিংনা রাধা অমসুং বড়ায়িগা লোয়ননা পোৎচৈ য়োনবা লাকপা মতমদা কৃষ্ণনা মখোয়পূম্বা থাম্লম্মী অমসুং মাশুল পীয়ু হায়রম্মী। বড়ায়িনা মদুদা য়ানিংদবা উৎলম্মী অদুগা রাধাদি কন্না হেক্তা য়েৎলম্মী । অতৈ অতোপ্পা নুপীশিং অদুদি অসুম্না মতম কুইনা য়েৎনরিঙৈদা ঙম্না নাম্থোক্তুনা চৎখ্রে । রাধানা ৱায়েল কল্লবা কংস নিংথৌদা ৱাকৎকনি হায়না ধমকা তৌরম্মী । কৃষ্ণনা মাবু লৌগে হায়রম্মী । রাধানা মাগী অফব ৱাখলবু পল্লদুনা হায়জরম্মী অমসুং শাস্ত্রগী ৱা কয়ামুকসু হায়রম্মী । অদুবু কৃষ্ণদি মদুপূম্বা কবিসু থৌশারমদে — মাদি " আইন্ অমসুং অচুম অরান চৎনবীগী ৱাংমদা লৈবনি" হায়রম্মী হায়জরুবা পূম্বদা ৱা মাঙলবদা খোইদৌ শাওগৎলবী রাধানা হন্নুবীদুদা ওনসিন্দুনা অয়াকপা খোনফম্না চৈরকই — "করিগীনো মানা হায়বা তাদুনা দুতি ওইবিরিবা ? ইনেস্বোক্লা ঐবু ঙাকপী শেনবীনবা নঙোন্দা শিন্নরকপনি । নঙগী অসিগুম্বা লমচৎ অসিবু চৎনবা য়ারিব্রা ? কৃষ্ণদি ষনশেনবা লমকেৎ লমহাইবনি । মানা হায়বা করিগী তারুরিবনো ? নঙ্না চিল্লোক্লবা পাম্লবদি নঙ নশামক্লা মনাক্তা চৎত্রিবা করিগীনো নঙ্না ঐগীদমক খজিক্তং খনবীরম্লবদি কৃষ্ণনা হায়বসি তাদনবা ননাকোং মেনশিনফম থোকপনি । ঐখোয় হৌজিক তুমিন্না লেপ্তুনা য়েংদুনা লৈসি ।

অদুবু মহাক্তি ইংথবা য়ারমদে । মরমদি হৌজিক কৃষ্ণদি মশাগী মপাঙ্গল ফুদোরক্ক দৌরে মহাক লিৎফম লৈত্রে হায়বসি হৌজিক রাধানা খঙজরে অদুনা মহাক্লা হৌজিক ৱাজরিবদি-মানা থেঙলকপগী মরম , মাগী চোইজাই নরবা শম্লাং অমসুং মকু

মকুরবা মফিমরোলগী মরম— করম হায়না ময়ুমগী মীদা তম্লুগদগে হায়বসিনি মহাক্লা বড়ায়িদা হায়খি ঃ— " হৌজিক ফাওবা নঙনা ঐবু লৈখা তারবা লম্বীসিদা চৎননবা তক্লরি , অদুগা লাংসিদগী নাম্বোক্লবা উপায়সু খংদ্রে । খঙলক্লবা মতমদদি ইপুরোইব্না ঐবু য়ুমদগী তাম্বোকপীনি । মতমদুদদি নঙ্সু মখোয়গী মীচং ওইখিনি । হায়বসে ঐ তশেংনা খঙ্ই । অদুগা ঐনা মরালপূম্বা কোকথোংনদুনা ইথন্তা নাইতোম তানা লৈনি । শুক্লবা উমংসি শমজিন্দুনা নঙনা ঐবু পুদুনা লাকলিবসি নপুক্তা ফত্তবা ৱাখল অমা লৈদুনা তৌরিবনি হায়বসে ঐ হৌজিক্তা খঙ্লে । হনুবী নঙ্দি অমা অমা হায়জিন্দুনা নাম্বোকখিনি অদুগা ঐগীদি করি তৌনিঙাই লৈরি । কৃষ্ণনা ঐগী লিকফাং পরেং তরেৎসে মুন্দুনা লৌখ্রবদি হোরেল য়ুমদা ইপুরোইবনা করিনি হায়না লৌগনি । করিগীনো নহাক্লা লম্বী অসোমদা লাক্লিবা ? ওইররোইদবা ৱাশক অমা শক্তুনা নত্রগা অমা অমা হায়জিন্দুনা ঐখোই কৃষ্ণগী খুত্তগী নাম্বোকখ্রসি । হন্দকপু ঐখোয় মঙোন্দগী নাম্বোক্তুনা শোয়ঙামদনা য়ুম য়ৌহৌরবদি ঐখোই অমুক হন্না মথুরাদা লাক্লরোই । মুহাক্কী মবেনবোক ওইরবা নঙ্না ঐগী লোয়নবী ওইরবনিনা ঐদি থাঙ্গৈশেংনা খুদোং থিবদা তারবনি । নঙ্না মসি হম্বুনা অমুক্তং খনবা ঙম্লবদি য়াম্না ইকাইনিঙাইনি ।"

মানা উদ্রিঙৈদা মখোয় নাম্বোকখিবা য়ানি হায়বা মতাগুম কৃষ্ণনা মখোইবু খঙ্শিন উশিন্নদনা থৌৱা শাদনা লৈথোক্লম্মী । মাগী ৱাখলদি রাধাবু মতোমতা নাইতোম তাহল্লগা ফাহৌনবনি । মদুমক তানবা হনুবীদুনা শীনখি । রাধানা হৌজিকসু কন্না য়েৎলম্মী অদুবু মমৈথঙ্দদি লাইবক্লা তম্লবনি খন্দুনা মশাবু কৃষ্ণগী অপাম মিহৌ লাংদা তাহনখ্রে । মানা হায়খি ঃ-- "ঐনা মথুরা কৈথেন চৎপা মতম পূম্বদা নঙনা ঐবু য়েংনা য়েংনা ইতুং ইল্লকখি । হৌজিক্তি মসে লাইবক্লা তম্লবনি হায়বসে ঐ খঙ্জরে । হে নন্দগী মচা নঙ্না ঐবু খক থাদোকপীগনু । নঙনা ঐগী অনীংবগী ওন্ন তৈনবা খক তৌরোই হায়না ৱাশকপীরবদি ঐনা নঙগী অপাম্বা পূম্বা থুংহনগনি ।

হে কৃষ্ণ চেকশিনবীয়ু , ঐনা নোল্লুক্লা হায়জরি- ঐগী কোক্কী লৈতেং ওইরিবা মনিমুক্তাশিং অসি কায়হনবীগনু , ঐগী লীকফাং পরেং তরেৎসি তৎহনবীনু । অসিদা নক্তনা মনিমুক্তাগী লৈতেংশিং অসিসু কায়হন্দনবা য়েংবীয়ু । ঐগী চিনবানর্গী লৈথী চুপ্পী গনু মদুবু ইমান্নবীশিংনা উখ্রবদি ঐবু ওক্তশিংদা চনখ্রগনি । ঐগী থবাক্তা খুজিন মফম তাহনবীগনু , ইপুরোইবনা উরগা শাওবনা মৈ হৌগনি।" শ্রীমতী রাধিকানা অরোইবা

ফাওবদি কৃষ্ণগা মিলন ওইবা হায়বসি য়ানিংদবনি অদুবু শ্রীকৃষ্ণনা লৈতেংপৃম্বা লৌথোক্তনা থম্বীরবা মতুংদা য়াখিবনি। অদুগা লৌথোক্লীবা লৈতেংশিং অদুসু অমুক হন্নবীরক্তে, মতুং অমুক উননবগী পোন্থা ওইনা লৌবিহৌরে।

হন্নুবীদুনা রাধাবু ময়ুমদা পুরকপা মতমদা য়াম্না থেঙ্খ্রে। মখোয় লম্বীদা দাকু অমা থেংনরুরে অমসুং দাকু অদুনা রাধানা শিরিবা মরিক মকোন পৃম্বা লোইনা মুনবীখ্রে হায়না মনেম্মোক অদুদা তম্লম্মী। মনেম্মোক্লা রাধাবু অমুক মথুরা চৎহন্নখিদ্রে।

শারবা ওলাঙথাগী মৈশা লোইখিদুনা নিংথম নৈচিল পাইরক্রে। কৃষ্ণনা রাধাবু অনিরক শুনা উনবা ফংখিদ্রে। মহাক খাঙঙমদনা লাঙতক্করে। মহাক্লা বড়ায়ি উনরম্মী মাগী মতেং পাংবীয়ু হায়জরম্মী। হনুবী অদুনা মতেং অমা ফাওবা পীবাঙম্লমদে। মানা কৃষ্ণদা মানা থোকপা উপাই থিজরো হায়রম্মী। যেসাউপাই তৌদুনা রাধাবু হান্নগুম্না মথুরা কৈথেন্দা নুমিৎ খুদিংগী চৎপদু অমুক হৌহন্নবীরো হায়না কৃষ্ণনা ৱাচৎলকই। বড়ায়িনা মদু য়ারে অমসুং হায়রম্মী নোংজুথা হৌরিক্লবনিনা রাধাবু মতেক খরদি হিনা চৎলু হায়বা য়াবা য়াই। মরক অসিদা কৃষ্ণসু বৃন্দাবনদগী মথুরা হঙ্গৎ হন্দা চৎনবা মশাগী হি অমা লৈবা তাই।" কৃষ্ণসু থৌরাং অদু হরাও হরাও য়ারে। অমসুং ইকুইকুইদনা তুরেল লাম্থোক লানশিন হঙ্গৎহন্দা চৎনবা মশাগী হি অমা লৈরে। বড়ায়িনা রাধাগী ইমুং মনুংগী মীশিংবু মরম চাবা উত্তনা য়াহন্নবদা লুনা থোক্লমদে। অদুবু 'রাধাদি কৃষ্ণ উননবা খুদোংচাবা অমুক লৌবদু কয়া য়ানিংদবগুম তৌরম্মী। হন্নুবী অদুনা-অয়াম্বা লম্বীদি হিনা চৎকনি অদুনা লম্বীদা মথোঙ হুক্তবা মী থেংনবগী খুদোং থিবদু খক লৈররোই হায়রবদা রাধাসু য়ারে।

বড়ায়ি অমসুং মাগী কাওবুনা যমুনা মপান্দা থুংলরবা মতমদা হি অমদি লৈরম্মী অদুবু অনকপা অদুৱাইদা হিরানবা নুপাদি লৈরমদে। হিরানবদু থোক্লক্কদরা হায়দুনা মতম খর ঙাইরবা তুংদা নুপীমচাসিং অদুনা ফন্না শাংনা কৌরম্মী। অদুবু হিরানবদুদি থোরক্তে মহুত্তা কৃষ্ণনা মাগী হি তোংদুনা থোরক্লে। অদুবু হিঅদু পীকমনবনা মখোয়পৃম্বা অমুক্তদা পুল্লপ লাম্থোকপদি য়ারমদে। অদুনা মখোয়বু মী অনি অনি নত্রগা অমমম হোন্দুনা লাম্থোকপা তারম্মী। কৃষ্ণনা শীন্দুনা বড়ায়িনা অতৈ নুপীমচাশিংগা লাম্থোকখ্রে অদুগা অকোনবগী খোঙচত্তা রাধাগা মাগতা চৎনবা রাধাবু থনম্মে। হান্নগা খন্নম্বগুম্না হিদা কাখৎত্রিঙৈদা কৃষ্ণনা রাধাদা হিরানমন পীয়ু হায়না তানখৎলক্লে অমসুং মানা পীরোইদবা

নত্রগা পীবা ঙমলোইদবা ওইরবদি নুংশি চিল্লোক্লসি হায়না কৃষ্ণনা হায়রম্মী। হন্নগুম্না য়াম্না মনতীক্লরে মমৈদা রাধা মপোৎ মচৈগা লোয়ননা হিদা কাখৎলে অমসুং তোর্ব্বান্দগী খর থাপ্না হোন্দোরক্লগা হিদু থাঙ্লে। ঈসিং অদু য়াম্না লুবা নত্তবনিনা হিদু হেক্তা মমায় চুমথোমলে মতমসিগী মনুংদা কৃষ্ণনা মাগী অপাম্বদু পাঙথোকখ্রে অমসুং মদুদা রাধাসু য়ানিংদবা তৌখিদ্রে। মখোয়না অতোপ্পা তোর্ব্বান্দু য়ৌরকান্দা রাধানা মাগী মফিমরোন লূদবগী মরম পীবদা থোইনা লুনা থোকখিদ্রে। মাগী লল্লোনপোৎ মাঙ্বদু অতোপ্পা নুপীমচাশিংদগী খর খর খায়নদুনা শিংগৎপীরে। ময়ুমদা হন্দ্রিঙৈদা কৃষ্ণনা মঙোন্দা মানা নহান লৌহৌবা লৈতেং লীককোন পূম্বা লোইনা অমুক হন্না পীখিরম্মী। রাধাগী মপুরোইবনা মাগীদমক মথৱাই ৱাখি অমসুং মাবু চীংজিন থাদু লোইদ্রিবা ফাওবা মথুরাদা অমুক চৎহনখিদ্রে।

নোংজু, থা লোইখিদুনা সরত ঋতু চঙলক্লে, কৃষ্ণ হৌজিক রাধাবু উননিংবনা ঙাইঙমদ্রে। মানা হায়জবদগী বড়ায়ি রাধাগী মনেম্বোক্কী মনাক্তা লাক্লুনা হায়রম্মী মদুদি রাধা হৌজিক খুদোংথিবা অমত্তা লৈত্রবা হি-হনফম হিরমদা অশোই অঙাম লৈতনা মথুরা তান্না চৎপা য়াররনি। "মহাক য়ারে অদুনা রাধাবু অমুক হন্না মথুরা তান্না চৎহল্লে। হন্দক্তি কৃষ্ণ পোৎপুবা কুলী অমা ওইনা থোরক্লে। শারবা নুংশাদা মাগী পোৎ কোকথোংদু পুবদা রাধা য়াম্না চোকথরম্মী। মানা কুলী নেক্লম্মী অদুবু অপুমনদি হান্না লেপ্পহৌদ্রে। কৃষ্ণনা পোৎ কোকথোংদু মথুরা তান্নাপুরে অমসুং য়োম্ভোকখ্রে। মমৈদা কৃষ্ণনা পোৎ অপুমন ওইনা রাধাবু নুংশিচিল্লোকনি হায়রম্মী মদু রাধানা য়ারমদে।

মখোয় বৃন্দাবনদা হল্লক্লে। অদুগা কৃষ্ণবুনা লমশাঙচুপ্পা রাধাগী কোকথক্তা ছাতিন অমা খান্দুনা চৎহল্লম্মী। (থবক মখল অনিসিগী মমল করম্না পীখিবগে হায়বদুগী পাও লৈত্রে মরমদি খুৎই লাইরিক অদুদা চেনা নিপানখক ৱাৎপগী অহোবা অমদি লৈরে।

কৃষ্ণ হৌজিক মনামশিং থাবা ইংখোল কোইবা অমসুং হৈকোন লৈকোন শেম্বদা পুক্লীং লুপখ্রে। মহাক্লা ফজরবা লৈকোন লম্পাক অমা লম্বীগী নাকন্দা শেম্লম্মী। বড়ায়িনা গোপী লৈসাবী পূম্বা রাধায়াওনা লৈকোন অদু য়েংলুনবা হায়রম্মী। কৃষ্ণনা মখোয়বু তরাম তরাম তৌরম্মী। অদবু মমৈদদি মানা রাধাবু মাগী মরুপশিংদগী তোঙান্না পুথোকখিরম্মী অমসুং নুংশি চিল্লোক্লসি হায়রম্মী। রাধাসু য়ানিংদবা তৌরমদে।

হৌজিক শান্নফম মফম যমুনাদা হোংখ্রে, মদুদা মফমচানা অরুবা ইরেল অমা

লৈরম্মী। মফমদুদা মহুপূরবা লীন অমা লৈশিন্দুনা মী অমসুং শা-ষন অমত্তা কৃস্বা ঙন্নমদে। কৃষ্ণনা লীন অদু তাহ্নোকখ্রে অমসুং ইরেল অদু খ্বাইপুন্নমক শীজিন্নবা য়াহল্লে।

কৃষ্ণ রাধা অমসুং অতৈ অতোপ্পা লৈশাবীশিংনা ইরেল অদুদা নুমিৎ কয়ানিমুক ইরোইদুনা নুঙাইহনা শান্নরম্মী। নোংমদি ইরেল অদুদা রাধাগী লীক পরেং অদু মাঙখিরম্মী অমসুং মদু কৃষ্ণনা লৌখ্রবনি হায়না মানা খল্লম্মী। মানা মদু অমুক লৌরুনবা বড়ায়িবু থাখি, তোইশুম্বসুং কৃষ্ণনদি মদুগী মরমদা করিমত্তা খঙদে হায়রক্লম্মী। রাধানা কৃষ্ণগী মমা যশোদাগী মফমদা লাক্তুনা মাগী লমচৎ নাইদবগীদমক্ ব্রাকৎলম্মী। যশোদানা মচানুপাবু ব্রারক্লম্মী। মদুগীদমক কৃষ্ণনা রাধাবু লমন খুমগে হায়না চপলেপখি।

কৃষ্ণনা লৈঙাক্তনা শারবা যাদুগী লীরুং তেন পায়দুনা মথুরা চৎপা লম্বীগী নাকন্দা কদম্ব পাম্বীগী মখোঙদা লেপ্তুনা শেমশাদুনা লৈরম্মী। রাধানা বড়ায়িগা লোয়ননা মফমদুদা লাক্লবদা কৃষ্ণনা মাগী মথক্তা মমাগী মফমদা ওইদবা মরাল শীরুবগীদমক মাবু মঙোন্দা লাল্লে হায়জৌ হায়রম্মী। অদুবু রাধাদি হৌজিক ফাওবা মৈ হৌনা শাওরি অদুনা হায়রিবা পৃম্বদু মনানা তারমদে। কৃষ্ণ খংশাও শাওরম্মী অমসুং রাধাদা তেন অদু কাপশিল্লম্মী। তেন অদুনা পাল্লবদা রাধা পীশক পীক্লা তুম্বক তা-শিন্দুনা জ্ঞান য়াওদনা লৈমায়দা তাখি। কৃষ্ণদি অদুম্না তৌরক্লনি থাজরমদে অদুনা মহাক য়াম্না নুংশা থীরম্মী। বড়ায়িসু শাওরে অদুগা মরম লৈতনা মরাল লৈতবী নুপীমচা অমবু হাৎপগী দায়ি মাগীনি হায়দুনা মাবু চেনখিদনবা ফাদুনা থনম্মী। আইনগী মতুংইন্না দণ্ডি ফংবদা কৃষ্ণ করিসু নাচুংলমদে অদুবু করিসু লৈতবী হনুবী অমনা মাবু ফাদুনা থম্মী হায়বদুগী ইকাইবা অমসুং মীনা নোক্লবা অদুবুদি য়াম্না কিরম্মী। মহাক্লা বড়ায়িদা য়াম্না নোল্লুক্লা মাবু থাদোকপীয়ু হায়জরম্মী। অমসুং কৃষ্ণনা ব্রান্থরিবী নুপীমচা অদুবু হিংগৎহন্নবা হোৎনজগে হায়না ব্রাসক্লম্মী। বড়ায়িনা মাবু থাদোক্লে। কৃষ্ণনা রাধাগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা য়াম্না নুংশিনা হায়জরম্মী ঃ– "ঐনা তেন অদু ঐখোই অনি উননবা শীল্লিবী হনুবী অসিনা হায়বদগী কাপ্লুবনি। অদুবু করিগীদমক ঐবু নুপী হাৎপা মী ওইহন্নবা মানা শিগদৌরিবনো ? নঙনা ঐগী ইমাদা ঐগী ফক্তনবা হায়রুই অদুবু মদুপুন্নমক্ত হৌজিক্তি হৌখ্রে। রাধে হৌগৎপীরো। করিগীনো অশুম্না জ্ঞান মাঙ্না লৈমায়থক্তা তারিবা ? নঙদি পঙজবী নুপীমচানি ঐনা হায়বা তাও হৌগৎলো নীংথিবী রাধে কৃষ্ণ ঐগী নিংবসি থুংহনবীরো। হন্না হন্না হায়জরী লেঙখৎপীরো হে ফজরবী পুকফবী। নঙনা তোনবা

খাজনা পূম্বা ঐনা লোইনা কোকপীরগনি অমসুং করিগুম্বা থৌদোক অমত্তদা ঐনা নঙোন্দা অৱাবা খুদোংথিবা থোকহল্লরোই হায়না ঐনা ৱাশকচরি। হৌগৎলো, মথুরা কৈথেলদা নপোৎনচৈ য়োন্নবা চৎপীরো"।

কৃষ্ণনা রাধাগী মমায়দা যমুনাগী অঙ্গংবা ঈশিং খর থিকচিনবগা লোয়ননা থুনমক মহাক জ্ঞান লাক্লে। অদুতা নত্তনা ঈশিং খরসু ইনবীরে। হৌজিক্তি রাধা মপুং ফানা ফরে অমসুং তুমিন্না মহাক মফমদু থাদোকখ্রে।

যাদুগী তেন্না পানথিবদগী রাধা নুংশিবগী পোৎলুম্না মশাপূম্বা খুদম চনখ্রে। রাধানা অমুক কৃষ্ণদগী লাপথোক্লা লৈবা শুকঙম ঙমখিদ্রে, কৃষ্ণবু কোয়থি থিরকলে। মতম চঙ্না ৱানা থিরবাতুংদা লৈকোল লমপাক অমদা মাবু ফংলুরে। নুংশিনবা অনিদু অমুকহন্না চান্নরে। কৃষ্ণনা রাধাবু মীয়াম মাঙদা করিগুম্বা মফমদা থক লঙনররোই হায়না ৱাশক্লম্মী অমসুং মাগী ৱাশক চপচানা ঙাকখি। অদুগা রাধাবু পুক্নীং ওলহন্নবগী মতাংদদি কৃষ্ণনা করিসু হায়খিবা লৈতে। মরম অদুনা য়ুমগী মৌ ওইরিবা রাধাবু ৱাখনগী পোথাফমদি খঙহল্লমদে। মমৈথংদা কৃষ্ণনা ফজরবা অমসুং মখোল নুংশিরবা বাঁশি অমা শারে। কৃষ্ণনা হেক পান্নকলবা মতমদা বাঁশিদু হেক হেক খোংলম্মী। বাঁশিশিগী খোঞ্জেন্না য়ৌদবা মফম লৈরমদে। বাঁশি খোঞ্জেল তাবদা লৈঙমদরে রাধা আয়নগী য়ুমদা ৱাহন্নবীরে থৱাই হকচাং অনিমক। মমৈথংদা মহাক্লা বড়ায়িদা হায়খি ঃ–

যমুনা মপান্দা করিগুম্বা মফমমদা
বাঁশি খোংলিবা অসে কনানো ?
লৌবুক লমহাং ষনশেনবুংদা
খোংলিবা অসিনা কনানো ?
ঐগী পুক্নীং হকচাং শুন্দ্বৎলে, চোকথরে ;
বাঁশিগী নুংশিরবা খোঞ্জেন্না
চাক ঈশিং থোংবা য়াদরে ঐদি।
বাঁশি খোংলিবা অসিবু কনানো ?
মহাকপু কনা ওইরিদগে ?
ঐবু মাগী মখোঙদা

মনাই ওইনা তুরুরসিরা ?
হে বড়ায়ি , নিঙাইবা লৈতনা
বাঁশি খোংলিবসে কনানো ?
ঐনা মী অদুদা করি ইরাল লঙজখ্রবগে ?
ঐগী পিরাং খাম্বা ঙমদ্রে
নুংশিরবা খোম্হোকসিনা , বড়ায়ি , ঐবু হাৎলবনি ।
মসিতননি ঐগী থম্মোইবু ঈংহন্দ্রিবা ।
নন্দগী মচা কৃষ্ণনা ।
খোংসি মাগী বাঁশি লাই য়াওবা
ঐনা চেক্লা ওইরম্লবা
মনাক তান্না হেক্তা পাইখিনি
মালেম অসি চেকখায়রসনু
মদুদা ঐ লোৎচগে ।
হে বড়ায়ি উমংদা চাকপা মৈদি পৃথ্বিপূম্বা খঙ্ইদো
ঐগী থম্মোইনুংগী মৈদি
অতপ্পা ফৃসবগী মৈফমদা
চাক্রেদো তপ্পা তপ্পা ।
কৃষ্ণবু পামজবনা ঐগী থম্মোই কারেদো ।”
অশুম্না চণ্ডীদাসনা শকচৈ
বাসুলী চরন্দা কোক নোন্না ।

রাধানা হনুবীদুদা মাগীদমক কৃষ্ণবু থিবীরু হায়রম্মী । বড়ায়িনা মদু ঙম্নরোই অমসুং মদুগুম্বা ওক্তলমচৎ অমুক হন্না চৎলনু হায়না তাক্লম্মী । অদুবু রাধাদি থেম্বা য়াদ্রে , মহাক মশামক্লা কৃষ্ণবু থিবা থোরক্লে । হনুবী অদুসু তঙাই ফদনা মাগী নুংশিনবা থিবদা মতুং ইন্না চৎলকলে । অদুবু মখোয় মমায় পাক্লমদে ।

অহিংদা কৃষ্ণনা বাঁশি অমুক খোং অমুক লেপ তৌরকপদগী মহাক মিৎ কক্লা অমতা তূম্বা য়ারমদে । হনুবীদুনা অয়ুক ঙন্তা য়ৌরকপদদি রাধাদি অশিবগা পাংখক

ওই ৱাহ্নদুনা লৈরম্মী । বড়ায়িনা মমায়দা অঈংবা ঈশিং চাইশিনবদগী মহাক থুনা জ্ঞান তারক্লম্মী ।

বড়ায়ি হৌজিক্তি রাধাগীদমক থাঙ্গৈশেংনা নুঙাইত্রে অমসুং নুপীমচা অমবু ৱাহনবগীদমক কৃষ্ণগা ৱা তুপথোক্লগে লেপলে । মহাক্না কৃষ্ণবু যাদুনা শুক্ষৎলগা পুরক্তুনা কদম্ব পাম্বী মখোঙ্দা তুমহল্লম্মী , মাগী বাঁশিদু মনাক্তা তাদুনা লৈ । রাধানা বাঁশিদু লৌরগা মানাপুরিবা ঈশিং চফু মনুংদা হাপচিনখ্রে । কৃষ্ণ মিকপ থোক্লে বাঁশি লৈরমদ্রবদা মথৱাই য়াম্না নুঙাইহ্রমদে । অদুবু বাঁশি হুরানখিবসি রাধাদি খঙ্ই হায়বসিমদি কৃষ্ণসু থুনা খঙ্লম্মী । কৃষ্ণনা মাগী বাঁশিদু রাধানা হুরানবনি হায়বগী মরান শিরকপদু রাধানদি শুকয়া য়ারমদে অদুম ওইনমক কৃষ্ণনদি লেপ্তনা তকশিল্লম্মী । অমুকসু বাঁশি পুথোকপীরক্লবসু হায়জরম্মী মমৈদা অসুম্না লেপ্নরে মদুদি — কৃষ্ণ মশামক্না রাধাগী মফমদা লাক্লে হায়জরবা অমদি মানা পামজদবা থবক কয়া তৌরোই হায়না বড়ায়িগী মফমদা ৱাশক্লবদি মাগী বাঁশি অদু অমুক হন্না ফংগনি । ৱাফম অদুদা য়ানরবা মতুংদা বড়ায়িনা রাধাবু ময়ুমদা পুখ্রে ।

থা-কয়া হৌখ্রে , রাধাগা কৃষ্ণগাদি উনখিদ্রে । হৌজিক বসন্ত লাক্লে । রাধাদি মানা খাঙজবা ঙম্বগী অরোইবা ঙমখৈয়ৌরে । মানা অতৎপা লৈতনা হনুবীদুদা চৎলু অমসুং কৃষ্ণবু থিবীরু হায়রম্মী । বড়ায়িনা হন্না হন্না মদু ঙমজররোই হায়রম্মী । মাদি অহল ওইমনবনা মফম খঙ্দবা লম্বীদা সাংনা চৎপা ঙম্লরোই হায়রম্মী , কৃষ্ণগী লৈফমসু মাদি খঙ্দে । রাধানা মঙোন্দা কৃষ্ণবু থিবিবগী অৱামন ওইনা মনাখর পীরম্মী । মহাক্না বৃন্দাবনগী মনুং অমসুং অকোয়বদা অমসুং অথাপ-অথাপ্পা মানা লৈরম্বা য়াবা অমসুং লৈরম্লোইদবা মফম [১] কয়া তাক্লম্মী ।

"নঙ্না মফমশিং অসিগী মফম অমত্তদা মাবু ফংদ্রবদি গঙ্গাগী মপান্দা চৎলগ মফমদুদা থিবীর । মফমদুদসু নঙ্না মাবু ফংদ্রবদি সাগরগী য়ুমদা (নত্রগা সমুদ্র মপান্দা লৈবা য়ুমদুদা) চৎলু অমসুং ষনশেনবা সাগরদা (নত্রগা সমুদ্র মপান্দা লৈবা ষন থম্‌ফমদা)

---

(১)·মখাগী পরেংশিং অসিনা (য়ামদ্রবদা পরেংশিংসি ইবা) অইবা অদুনা কৃষ্ণগা চৈতন্যগা অমত্তনি হায়বা খঙ্ননবা অচেৎপা বারম ইরি । — "ভাগরথি কূল" "সাগরেরা" অমসুং "জগন্নাথ" হায়রিবা ৱাশৈশিং অসে অর্থ লৈতবা নত্তে । চৈতন্য নদিয়াদা গঙ্গা মপান্দা পোকখি । মহাকপুরীদা সমুদ্র মপানগী লৈকোম অমদা লৈরম্মী হায়বা খ্বাইপুম্বা খঙ্নৈ অমসুং মানা শিখিবসু জগন্নাথগী মশাদা তিনশিনখি হায়নৈ । মসিনা তাকপদি লাইরিক অসি খৃঃ ১৫৩৪ ইংগী মমাঙ্দা ইরম্বা নত্তে হায়বসিনি ।

য়াম্না মুন্না হংউ। নঙ্না মফমদুদা কৃষ্ণবু ফংদ্রবদি লম্বীদা চৎলিবা মী খুদীংমক্তা হংউ অদু ওইরবদি জগতকী মপু (নত্রগা জগন্নাথ) কদাইদা লৈবগে হায়বগী পাওদি শোয়দনা ফংগনি।"

বড়ায়িনা খুম্লম্মী - মাদি অদুক থাপ্না চৎপদি ঙম্লরোই। রাধানা মাবু মথুরা ফাওবতদি চৎপীরু মদুদা মাবু শোয়দনা ফংগনি হায়রম্মী। কৃষ্ণদা মানা চৎখিবা লমচৎ-ব্যবহার অদুগীদমক বড়ায়িনা মাবু চৈরম্মী। অদুবু রাধাদি হৌজিক্কী মাগী অৱাবা অদুতবু হন্না হন্না হায়রম্মী। রাধানা তকশিল্লকপা অদু খাঙবা ঙমদ্রদুনা বড়ায়িনা নুপীমচা অদুগা লোয়ননা মাগী পল্লেপফম লৈতবা নুংশিনবদু থিবা থোরক্লে। মখোয় অনি কদম্ব পাম্বী মখোঙদা কৃষ্ণনা খ্বাইদগী হেন্না পামজবা পোথাফম অদুদা লাক্লে অমসুং য়াম্না লাঙ্তক্না কৃষ্ণবু ঙাইরম্মী।

নুমিৎ তাখ্রে অহিংওইরক্লে। মপি ঈরা চেল্লবী রাধাদি হৌজিক ফাওবা ঙাইজরি, হন্নুবী অদুদা হৌখ্রবা মতমগী ৱারীশাদুনা মিৎলুগী পিরাং শিন্থরী। অসুন্না অহিংদু হৌখ্রে-মথংগী অয়ুক্তা বড়ায়িনা রাধাবু বৃন্দাবনদা পুবিরে অমসুং মফমদুদা ষনশেন্দুনা লৈরিবা কৃষ্ণগা থেংনরুরে। ৱামনখিবনা লাইবকথিবী রাধাদো ৱান্থরম্মী অদুগা বড়ায়িনা মাবু থুনা জ্ঞান তাহন্খি। হৌখিবা মতমদা মাবু থৌওইরুদবগী মরালদো রাধানা নোল্লুক্না য়াজখি। অদুবু কৃষ্ণনা মানা হায়রিবদু থৌওইহ্না তাবিরমদে অহোইনদুম য়াম্না থৌওইদনা ঙাঙ্শক্রম্মী। রাধানা হন্না হন্না হায়জখি – "ঐবু ননাক্তা অমুক্তা ফমহন্নবীয়ু।" কৃষ্ণনা খুমখি —"ইনাক্তা নকশিল্লক্নু মীনা থীনা ঙাঙ্নখিনি। নঙনা লৈরিবা মফমদুদা অদুম লৈরগা ঐনা হায়রিবসি তাও। ঐনা তশেংনা খঙ্লে - ফত্তবা মতম থাঙ্গৈশেংনা লাক্লে। নঙগী নপুরোইবগী মচিনমনাও থোকপা অমগা নঙ্না ঙাঙ্নবগী ৱাখল অমুক খল্লুরগনু"। রাধানা হায়খি ঃ— "অমুক্তদি ঐগী মায় ঙাকপীয়ু। অমুকদি ঐবু নুংশি চিল্লোক্নবীয়ু, ঐবু কন্নবীয়ু।"

কৃষ্ণনা খুমখি ঃ– "ঐদি হৌজিক যোগী ওইরে। অহিং নুংথিল অনিমক্তা ঐদি যোগ সাধন তৌদুনা লৈরবনি। ঐসী পুক্নীংগী ৱাখল পুম্বা অমসুং হকচাংগী মচি ওইবা পুম্বা চপলেপ্তুনা লেঙদনা লৈরবনি। ঐদি থম্বালগী লেম্মুদগী খোইহি থকই অদুনা হৌজিক ঐঙোন্দা ব্রহ্মজ্ঞান লৈরবনি। মীশুম্বী মিহৌহন্নবী রাধা চৎখ্রো থাপ্না। নঙনা ঐবু নংশিবদো অরেম্বনি। হকচাংগী-ময়ায়দা চেল্লিবা শিংলি অহুম ইরা পিঙ্গলা সুসুম্নাবু

ঐনা পুল্লপ পূনশিল্লবনি অমসুং মদুগী মনুংদা পুক্লীং অমসুং স্বরবু ফাজিন্দুনা লেঙদনা থম্লবনি । তরাশুবা থোঙসু মপূং ফানা থিংজিল্লবনি । ঐহাক হৌজিক যোগগীলম্বীদা চৎলবনি । নুংশিবগী তেন অদু অশেংবা জ্ঞানগী তেন্না ককথৎখ্রবনি । মরম অদুনা ঐদি হৌজিক নহাক্কী ইনখৎলক্লিবী নহা ওইরিবী হকচাংগী ফজবনা পাখৎহন্নবগী ৱাংমদা লৈরবনি । ঐদি শদোংগী অপাম্বদু লৈত্রবনি। পৃথিদা লৈরিবা পুম্বসে কান্নদবা ঙাক্তনি হায়বসি ঐদি খঙলবনি ।" অসিগুম্বা থম্মোই কায়রবা ৱাহৈশিং অসি হায়রম্লগা কৃষ্ণদি তুমিন্না যোগ আসন তৌদুনা ফমখ্রে । রাধানা হায়খি - হৌজিক কৃষ্ণনা যোগী ওইখ্রবনিনা মাসু ময়ুম থাদোক্তুনা মাগী লোইনবী মনাই নুপী যোগীনি ওইবনা হেন্না ফরে । রাধানা হায়রকপা ৱা অসিমদি কৃষ্ণনা ককপা ঙম্লমদে অমসুং মহাক্লা মাদি অচম্বা যোগী নত্তে- - "অবতার" (শায়োন)নি হায়খি কৃষ্ণনা হায়রিবা ৱাসিদা রাধানা য়েৎকে হায়না করিসু খল্লুবা লৈতে অহোইনদুম মানা হায়জরিবদি মহাকপু অমুক্তা ওইরবসু নুংশি চিল্লোক্লবীয়ু হায়বসিনি । কৃষ্ণনা মদু থৌওইনা তারমদে অহোইনদুম মাগী হান্নগী হৌখ্রবা মরাল কয়া অমুক হন্না হায়রম্মী । রাধানা হায়খি কৃষ্ণনা মাবু নুংশি চিল্লোক্লবিদ্রবদি মহাক মথৱাই থাগনি অমসুং নুপী হাৎপগী পাপ মহাক্লা পুগনি । কৃষ্ণ হৌজিক পেৎথরকলে অমসুং হায়খি—" য়াম্না ফরে করিগুম্বা বড়ায়িনা য়ারবদি।" হন্নুবী অদুনা মরক থৎলক্লিফাও মখোয় অনি ৱারী শাংথরম্মী । বড়ায়িনা অহানবদদি রাধাগী ৱাফমদু য়ারমদে অদুবু মমৈদদি মা সু য়াবা তাখি । রাধানা বড়ায়িবু মাগী ৱাফমদু লৌখৎহন্নবা হোৎনরিঙৈদা কৃষ্ণদি মাঙথোকখ্রে । নুপীজা অনিদু অমুক মখোঙনা চত্নুনা কৃষ্ণবু থিরকপদা ৱামনখিবনা মশাপুম্বা পুংচোক চোকথরক্লবা মতমদা নারদ মুনি থেংনরুরে অমসুং কৃষ্ণ কদায়দা লৈবগে হংলুরে । নারদ মুনিনা যোগ আসন্দাফমথরগা ধ্যান তৌরগা খুম্লকখি —"কৃষ্ণদি বৃন্দাবনগী শুক্লবা উমং অমদা কদম্বা পাম্বী মখোঙ্দা লৈগী শয্যাদা চেপ্তুনা লৈরে — নখোইনা মাবু উনজগে হায়রবদি মফমদুদা চৎলো।"

মখোইনা চুমদ্রিং চুম্না মফমদু তান্না চৎলম্মী অমসুং অথাপ্পদগী কৃষ্ণবু উখি । কৃষ্ণবু উবমক্তদা চোকথরবী রাধাদু অমুক্তা হেন্না ৱাহনখ্রে জ্ঞান মাঙদুনা লৈমায় থক্তা ৱাহখ্রে । জ্ঞান অমুক লাক্লবদা রাধানা হন্নুবীদুবু মাগী ফিভম পুম্বা তম্লুনবা অমসুং তৌফম থোকপা থবক পুম্বা পায়খৎপীয়ু হায়রম্নবা কৃষ্ণগী মনাক্তা থুনা থাখি । বড়ায়ি কৃষ্ণগী মনাক্তা লাক্লে অমসুং নুংশিবিফম থোক্লবী রাধাগী মওং পুম্বা তম্লরে ৱাহৈদি জয়দেবগী

মরি লৈনবা ঈশৈ অনি "স্তনবিহিতম অপি হারম" "অমসুং নিন্দতি চন্দনম ইন্দু কিরন মনু বিন্দতি খেদম" অসিগী অর্থ হন্দোক্লগা হায়বনি। কৃষ্ণনা মানা হায়রিবদু পুক্লীং চঙ্না তারম্মী অদুদগী মোমোন নোক্লা হায়রকই – "মহাক মতাচানা ফজনা ফিজেৎ লৈতেংদুনা লাকহল্লু অমসুং ঐগী ইনাক্তা ফমহল্লু। ঐনা মাগী ফন্নবতা তৌগনি।"

হায়রিবা অদুম্না শেম শাদুনা রাধাসুলাকলে অমসুং কৃষ্ণনা মাবু ঙমখৈ লৈতনা চানবীরম্মী। মখোয় অনি উনরে অমসুং অতৈপুম্বা লোইনা কাওখরে। হৌজিক চোকথরবী ব্রাজরবী রাধাদো অকংবা উনাগী ফমুংদা কৃষ্ণগী মতম্বাক্তা মোন খাঙ্না হিপ্পুনা পোখাজরে। চোকথমনবনা রাধা কন্না হেক্তা তুমথখরে। মতম অসুক কুইবসে থাপতক্লা উদি উবা মফমদা বড়ায়ি অদুম লৈরম্মী। কৃষ্ণনা মহাকপু মনাক্তা লাক্লবা মখুৎ হত্তুনা কৌরম্মী অমসুং মনাক নকশিল্লক্লবা মতমদা হায়খি— "নঙ্না হায়বাপুম্বদু ঐনা লোইনা তৌরেদো। হৌজিক্তি কায়ননবা য়াথংপীরো। নুমিৎ অসি তাশিল্লকলে নখোয় অনি বন অসি থুনমক থাদোকখ্রো ঐনা নঙোন্দা হায়খিবা ৱাদুদি ঙাক্লেদনা অদুনা হৌজিক্তি ঐনা হায়বসু য়াবিগদবনি। ঐহাক মতম পুম্বগী ওইনা বৃন্দাবন থাদোক্লগনি অদুনা নঙনা রাধাবু য়েংশিনবীগদবনি।" অসি হায়রগা কৃষ্ণনা তুমলিবী নুপীমচাদুগী মকোক অদু মতম্বাক্তগী তপ্পা থাংথবীরে অমসুং মথুরা তন্না চৎখরে।

রাধা মিকপ থোক্লকলে মনাক্তা কৃষ্ণ লৈরমদ্রবদা কপ্পক্লে। মহাক্লা হন্নুবীদুবু চৎলু অমসুং কৃষ্ণবু মনাক্তা অমুক পুবীরকউ হায়রম্মী। বড়ায়িনা হায়খি- হৌজিক থেঙলে মমশিল্লকলে অদুনা মখোয় য়ুমদা থুনা হন্নখিবনা ফরগনি। মানা মখা তারম্মী মদুদি মখোই অনি হৌজিক চান্নরবনিনা কৃষ্ণনা মাবু অয়ুক্তা শোয়দনা উন্নরগনি। অসুন্না থেন্নগা বড়ায়িনা নুপী মচা অদুবু ময়ুম য়ৌনবা শিনখি।

নুমিৎ কয়ানি হৌখ্রে অদুবু কৃষ্ণদি রাধাগী মনাক্তা লাকখিদ্রে কালেন্থা লোইখ্রে নোংজুথা লাকলে। রাধানা বড়ায়িদা মাগী হায়বা ইন্দ্রবা নুংশিবদুবু চত্তুনা থিবীরু হায়না তক্লরম্মী। মানা তেংথাজখি ঃ–

"কদম্বা পাম্বীশিংসে অশাৎপা লৈগী অরুম্বনা কোন্থরে
অদুবু নৌরিবা ঘনশেন্নহাদুদি অমুকহন্না হল্লক্তরে
কয়া কুইনা লোৎখিনি ঐগী ঈহৌরক্লিবা থবাকসে ?

ঐগী থম্মোইকল্লবা নুংশিবদুনা ৱা অমফাও হায়বীরমদে ঐঙোন্দা
হায়য়ুনে বড়ায়ি, কনানা থুগাইরিবনো ঐখোইনিগী অঙাং ওইঙৈদগী
নুংসিনজরকপা

ঐগী থৱাইগী মবুঙোদো ইনাক্তা লাকপীদ্রে।
বড়ায়ি, মুখৎলগে ঐগী লাইবক্কী সিন্দুরসে[১]
মচেৎ মচেৎ থুগায়রগে ঐগী মোইবুং খুজি[২]
কৃষ্ণ কায়নরবা ঐগী থম্মোইসে চাক্লে মতমচুপ্পা;
হৃগী তেন্না পাল্লবা তপ্পা তপ্পা শিরক্লিবা শজি অমোমগুম্লে ঐসে;
মরাইবক ফরবী অতৈ গোপীশিংদি লৈরি নুঙাইনা
খঙজদেনে ঐহাক বিধিনা করিগী অশুকৱানা তশ্বীরমলিবা
অহিংদসু নুংথিলদসু খঞ্জে ঐনা কৃষ্ণতবু, মাগী শুন্দৎ শক্তম
অদুবু অকনবা নুংনা শাবনা ঐগী থম্মোইদি কায়দ্রি
কালেন্থা (জৈষ্ঠ্য) হৌখরে হৌজিক নোংজুথা (আষাঢ়) হৌরে
খাথংবা লমদমদা অমুবা নোংনা মঙ্গল্লক্লী ৱাংনা
হৌজিক ফাওবা য়ৌরক্ত্রি নন্দগী মচা তমথিবদো
অসুম্না হায়জৈ চণ্ডীদাস বাসুলীবু লাৎচরিবা।"

মথংগী থা মরিসিদি চথোক চৎশিন খুদোং চারোইদবনিনা তুমিন্না খাঙদুনা লৈখো হায়না বড়ায়িনা রাধাদা হায়রম্মী। "অসুক কুইনা কৃষ্ণবু অমুক্তসু উনদনা লৈবা খাঙ্ঙমলোই" হায়না রাধানা বড়ায়িদা হায়খি। মানা মখা তারকই ঃ—

থৱান থাদা অতিয়া নৈচিলনা কুপশিল্লি
অদুবু ঐঙোন্দদি অহিং নুংথিল অনিমক অমম্বনি,
ৱাহোং হঙোই পোরোবী অমসুং উরেম্বীদি
ঙাইহাক্তা তুমিন্না লৈতে।
কৃষ্ণবু উনদ্রবদি ঐগী থম্মোইদি কায়রনি

(১) (২) নুপীনা লাইবক্তা সিন্দুর নম্বা অমসুং খুজি শিবদিনা মাগী মপুরোইবা হিংনি হায়বা খঙনৈ।

লাংবন থা লোইরকপদা অতিয়া লৈচিল থাংদরে ;
মখোয়গী মহুত্তা লৌবুক লমতাং থল্লে
শাৎকায়বা কাশা চরোংনা
মতমদুদদি ঐগী পুনসি মপূংফানা ওইরনি অরেম্বা ।।

রাধানা বড়ায়িবু মথুরাদা চৎপীরু হায়না তক্করম্মী । মফমদুদা কৃষ্ণ লৈরম্বা য়াই । মানা শিরিবা খুদোপ অদুসু কৃষ্ণনা অশেংবা পাওনি খঙনবা অমসুং বড়ায়িগী অচৎমনসু ওইনবা পীরম্মী । য়ানীংদা য়ানীংদা বড়ায়িসু য়ারম্মী ।

বড়ায়ি মথুরাদা লাক্লে অমসুং কৃষ্ণ উনরে অদুবু কৃষ্ণনা তশেং তশেংনা মঙোন্দা হায়রম্মী মদুদি মহাক রাধাবু অমুক হন্না নুংশিদ্রে । কৃষ্ণনা য়াম্না ব্যবহার তৌনা হন্নুবীদু অমা অমা তৌদুনা লৈথোক্তনা য়ুমদা থুনা হনখিনবা হায়জরম্মী । কৃষ্ণগী ৱাঙাং খোন্দাদু বড়ায়িনা পাম্লমদে। মানা হায়খি ঃ– "নঙ্গী নতৌ অসি ঐ খঙবা ঙমদে । নিসু নিরুদনা লেম্না থকউ হায়না পীরকপা অমৃতবু নঙনা থৌওইদ্রে ; মরাইবক থীরবী নুপীমচাদু কদৌনুংদা নঙনা হায়বা ইন্দবা তৌররোই । ঐবু খরদি থাজৌ মাগী মনাক্তা হল্লকখো । ঐনা হায়বসি ইন্দ্রবদি নহাক তুংদা নীংঙমজরক্লোই । মতম অমদদি নহাক চিলহাও য়াম্না থিরম্মী হৌজিক্লা করিগীনো নঙনা চা মাং চানীংলিবা ? সনাগী পাত্রদি কায়রবসু লায়না মেনবা য়াবনি অফবা মীগীদি নুংশিবসু অদুমঙাই । ফত্তবা মীদি থাজনিঙাই ওইদে , মাগী নুংশিবদি লৈবাক্কী চফুগুম্বনি । রাধানা আ-দা ময়ুমদা অদুগা নঙনা শিদা-মথুরাদা অদুগা নখোয় অনিগী মরক্তা ৱারবী চোকথরবী হন্নুবীঐনা য়েন কাঙদ্রুমগুম হঙ্গৎ-হন্দা চৎলি ।"

কৃষ্ণগী থম্মোইদি পেৎলে অদুবু মতৌদি হোংবা লৈতে । য়াম্না তপ্লবা খোঞ্জেন্না মাগী ফিরেপ্তু অমুক হন্না হায়রকই । রাধাগা অমুক হন্না উনবা ওইথোক্তবনি , মাগী অথিবা ৱাহৈশিং অদু মতম কয়াগী মমাঙ্দা হায়খ্রবসু থম্মোইদদি হৌজিক ফাওবা নিন্দুনা লৈরি । মহাক্তি ষনশেনবসিংগী লৈফম গোকুল অদু মতমপূম্বগী ওইনা থাদোক্লম্লবনি । থৌজিক্তি কংসবু মাঙহল্লবগী লম্বীদা চঙশিল্লবনি ।

খুৎই লাইরিক অদু সিৱাইদা লোইরে অদুগা কৃষ্ণগী ৱাঙাংগী লেমহৌরিবা শরুক অমসুং মদুগী মতুংদা ওইফম থোকপা ৱারোল কয়া য়াওখিবা মথংগী চেনাশিংদো ঐখোয়গী খুক্তী মাঙখ্রে।

# শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তননা পীরিবা সমস্যাশিং
# অমুক হন্না খন্নবা

খর হন্থবা থাক্কী চন্না নুংশিনবগী খোলৈ খোন্দা অমদি তশেংনা ফোঙ্ ফোঙ্ শাহ্নবা, করিগুম্বা কান্দা অকামপেৎনা থল্লবা খোলৈখোন্দা য়াওবগী মতাংদা শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন অসি অতৈ অতোপ্পা অরিবা বাঙ্গলা কবিতাশিংদগী পূমতোপ তোপই। মসি কৃষ্ণগী লীনরকপা চৎনরকপা ৱারীদা লিরবনি হায়বা খঙননবা প্রমান্নি হায়বসিদি পণ্ডিত অপূম্বনা ফোংনা হায়দি হায়দোক্তনা য়ানরবা ৱাফমনি। অদুবু মসি করিগীদমক ওইগদৌরিবনো ? জয়দেবগী ঈশৈশিং করিগুম্বা মফমদা অসিগুম্বা অচম্বা হন্থবা থাক্কী খক ওইদে অদুগা ভবানন্দগী "হরিবংশ" হায়বা কৃষ্ণনা রাধা অমসুং অতৈ গোপীশিংগা লোইন্ননা শান্নবা প্রেম লীলাগী অতোপ্পা ৱারী শৈরেং অসিনা মতাং অসিদদি শ্রীকৃষ্ণ কীর্ত্তনদগী শাথিনা হেল্লি। জয়দেব তরানিথোইশুবা চহিচাদা লৈরম্বনি অদুগা ভবানন্দগী লাইরিক অসিদি ঙল্লবদা তরা তরেৎশুবা চহিচাগী অহানবা তংখাইদগী হেন্না ঙনখৎপা শুকঙম ঙমদে। অদুবু ষনশেন্নহা ওইনা শান্নরিবা ভগবান্না ইরাং কাইহৌবা ঈশৈ কয়া অতেনবা ওইরবসু অশাংববু ওইরবসু সংস্কৃত বাঙ্গলা নত্রগা আৱাথ-দা ইরম্বা লাইরিক অমদি শোয়দনা লৈরমগনি। তরাতরুকশুবা অমশুং তরা তরেৎশুবা চহিচাদা হিরম অসিদা ইবা অইবা কয়ামুক্না মসিপল্লম্মী অমসুং ভবানন্দগী কবিতাদা মসি তশেংতশেংনা ফজনা য়াওরি অমসুং মসিবু ভবানন্দগী শৈরেংনি হায়না অদুমখঙনৈ। (অদুবু হরিবংস হায়বা লাইরিকসিবু পল্লম্বা অইবা অমক্তনা মসিবু শুকউ উরমদবসু ওইবা য়াই)। ভবানন্দ অৱাংনোংপোক বাঙ্গলাদগীনি অমসুং মাগী কবিতা অসি শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগুম্না ঈশৈ শৈরেং কয়ামুক য়াওরি অদুবু শৈরেংশিং অদুগী মরক্তা অমগা অমগা শমজিন্ননবা সংস্কৃত শ্লোক্ য়াওদবনা শ্রীহট্ট অমসুং চট্টগ্রামগী পাঙলশিংনা য়াম্না পামনৈ। শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী খুৎই লাইরিক অসি বাঙ্গলাগী খা-নোংচুপ খমথেংবদা লৈবা বাঁকুরা জিলাগী ময়ায়মক্তা ফংলুবনি। অদুবু খুৎই লাইরিক অসি কদাইদগী পুথোরকপনো হায়বদুদি ঐখোয় খঙ্দে। ঐখোয়না মথক্তা হায়খিবদুনি লাইরিক্কী লাপান্দা ইশিল্লম্বা অদুদা পাঙন নুপা অহুমগী

সহি অমসুং-পার্সি ময়েক্লাইবা পাবদি থোক্তিবা শৈরেং পরেং অমগা য়াওই । মসিনা খুৎই লাইরিক অসি মতম অমদা পাঙনশিংগী ওইরম্মী হায়বসি প্রমাণ তৌই ।

শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনদা শিজিন্নরিবা ময়েক নত্রগা লোন্দা অসিদা মসিগী হৌরকফম লমদমবু চপচানা খঙহন্নবা য়াবা অমত্তসু য়াওদে । ময়েকশিং অসিনা "র" নওনা লম লমগী ওইবা খেন্নবা মওং অমত্তা উৎতে । অদুগা "র" অসি অয়াম্বা মফমদা ময়াইককপী "ৰ" শিজিন্নে । মসিদি আসামী অমদি অৱাং অমসুং নোংপোক বাঙ্গলাগী ময়েক্কী শক্তমনি । লোন্দাদি আসামীগা য়াম্না নক্নবা খর য়াওই অদুবু উরিয়াগা নক্নবনা হেন্না মশীং য়াম্মী ।

অহানবা হেক য়েংবদা শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী লোন্দা অসিগী ব্যাকরণ অসিনা 'চর্য্যা' ঈশৈশিং খর নক্না অতে অতোপ্পা অখঙবা লাইরিক কয়াদগী মসিনা হেন্না লিরে হায়না অপাবশিংবু থাজহন্নগনি । অদুম ওইনমক মসিগী খোন্থোক্কী মওং অমসুং ৱাহৈগী মওং পুম্ববু পুন্না য়েংলুরবদি ঐখোয়না মসিবু অঙনবা মতমগীনি হায়রুবদা খর লুনা থোকই । লোন্দা অমসুং শৈদাদা অথেঙবা মতম অমদি হৌজিক্কী যুক্তী ওইগনি হায়বগী ককপা য়াদ্রবা প্রমান কয়ালৈ । আর্বী অমসুং পার্সি লোনগী ৱাহৈ খজিক্তা নওনা ইন্দো-আর্য্য লোনগা পার্সি লোনগা য়ান্নবা ৱাহৈ অমা অনিসু য়াওরি । বানানদি অরিবনি অদুবু মসিনা থাঙ্গৈশেংনা অথেঙবা মতমগী ওইবা হায়দোকপগী মওংবু খুমজিন্দুনা থম্বদি ঙমদে । তরাতরেৎশুবা চহিচা লোইরকপা অমসুং তরানিপানশুবা চহিচা হৌরকপগী মমাঙদা নৈরমদবা স্বর ময়েক্কা চা-নবা চপচানা উৎপা মওং খজিক্তা নত্তে য়াওরিবা ।

অহুমশুবা অরুবা অমনা সংস্কৃত শ্লোকশিং অদু বাঙ্গলা মাত্রা য়েংনা লৌখৎ-পদা থেংনৈ । সংস্কৃত শ্লোকশিং অসিনা চত্থরিবা ৱারীগী চাওরাকপা মওং তাকই অদুগা বাঙ্গলা ঈশৈসিং অদুনা কুম্মে অদু মপুং ফাহল্লি । শ্লোক অয়াম্বা য়াম্না ফজে অমসুং অইবা অদু হৈতবা কবি নত্তে । কবিতা অসিগী হান্নগী মওংদদি য়াওরিবা সংস্কৃত শ্লোকশিং অসিনা ঈশৈশিং অদুগী অমগা অমগা সমজিন্ন হন্নবগী থবক তৌবশুমই । মসি "গীত গোবিন্দগী" নোম্নাদা শেমগৎলম্বা ওইরম্বা য়াই । অদুবু ঈশৈশিং অসিদি সংস্কৃত লোন্দা ইবা নত্তে । নাকল অসোমদগী য়েংলবদি ঐখোয়গী খুত্তা য়ৌরক্লীবা শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন অসি য়াম্না শেগায়রবা , অৱাংপা কয়ানা থল্লবা অমদি মশক ওন্থোক্লবা কয়া অমসুং অনৌবা হাপচিনবনা হঙ্গিন হন্নজিনবসু য়াওরবা অমনি ।

করিগুম্বদা শৈবাংবা ঈশৈ অমা (নত্রগা ঈশৈশিং) য়াওদে ; খুদম ওইনা হায়রবদা অহানবা পন্দুপ "জন্ম খন্ড" অসি শ্লোক অনিখক্তদা লোইশিল্লি , য়ামদ্রবদা শৈবাংবা শৈরেং অনিদি য়াওফম থোকপনি । খ্বাইদগী হেন্না তাবদা নুঙাইবা শরুক "ধান খণ্ড" অসি কাহেন্না পাকথোক চাওথোক হনবতা নক্তনা হাইফেৎ মান্নদবা ৱারী অনিখক পূন্না হেজিন্না হাপচল্লে । অসুম্না হেজিন্না হাপচিল্লকপশিং অসি অয়াম্বা মতমদা ময়েক শেংদে অমসুং তশেং তশেং হেক ওন্নতৈননা হায়বা কয়াসু য়াওদবা নত্তে । খুদম ওইনা হায়রবদা ইরোই লোইবা পন্দুপ "রাধা বিরহ"দা অহানবদা অসুম্না হায়-- মদুদি রাধানা কৃষ্ণগী মতম্বাক্তা মোন খাঙদুনা তূমলিঙেদা কৃষ্ণনা খর থাপ্তক্লা লৈবা বড়ায়িগী[১] মনাক্তা লাকখি অদুগা মঙোন্দা মাগী অনীংবদু হায়খি অদুদগী মানা হায়গদবা হায়রবা তুংদা মানা য়াম্না তপ্না রাধাগী মকোক অদু মাগী ফৈরুদগী থাংথরে অদুগা মফমদু থাদোক্তুনা মথুরা[২] চৎখ্রে ।

শৈরেং অসিবু পন্দুপ (শরুক) কয়ামুক থোক্লা খায়দোকপা অসি হান্নগী মশামক্কী মান্দে । অমা অমা ওইরবসু হোংদোক হোংজিন তৌবা অমদি মথং মনাও অমুক শেমদোক শেমজিন তৌবা খরদি লৈরে অমসুং মসিনা খর থেংথবা মতমদা মতীক চাদবা মীনা সম্পাদন তৌবনি হায়বা তাকই । খুদমদি অহানবদা "যমুনা" হায়বা পন্দুপ "যমুনা খণ্ড" অদু মমৈদা ইকোমকোম্না কালীয়দমন , যমুনা অমসুং হার হায়না কৌদুনা তোঙান তোঙানবা পন্দুপ অহুম থোক্লা খায়দোকখি । "বৃন্দাবন" হায়বা পন্দুপ মপূম অসিমা ইকোনকোন্না চাওথোকহনবা নত্রগা হাপচিনবা ওইবা য়াই অদুগা মসিসু য়াম্না হৈশিংদনা তৌবনি ।

মরিশুবা অরুবা অমনা "ভনিতা" হায়দুনা কবিগী মমিং ঈশৈ খুদীংগী মমৈদা হেক হেক য়াওরিবা অসিনি । মিংঅসি "চণ্ডীদাস" নত্রগা "বড়ু চণ্ডীদাস" (য়াওবগী চাংদি ২ : ৩ গী চাংচৎনি) , নত্রগা , "আনন্ত (নত্রগা অনন্ত) বড়ু চণ্ডীদাস হায়না তরুক্লক য়াওবগী মনুংদা অমুক খক্তংদি "অনন্ত নামে বড়ু চণ্ডীদাস" (অনন্ত হায়না কৌবা বড়ু চণ্ডীদাস) হায়না য়াওই । আনন্ত হায়বা মিং অসি শৈরেং অসিগী অয়াম্বা মফমদা ফজনা য়াওই অদুনা মসি থৌওইনা হাপকে হায়না হাপচিল্লকপা মান্দে । মরম অদুনা ঐখোয়না অচান মীরায় নাইদনা "আনন্ত" হায়বসি কবি মশামক্কী মমিং অদুগা "চণ্ডীদাস" / "বড়ু চণ্ডীদাস" হায়বসিনা কবিগী ময়াম্না থোনবা নত্রগা মশানা কৌজবা মিং নত্রগা থবক্কী মতুংইন্না

(১) "বড়ায়ির পানে কান্হু করিলা গমন" (ক্না বগী নাক্তালাকখি)

(২) "ধ্রির ধ্রির করি রাধার শিয়রের উরু কানহি" (তপ্না তপ্না অমদি ঈংনা মোংহাদনা হোৎনদুনা মহাক্লা মাগী ফৈরুদগী "রগী" মকোক থাংথরে)

খ্বাইনা খঙনবা মিংথোল নত্রগা সম্পাদক্কী হায়না লৌরে। (করিগুম্বা সম্পাদক অমা লৈরম্লবদি লাইবক চাং য়েংদুনা ওইরম্বায়াই হায়না ঐনা হায়নিংবদি মহাক অসি অদ্বৈতগী শিষ্য অনন্ত আচার্য হায়বা শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী শৈদাদা "দান" গী থৌদোক্কী শৈরেং ঈশৈ ইরম্বা নুপা অদুনি)

মসিদা য়ানিংদবা অয়েৎপা অমা থাঙ্গৎলকপা য়াই ঃ— মদুদি "চণ্ডীদাস" হায়বা মিং অসি করম্না ময়াম্না থোনবা মিংথোন নত্রগা থবক্কী মতুংইন্না থোনবা খ্বাইনা খঙনবা মিং ওইগদৌরিবনো ? মদুগী পাওখুমদি লৈরিবসিগী মতুং ইন্নদি অনন্ত (আনন্ত) হায়বা মিংসিগা লোয়ননা শোয়দনা হেক হেক শিজিন্নবা অসিনি। অদুম ওইনমক য়েৎথলিবসিগী অচুম্বদি চুম্নগি মিং অসিতনা নত্তে মিং অনিমক কৌবা তশেংবা মী অমা লৈরম্মী হায়বা প্রমান অদুনা ওইগনি। "বিদ্যাপতি" "ব্যাস" হায়বগুম্না "চণ্ডীদাস" হায়বসি উপাধি নত্রগা মশানা লৌজবা মিং অমদি কলমগী মিং নত্তে হায়বগী করম্বা চপচাবা শোয়দব্রা লৈবগে ? ঐখোয়না অরিবা উরিয়া কবিতা ইবা "শরলদাস" কসু চাংদম্লবা য়াই। "ভনিতাদা" শোয়বা লৈতনা য়াম্না ইকাইখুম্ননা পল্লিবা লাইরেম্বী "বাসালী" (চণ্ডীগী অতোপ্পা মিং) অসিনা চুম্নগী ব্রাহ্মণোক্তা "চণ্ডীগী মনাই অমা" হায়বনি। শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনদা হেক হেক য়াওবা "ভনিতা" মখল অহুমগী পরেং খর মখাদা পীরি ঃ—

"গায়লা, বড়ু চণ্ডীদাস বাসালি গণ" (১)

(বাসালীগী মনাই বড়ু চণ্ডীদাসনা শকচৈ)

"গায়লা বড়ু চণ্ডীদাস বাসালি বর"

(বাসালীগী অখন্নবা তুংইনবা মনাই বড়ু চণ্ডিদাসনা শকচৈ)

"গায়লা বড়ু চণ্ডিদাস বাসালি গতি" (১)

(বাসালীগী মীয়ামলক্তা য়াওরিবা বড়ু চণ্ডীদাসনা শকচৈ)

হৌজিক মশামক্কী মমিং অনন্ত নত্রগা আনন্ত য়াওবা ভনিতা পরেং খর অমুক খন্নসি ঃ—

"মাথায়ে বন্দিয়া বাসালি পায়ে
আনন্ত বড়ু চণ্ডীদাস গায়ে।"

(বাসালীগী চরন্দা কোক্লা শোক্তুনা আনন্ত হায়বা বড়ু চণ্ডীদাস অমনা শকচৈ)

"আনন্ত নামে বড়ু চণ্ডিদাস গায়লা

---

(১) "গন" অমসুং "গতি" হায়বা ৱাহৈশিং অসি— লম্বী খোঙ্লম্বী হাক্সবা (অরানবা খুভম ফংলবা) হায়বসু খঙ্নৈ। ঐনদি "গতি" হায়বা ৱাহৈসি সংস্কৃতকী ৱাহৈ গোত্রিকা (হায়বদি শাগে জাৎ অমদা পোকপা) দগী শেমদোরকপনি হায়না লোই।

দেবী বাসালি গণে ।"

(আনন্ত হায়না কৌরবা বাসালিগী তুংইনবা মনাই বড়ু চণ্ডীদাস অমনা শকচৈ)

ঐখোয়না আনন্ত হায়বসি মশামক্কী মমিংনি হায়না লৌরবদি "বড়ু চণ্ডীদাস" হায়বসে ইরায় লায়না শন্দোক্পা তাকপা য়ারে । অদুগা শন্দোক্পা তাক্লিবা অসিনসু শৈরেং অদুগী মশাগীহান্নগী মওং মতৌ অমসুং কবিনা তৌরম্বা মথৌগী মরমদা খর খঙবা ঙম্লগনি ।

"বড়ু" হায়বা ৱাহৈ অসি লীলা য়াওবা মী কলাকার নত্রগা ইমুং অমগী নত্রগা শিনফম তিন্নবা কাঙলুপ অমগী মকোক ওইবা মী হায়বনি অদুগা "চণ্ডীদাস" হায়বসিনা লাইরেম্বী চণ্ডী নত্রগা বাসালিগী লাইশঙ নত্রগা সংস্থান অমদা থবক তৌরিবা মীঅদুবু হায়বনি । খৃঃ ১২৭১দা অরিবা উরিয়াগী নুংদা হক্তুনা ইরম্বা অমদা জগোই শাবা লীলা তৌবা নটুৱা ইমুং মনুং কাঙলুপ অমগী ৱা পল্লি । মখোয় অসি কলিঙ্গগী সিমাচলদা লৈবা নৃসিমহগী লাইশং অমগী ওইনা থম্লম্মী । খ্বাইদগী মথক থোংবা মেম্বর অদু মখোয় খ্বাইগী ময়াম্বা অহল "বড়ু" নি । অসিগুম্বা জগোইশাবা লীলাতৌবা কাঙবু কয়ামরুম বাঙ্গলা লৈবাক্তা জয়দেবগী তুংদা চহিচা কয়া লৈরম্মী হায়না ঐখোইনা লৌবা য়াই (জয়দেব মশামকসু চিংনবা লৈতনা অসিগুম্বা ইমুং মনুং কাঙ্লুপ অমগী মকোক ওইরম্মী) । অসিগুম্বা কাঙবু "চণ্ডীনা" মখোইগী লাইরেম্বী ওইবা (বাসালীগন) অদুবু মখোইনা হেক হেক শকপা কৃষ্ণলীলা ঈশৈগী ভনিতাদা হেক হেক য়াওবদগী চণ্ডীদাস হায়না খঙনরম্মী । ঈশৈ নত্রগা কবিতা অদুসু মখোইগী মরক্তা অহল ওইবা মকোক থোংবা অদুনা মশানা নত্রগা মাগী মমিংদা লেংলম্মী । অসিগুম্বা মকোক ওইবা "বড়ু চণ্ডীদাস" অসিগী মশাগী মমিং আনন্ত কৌরম্মী অমসুং হায়রিবা আনন্ত অসিনা থাইনগী মপামপু শিংনা হান্না তৌরক্লবা লীলা পালাদুগী অশিন অরাং ওইরম্বায়াই । অসিগুম্বা চণ্ডীদাস স্কুল অমা গৌরসহরগী মনাক্তা লৈবা কানাই নটশালাদা মখোইগী মরু ওইবা মফম কেন্দ্র ওইনা লৈরম্মী অমসুং মদুদা চৈতন্যনা রামকেলীদগী হল্লকপদা মখোইনা শান্নবা লীলা অমা য়েংখি হায়বসি ওইথোক্তবা নত্তে । "রাধা বিরহ" খণ্ডদা চৈতন্যগী ৱা পল্লি হায়না চিংনবা ৱা অমা ঐখোয়না মথক্তা উখ্রে , অমদি লোনগী মওংদা ইকুই কুইদ্রিবা মতমগীনি হায়বা ৱা অসিতা নক্তনা অতৈ পোইন্ট কয়াসু হায়খ্রে অদুনা চৈতন্যনা য়েংখিবা লীলা অমসুং খঙখিবা ঈশৈশিংদু আনন্তনা লেংবা নত্তে , মাগী মমাঙদা লৈরম্বা মপামপুশিং অমনা লেংবনি অমসুং মহাক অদুনা অহানবা থাঙ্গৈশেংবা চণ্ডীদাস অদুনি হায়না ঐখোয়না লৌবা য়াই ।

হৌজিক্কী চহিচা অসিগী অঙনবা মতম চহি কুন্থ্রাগী অদুৱাইদা কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়না খোমজিনবা খুৎই লাইরিক ময়ামগী মরক্তা লাইরিক্কুন্না ফাজিনবা অচাইবা চেনা নত্তবা য়াম্না থেঙবা মতমগী খুৎই লাইরিক অনিথক (অমদি খৃঃ ১৮৩০ গীনি) থেংনরুবদগী চণ্ডীদাস পণ্ডিতশিংগী মরক্তা মরাং মরাং তৌনবা অমা থোকখি। খুৎই লাইরিকশিং অদু কনাগুম্বা ঈশৈতম্বা অমগী (তানচানা ঈশৈ সকপা তম্লবা) খাটানি। মদুদা শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনদগী খর খিত্তং শেমদোকপা ঈশৈ কুনলোম য়াওই। লেমহৌরিবা তরা অদুনা শৈরেং অসিগী মাঙখিবা শরুক্তা য়াওখিবদু ওইরম্বা য়াই। খুৎই লাইরিক অনি অসি শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনবু পুথোকখিবা নুপা অদুনা খোমজিনবা মরক্তা য়াওরকপনি। অসুম্না পুথোরক্লিবা অসিনা শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী ঈশৈশিং অসি হৌজিক্কী চহিচা অসিগী অহানবা চহি তরা, কুন অদুৱাইদা খঙনরমদবা নত্তে হায়বসিগী প্রমাণ পীরি। পুথোরকপা অসিনা শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন অসি আ-মথায় থায়নঙৈগী নাইতোম ওইরবা অরিবা পোৎনি অমসুং কাইনথংগী বৈষ্ণবকীর্ত্তনগী থবক্কা মরি লৈনদে হায়না থাজনরম্বা ৱা অদুদা অকনবা চৈফু অমাপীরবনি। অদুম ওইনমক মসিনা মতম অদুদা খ্বাইনা খঙনরমদবা ৱা শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী খুৎই লাইরিক অসি ঐখোইনা খন্নরম্বা অদুগুম্না থাঙ্গৈশেংনা য়াম্না লিরবা নত্তে হায়বা ৱাফমসি শৌগৎলি। অমসুং মসিগী চে, মুক অমসুং খুৎইশিং অসিনা মসি তরানিপানশুবা চহিচাগী ময়ায়দগী হেন্না ঙনখৎপা নত্তে হায়বা উৎলি। হায়রিবা মতম অসি শোয়দবনি হায়বসিসু লোন্দা পুদানসু অদুম প্রমান তৌরি।

ঐহাক্না হান্নসু হায়জখ্রে মদুদি অচোইবা পরেং অনি অনিগী ঈশৈ খর চণ্ডীদাসকী ঈশৈদগী থোইদোক্না শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনদগী ফাওবা লৌথোক্তুনা তরানিপানশুবা চহিচাদা হন্না হন্না শক্লবা ঈশৈ "ধুয়া" ওইনা শকপা চৎনরম্মী। হেন্না লিরবা কীর্ত্তন শৈখোমশিংদসু চণ্ডীদাসকী হান্নগী শৈরেংদা য়াওরম্বা য়াবা ঈশৈ খরসু য়াওরম্মী। ঐনা মখাদা অর্থ হন্দোক্লগ অমত্তং হাপচরি। মসি নরহরি চক্রবর্ত্তিগী "গীত চন্দ্রোদয়" হায়বা তরানিপানশুবা চহিচাগী অঙনবা মতমদা ইবা লাইরিক অদুদা য়াওবনি।

"নুংশিবা নঙসে শুন পূম্বৈই তুংনফমনি নঙগী নমিংবু মাগী লৈতোন্না খৎচরী
নঙ্গী নমিংবু মনানা তারবা মাদি নুঙাইবনা খল্লী,
মাগী মমিৎ পিনা থনবনা মানা মমায় লৈথোকই
কনাগুম্বনা মঙোন্দা করিগুম্বা হংলবা মাদি মখুত্তমা হাইরকই
নঙনা করি তৌগদগে হায়বদু ঐ হায়গে অতোপ্পা ওইনা খনগনু
মাদি খাঙজবগী ঙমখৈদা লৈরবনি হায়জৈ বড়ু চণ্ডীদাসনা।

# অরোইবা ৱারম

মথক্কী লামায়শিংদা খন্ন নৈনখিবশিদগী ঐনা খঞ্জবদি চণ্ডীদাস হায়বা মিং অসি মী কয়ামরুমদা ঐতিহাসিক ওইনা মথং মথং থোন্নবা মিং নত্রগা মতম অমত্তদা মী কয়ামরুমদা য়েৎনবা লৈতনা থোনবা য়াবা মিংনি হায়বসি খঙহনবা ঙমজখ্রে।

ঐতিহাসিক ওইনা মিং অসিমক কৌবা য়ামদ্রবদা কবি অহুমখক তরামাপল শুবা চহিচাগী মমাঙদা লৈরম্মী । অমদি চৈতন্য অমসুং মাগী মরুপশিংনা থাগৎপিখিবা অরিবা চণ্ডীদাস অদুনি । অতোপ্পা অমনা নোরোত্তম দাসকী শিষ্য ব্রাহ্মণ (দ্বিজ) চণ্ডীদাসনি । অহুমশুবা অদুদি তান্ত্রিক বৈষ্ণবনি , মাদি শৈরেং খরতমা ইরম্মী অদুবু মিষ্টিক ঈশৈদি য়াম্না লেংলম্বা য়াই । অহুমশুবা চণ্ডীদাস অসি কৃষ্ণ প্রেমগী কীর্ত্তন ঈশৈ খরদা খ্বাইময়াম্না থোনবা মিং "তরুনীরমণ" হায়বা মিং অসি শিজিন্নবা মী অদুগা মী অমত্তা ওইরম্বা য়াই ।

অসি নত্তবা পঙই ইবা অইবা অশেম্বা নমথাক লৌনম তৌনা ইবা অইবা অমদি হাপু-হারাং মপৈ মপৈ ইরম্বা কয়াসু ভনিতাদা "অতোনবা (দীন) চণ্ডীদাস নত্রগা হন্থবা (হিন) চণ্ডীদাস" নত্রগা ময়াঙকংবা (ক্ষিন) চণ্ডীদাস নত্রগা অতোনবা অমসুং ময়াংকংবা (দিন ক্ষিন) চণ্ডীদাস" নত্রগা ইচম চম্না "চণ্ডীদাসতা কৌবা কয়া অমসু লৈরম্মী ভণিতা তনা মখোই অসে ছাপা নমদুনা ফোংদোকপা য়াওজবা ফংবনি অমসুং পণ্ডিত খরগী মতম অমগী "কুপ্পা" খন্ন নৈনবগী মচাক ওইরুবতনি ।

মতম অমত্তদা "চণ্ডীদাস" কাঙ্বু অমা ('গন' গতি) লৈরম্মী ঐখোইনা মসিবু কবি , ঈশৈ শকপা জগোই শাবা নত্রগা মীতৌ তম্বা অমসুং লাইধিবী লীলা শান্নবা কাঙবুগী অপুনবা স্কুল অমনি হায়বা য়াই। মখোইগী রাধা কৃষ্ণ প্রেম অমসুং অতৈ গোপীশিংগী প্রেম লীলাগী ঈশৈ কয়ামরুম পুনশিনবা ঈশৈ চবুন অমা লৈরম্মী । ঈশৈ চবুন অসিগী ইহানহেক হানবা মওং অদু ঐখোয়গী খুত্তা শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী শক্তম ওইনা ফংলরে। মসি জয়দেবগী "গীতগোবিন্দ" গা মান্নবা অমদি উমাপতীগী "পারিজাত হরণ"গা হেন্না মান্নবা ওইরম্বা য়াই। উমাপতীগী পারিজাত হরণ (সংস্কৃত দ্রামাগী মওংদুদি নত্তে) তাবগুম্না শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনদা লীলা অমসুং শৈরেং ঈশৈশিংদু

সংস্কৃত শ্লোক পরেং অমনা মথং মথং শমজিন্নলা লেংশিন্দুনা ৱারী অদু মখা চথৈ। মসিগী কবি অদুগী মসিং চণ্ডীদাস কৌরম্মী। অদুবু মিং অসি মশামক্কী মমিংলা নত্রগা উপাধিরা

হায়বদুদি ঐখোয়না চপচানা খঙবা ঙমদ্রে।

অহানবা চণ্ডীদাস অদু অফবা কবিনি অমসুং মাগুম্না অনিশুবদুসু ফৈ। অসিগী মরক্তা করম্বনা হেন্না ফবগে হায়বদুদি ঐখোয়না লেপ্পা ঙমদরে। কালিদাসপু পামজবা শকখঙদবা অমদা ঙাকপীয়ু হায়না হায়জরগা ঐনা অরোইবা ওইনা হায়জনীংই ঃ

একোপি জিয়তে হন্ত চণ্ডীদাস ন কেনচিৎ।

শৃঙ্গারে ব্রজলীলায়াম্ চণ্ডীদাস দ্বয়ি কিমু।।

চণ্ডীদাস অমাফাওবা মথক্তা অমা নৈত্রবদা ব্রজপ্রেমগী লমদা চণ্ডীদাস জুরা নদি কয়াদনো।।

Indian Institute of ... Study
117831
21.12.04
SHIMLA

# খন্নখিবা লাইরিকশিং


মহাজন-পদাবলী , জগদবন্ধু ভদ্র ১৮৭৫

প্রাচীন-কাব্য-সংগ্রহ , অহানবা পার্ট , অক্ষয়চন্দ্র সরকার ১সুং সারদাচন্দ্র মিত্র —১৮৭৮

চণ্ডীদাসের পদাবলী , নীলরতন মুখার্জী , বঙ্গীয় সাহিত্য পরিষদ , ১৯১২

শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তন , বসন্ত রঞ্জন রায় , বঙ্গীয় সাহিত্য পরিষদ — ১৯১৭

বীরভুম-বিবরণ , অহুমশুবা পার্ট , মহিমনিরঞ্জন চক্রবর্ত্তী—১৯২৭

চণ্ডীদাসের পদাবলী , সুনীতি কুমার চ্যাটার্জী অমসুং হরেকৃষ্ণ মুখোপাধ্যায় , বঙ্গীয় সাহিত্য পরিষদ , ১৯৩৪

দীন চণ্ডীদাসের পদাবলী , ভোলুম ১ , মণীন্দ্র মোহন বসু , ১৯৩৪

চণ্ডীদাস-চরিত , যোগেশচন্দ্র রায় —১৯৩৪

বঙ্গীয় সাহিত্যের ইতিহাস , ভোলুম ১ অহানবা পার্ট , সুকুমার সেন — ৫ শুবা ইডিসন , ১৯৭০

অঁরবা বাঙ্গলা কবিতাশিংগী মরক্তা খৱাইদগী হেন্না মনম নুংশিবা লৈদি চণ্ডীদাসনা ইরম্বা ঈশৈশিং অসিনি, অদুবু চণ্ডীদাস কনানো কদাইদা করম্বা মতমদা লৈরম্মী হায়বা ৱাহংশিং অসিনা লেপ্পা লৈতনা থিগৎলিবা বাঙ্গলা লোন অমসুং সাহিত্যগী পণ্ডিত কয়াবু চমম্নহল্লিবনি। চণ্ডীদাসকী মরমদা ইহান হেক হান্না পল্লম্বা থেংনবসি "চৈতন্যচরিতামৃতদা" মদুদা প্রভুগী মতমগী মী নহা ওইরিবা কৃষ্ণদাস কবিরাজনা ইরম্মী মদুদি প্রভুগী পুন্নসি লোইরমদাই চহি খরদি জয়দেব (সংস্কৃত) বিদ্যাপতী (মৈথিলী) অমসুং চণ্ডীদাস (বাঙ্গলা) কী ঈশৈশিংনা চৈতন্যবু ভাববিকার ওইহনখি। অদুনা চণ্ডীদাসনা লৈরম্বা য়াবা মতমসি চহিচা তরামঙাশুবগী মমৈ অমসুং চহিচা তরাতরুক শুবগী হোৎনং-লকপা মতমগী মনুংদনি হায়বা তাকই। তারিক অসিতা নত্তনা চণ্ডীদাসকী মশক ময়াম অমসুং মাগা চান্নবা মরুপশিংগা মরী লৈনবা ৱারীশিং পাবদা শুস্নেৎনিঙাইনি। বাঙ্গলা লোন অমসুং সাহিত্যগী ইতিহাসকী শক্লাইরবা ওথোরিটি ওইরিবা ডাক্তর সুকুমার সেননা ৱাহং পুম্নমকসি পণ্ডিত অমা ওইবগী মনুং থীৎনা য়েংবা মিৎয়েং অমসুং ৱারী লীবা হৈবা অমগী নুঙাইবা পোকহনবা মওংগা লোয়নননা পুন্না ফজনা নৈনৈ। ডাক্তর সেননা জয়দেব অমসুং বিদ্যাপতীগা থোং মান্ননা লৈবদি বড়ু চণ্ডীদাসনি হায়না লৌই হায়বসি মহাক্না শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনবু মপুংফানা মনুং থীৎনা য়েংবসিনা উৎলি। অরোইবদা মহাক্না বড়ু অমসুং দ্বিজ অনিমক্কী খল তম

"চণ্ডীদাস অমখক্তা ফাওবা অতোপ্পা মিং ত
মরমদা চণ্ডীদাস জন্নরানদি করি ওইগনি।"

Library IIAS, Shimla
MN 891.441 52 C 36 S
00117831

মখুম য়েকপা — সত্যজিৎ রায়
মনুংদা হাপলিবা — শ্রীকৃষ্ণকীর্ত্তনগী ভনিতাদা চণ্ডীদাসকী মমিং য়াওবা লামায় খুৎই লাইরিক্কী চপচাবা শক্তম।

মমল্ ঃ ১৫.০০

ISBN : 81-7201-450-3